

নুপী চেনব

A Children's Play

for Publicity Department.

Men are made in the image of Gods.

লীলা মীকোক

—:(o):—

১।	শৈশব—মন্ত্রীমচা	—	চহি ১১ রোম
২।	য়ুমজাও—ইঞ্জিনিয়ার মচা	—	,, ১০ ,,
৩।	কৈরেন—দারোগা বাবুগি মচা	—	,, ১০ ,,
৪।	ভাইটামিন—ডাক্তর বাবুগি মচা	—	,, ১০ ,,
৫।	শ্রীমতী থাজমানবী—দোকান্দার বাবুগি মচা	—	,, ৯ ,,
৬।	শ্রীমতী প্রিয়ম্বদ—এদভোকেটকি মচা	—	,, ৯॥০ ,,
৭।	শ্রীমতী পার্ব্বতী—ভজ্জগি মচানুপী	—	,, ১০ ,,

খৃষ্টান মিশন স্কুলগি ছাত্র ছাত্রী ওাক্তি। অশংব অভোব ফিক্কেং শেংলি মান্নন।

———— —

নুপী চেনবা

(অঙাংগী শান্নবা লীলা মচা)

১ব উপ

শরৎ ঋতুগি মুংথিল অম, থাংজ মুমিংত হাফ ছুটি থাহুন স্কুলদগি ছাত্র ছাত্রী শিং হনমিন্নরকই। বস তোংব ফংহৌদ্রে, ময়ুম ময়ুমদগি গাড়ীশিং থানরক্লি। Green and white uniform শেংলি, লাইরিক থাও, টিফিন কেরীয়র, থমোক্লাস্কনচিংব যাম্মে সেংবান্দ মাগি মাগি। লম্বী মপানগি লম্পাক অমদ ছাত্র ছাত্রী ময়ামত্থু য়ারী শারি।

লৈ— Brothers and sisters হয়েংদি Sunday নি, মুংঙাইরব লীলা অম শান্নাস। নহান স্কুলদ শান্নবত্থুদি I don't like at all.

ময়াম— Yes, Yes, শান্নসি, Bible গী য়ারী নত্তব অম।

পা— রামায়ণ মহাভারতকি শান্নশিরাও ? ঐদি য়ারী য়াম্ম কায়, ইমান লৌবিহুনা।

থাজ— মহাভারতকিদি তন্নি, ঐদি দ্রৌপদী শাব ওম্মোই।

প্রিয়— রামায়ণগি শান্নসি ঐ সীতা শাগে।

কৈ— পার্ট অপাম্ব শন্নরব্রা ? ঐ রাম শাগে অহুদি।

য়ুম— অহুদি হিংচাব হিংচাবী হাৎপ ঙমগক্রা নংবো? yes, দারোগা বাবুগি মচানি নং হৈনি।

ভাই —য়োঃ শওমগি লাম্বী কদায়দৈ খোম্মুদৌবিব—ঐখোয়গি স্কুলগি ছাত্র ছাত্রী, fathers and sisters য়াওরবস্থু মীশিং শুনরোই।

লৈ— Modern গি ম্নারী অম হেক্ক শান্নসিবা। শাবস্থু ম্নাদনব, পোষাক্ক ইপাগি ইয়াম্বগি হেক্ক শেৎনরকপ।

য়ুম— মহুন কৈ, Daily paper দা য়াওব ম্ন নীমচা অম হেক্ক শান্নসি।

প্রি— চাক তাংবন ভিক্ষা নীহুন চৎনব, চরা হেনবদৈ মচা হাৎপ, মশাস্থু শিজব শান্নসিরাও?

থাজ— মহু তল্লি, চবা হেন্দব ঐখোয়ন অহু শাব হৈনরোই।

পা— ডাঃখো, অম লৈবে—নহান্দ লুপীমচা অমবু পাখঙ অনীন চিংউবগি কেশ অম ঐখোয় পাবুংন য়ুমদ তৌথি মহু শান্নসি মুংডাইনি, ঐ ঐখোয় পাবুং জজ শাগে, পোষাকস্থু ম্নারোই ঐ লোন্ন পুজবক্কে।

ভাই— মহু শান্নসি, লুপীহু হাসপটালদ পুরক্কুন ঐখোয় পাবুংখোয়ন examine তৌই হায়, ঐ পাবুং শাগে, ডাক্তরগি খুৎলাই-কাস্থু স্নুন লৈ, ঐ হেক্ক পুজরক্কে।

কৈ— নহান খবরদ লুপী চেনবগি ম্নাথোক অম য়াওখিবহু ওইব তারে। ঐখোয় পাবুংন Inquairy officer ওইখি। ঐ

পাবুংগি পোষাক শেংলগ কনা কনানো ফাগে পাথঙ শাও মমাই থকপ।

লৈ— ফাসন্থ মিষ্টার য়ুমজাও, ইমানী পাথঙ মরল লৈব শাসি। নথোয় father দগি বিলগি নোট অহনব মপুন মপুন থর পুরকউ।

য়ুম— বেরা লৈতে মিষ্টর লৈশঙ, মন্ত্রীমচা নং—নথোয় পাবুংগি কার অহনবহু পুরকউ, মুপীমচা ইবেম্মা ইমানীন চেন্দো-রিবসি কনান শাবীদগে?

থাজ— ঐ শাজগে কার তোংলগ তপ্ন থৌদুন চেনগদব, চাক য়েঙ্গাং অহাওব পীজদোব ওইরবদি।

প্রি— ইবেম্মা নংসু নয়ুম পাল্লগে হায়দুন চেল্লক্লবনিন নথোয় পাবুংগি দোকান্দগি লোৎতুন থম্ব চেং অফবহু বোরা মচা অমত্তুদি পূরকউদন, কার মনীংদ হাপ্লগ মন্ত্রীগি কারনিন দারোগান ফাক্লুন য়েংদোবসু লৈতে।

থা— মন্ত্রী ময়ুমদ চেল্লগ চেং পুব হৌনদে, ময়ুমদ পীকথম্ন লৈ হায়নৈ।

প্রি— চেক্তি থর চেকশিনবীযু. মুপী চেনববু ওইরে, চেং লোৎপবু ওইরে অরানব থবক আইন কায়বদি পাবুংতোন এদভো-কেটন হায়রিব নোংমদি শোয়দন চোপ্পনি হায়। ঐ পাবুং-তোনগি পোষাক শেৎলক্লনি,--মুপী চিংব। চেং লোৎপ-শিংগি মথক্ত কেশ নৌথৎকনি--খঙঙ্।

কৈ— I shall help you, darling -ঐ ইপান পোকপ

মচানি, পাবুংগি মছুং ঐ শারক্কনি Let us see—লৈবাক-
সিদ অরানব তৌরগ লোৎপ ভমগদব কনানো।

পা— মিষ্টার কৈরেন, শেল চারগ মরাল লৈব মী থাদোকপদি তৌনু। ঐ খভিঙ ঐখোয় পাংংসু শেল চায়, দারোগা বাবু-শিংদ নত্তে, উকীলশিংসু অবানব মীবু চুমহন্নব রা য়াম্ন ভাংই লুপা য়াম্ন লৌরগ। নহারোল ঐখোয়দি ওক্তব অহল লোনগি মতৌ তম্ব য়াদে।

থাজ— ওক্তবৈ হায়রুরবদি ঐখোয় দোকান অমনব অমদ—ফো চেং য়াম্ন লোংলি—চেং সুক তাংলব মতমদ পুথোক্লুন য়োন্দে, হেন্ন তাংলগ য়োনগনি হায়রন। ঐবু ভস্তান চেল্লসি হায়হুন ইঞ্জিনিয়ারগি মচা মন্ত্রীগি মচান হৌরবদ য়াগদবসে, ঐবু মাই হায়রোইদ্রাও ইচে পার্ব্বতী?

লৈ— ভাব তাদ্রে ন' থাজমানবী হবেম্মা। নশান য়াদ্রবস্ন যুমজাও ব'বুগ ইমানীন ঐখোয়গি কারদ থাঙ্গৎতুন পুদো-বিবনি by force।

থা— অতদি ঐদি কোইরাও লাওনি।

যুম— ইবেম্মা নংগি তেনরা চিনবান অনীহু ফাজীন্নব ইবুংন মুপাগি রুমাল পুরক্কি।

লৈ— order please, পার্ট য়েন্নব লোইরেকো : মিশ পার্ব্বতীন মখোয় পাবুং জজ শাব, দোকান্দার বাবুগি মজা ইবেম্ম থাজমানবীন Heroine শাব, মন্ত্রীমচা লৈশঙ ঐন Hero শাব, ইঞ্জিনিয়ারগি মচা মিষ্টর যুমজাওন ঐগি helper—

য়ুম— One minute please, মাগি মতেঃ পাংচুন মুপী চেনবগিদমক্তি মোট অহনব মপুন মপুন পুরকপ ডম্মোই dear লৈশঙ। মখোয় পাংনে খবক হাপ্পদ চাখিব শেল, দোকান্দারশিংদ monopoly পীখোকপদ চাখিব শেলাশিংছু লোম্ন পুরকউ।

লৈ— Never mind, শেলগি বেরা লৈতে, ইপান মন্ত্রীগি, ইলেক্সনগি চংখিবছু কক্সিনত্রি হায়—অদুবু, any how ঐ পুরক্কে।

পা— প্রিয়ম্বদান এদভোকেট শাব, মিষ্টর ভাইটামিন্ন মপাবুং Doctor সাহেব—

ভাই— Order please, my name is not Vitamin—Vitamin হায়বছু ঐগি অশাওব মীংনি, ঐবু পাবুং শাহুন লীলা য়াও হায়রবদি ঐবু পেনিসিলীন কৌবীয়ু।

(ময়াম নোকই)

পা— Excuse me doctor পেনিসিলীন, অদুগ কৈরেন বাবুন মপাবুং দারোগাবাবু শাব তারে।

থাজ— লীলাবু কদায়দ শান্নদগে?

লৈ— ঐখোয়দ শান্নসি হায়ববু ঐন মুপী চেনব পাখঙ শাদৌরিবনি ইমা উখিনি ইকাই। য়ুমগি কা অহাংব য়াম্ন লৈব মিশ পার্ব্বতী জজখোয়দ শান্নসি।

কৈ— মতুন ফরে। ময়াম্মক শোইনব য়াদে, হয়েং Sunday মুংখিল পুং ২ তাবদ লীলা হোৌব। কার লাক্লে তোংখ্রসি।

ময়াম—ফরে, শোইনরোইসে।

(হরাওদুন হুইশেল খোঙনৈ, কার মখোল তায়, খাঙ্মৈ, ইরাং লাংনৈ, কাখৎলগ চৎনখ্রে)

২শুব উাপ

অয়ুক পুং ৭॥০ তারে, লম্বীদ লৈশঙন ফাঙৌ লংজম মপাগি শেংলকই তাখৎলবস্থু জোন জোন, ব্রাকীং ষ্টিক পায়, যুমজাওন কোৎ ট্রাউজর নেকটাই মপাগিদু পিন্ন স্থপচিলহল্লগ ইকোম কোম চাদন শেৎলক লিংলকই ফাতা অম পায়বকই। ব্রারী শাদুন লাকই লৈবাক্কা।

লৈ— পঙখ্রব লৈবাক্কে মিষ্টব যুমজাও, ঐখোয়গি মনিপুবসে, নত্তে চাক তাংগে হায়রবদি হৱাই চাও, মনা মশীঙ চাও, পুক অদুম থনগনি কবিগি চাক্ত তাম্নবগে ? লৈত্রবদবু কদায়.দ কোৎলুনি।

য়ুম— হৱাই চানীংদে, মনা মশাঙ হৈনদে হায়রবস্থ চাক্কী মহুৎ পুক থনব য়াবপোৎ য়াম্ন লৈখ্রেন কারিনো। নত্তে, ঙা চাব যাই, য়েরুম চাব য়াই, লদ্দু বেরা, মীঠাই পীকথম্ন লৈ হায়বনি য়ামগি তল হৈনদ্রবস্থু।

লৈ— চাক তাংবসি অমরোমদদি ফব জাৎনি, হায়ব ইন্দব

লাইরব মৈতৈ মরম ওকই, থবক শিজিন্নব য়াই। চেং পীগে ফৌ পীগে হায়রবদি হুজিক মখোয়ন য়াদব লৈতে।

য়ুম— মতম অসি নাম্ভোকচনব য়াদে, অপাম্ব ভোটর নল্লগ ঋুপী মশক ফজবী, চাক মবুক থনব থন্দবী থিজোব ফৈ। মচক থল্লবদি পাম্মী পামদে বেরা য়াম্ন তৌবত্থু চেং তাংলবসিদদি তৌনররোই।

লৈ— হায়ব ইনগদব ভোটর ওইরবদি, মশকপু ফজরবদি, লৈবাক্কী অরাব থিতুং কোক্লব চাক থাকুন, য়ুমদ লোইব চুম্মী, হুইনাও ফাওব লোইনৈ।

য়ুম— ইপা ইমান শাওগঞ্জনে ভায়? চাক তাংবদ মীগি মচা পুশিল্লকই হাযত্থুনা?

লৈ— পাবু খোয়ম্থু লৈবাক্কী চাওখৎনব শেম্মা. ঐখোয়ম্থু মত্থুনি, কবি শাওভম থোকপগে? লৈ তবগ অরৈবগ য়েন্নত্থুন চাব লাইবিক্ত যাওব ধম্ম নত্রাও?

য়ুম— ঐখোয়বু চহি নৌমল্লি হায়গ্রাও?

লৈ— হৌভলিদৈদ লেপশিনবনি, ঐখোযন চহি য়াম্মক্লব মতমদ মশক ফজবী তাখৎখ্রদি কমদৌনি?

য়ুম— কারবাবগি ভাবনি, মত্থু চুম্মী, অহল লম্মন্ন শাওব চুমদে।

লৈ— আদ লাকইবীসি কনানো মশক ফজৈ, ঐ লোবগে ভায়, হৌদোং অরাংবীদৈ হেন্ন ফজৈ।

য়ুম— লোজ্জরো বেরা লৈতে, নং চেং য়াম্ন খীনব নিপানি- মা অম

থাকপদি থাকৈফ ! হায ফন ফজৈ, লৌব যাই, য়ুমদ খঙ্গদ মাং ইংগনি। চাকপু কয়া য়াম্ন চারমদগে মচু হান্ন হংউকো।

লৈ— ত্রাগ ব্রান নংন ডাংনবান, নংগি ব্রান ত্রন ডা নবাব—মহুন থব ইকাহব ফংনি নং ব্রা থব হৌদোকউ মরুপ।

য়ুম— মহাক থানব ডাংনদি অবাইবনি, নখোয় ইমাচু যান্ন লিকই, হয় হৌদোং ক ংন চাক থাকপ ভমদ্রবদ কৈদোন মাগি মচা লাইদোনিবনো চাক ফংবদ তিংনব হায়ববদি?

লৈ— হুং, হৌদোং, যগ মীদোঙ্গ পীয়োকখ্রনি, মখোযদৈ তেন্ন ফয়ব জুপীনচাসি লোইবাসি হায়বদ ইমা শোয়দগ খান— বিয় সংখ্যা।

য়ুম— বন অংদ- I shall try, (থাগ লাক্ক, হেম্ন, ঘখান মানগ শকয় নবা। কদাইদ পনাগ শান্নগ চেলি লাকংয়ই পুশিন্নহন?

থাজ— শান্নগ চংগ নংহ, লাইলিব ভঙ্গ চংকবনি। সুপংমচ ত্রথোযাদ লিপা নখোয়দোন মতম না হনগ যাগে;

য়ুম— মতম ভইজনব্রা অম হায়গে অতুদি ভইতগ পাঙ্খা, নয়ুমন চাকসু তিনবে ক মতমচ য়ান্ন তা নন।

থাজ— করি ব্রালো হ হংগ, ইহন অমুক লৈবংয়, খেগ্রসংখন।

য়ুম—হায়রগেকে নিঙ্গব লৈশঙ?

লৈ— মতম থইজনব পবপ পবপ please.

য়ুম— থঙ্গাল মানবা নং মঙ্গামগ নিঙ্গব লৈশঙখোয়গি পুখ্রাদ শাংপুরাস, চাকসু মখোয়দ থুকিপগ চান, মাগ লাইবিক ভঙ্গ কামান্নব, মাগ শান্নমান্নব। হায় হেক্ত হায়রকভ।

থাজ— পুখ্রীগি লৈখোংদ থম্মাক ওইনা শাংপ ভাল্লি। মচীমচুমদি চাক নমথীব চানমনি—ইমুংমদ হাংনা চাভগে।

যুম— পুখ্রীদ কুমদোব নাত্ত, প্রমাণ তৌবনি। মীওংদ চেং নমথীব নুংশিবস্থ মখোয় মমদদি অহাণ্ডব ভাক্ত অহাণ্ডব যেঙ্গাংগ চাবিংপা নে। মখোয়গি দোকান শেন্দোং ফংনব হাংভনদ চাদ্ধন, পেৎ যাম্ম বংকব ইমুংদে হেন্ন হাংগদ্রাংলা। নংস্থ খর য়াংলে মিষ্টব।

লৈ— ঐখোযদি এম্বোংসেদংব কার, স্কুটা, শগোল, শগোল গাড়ী তোংদুন শাম্নব লৈ। Any day তোংমীম্নবগ সীনেমা য়েংউব য়ানি।

থাজ— ইকাইজেন মীগি মপোং বাইদুন শিজিন্নব, মীগি মচা লাইবক যবব এংগি ওপ য়াংপোং নত্তে।

লৈ— মীপোং বাইগাদব নত্তে, কনাগি ইপোংনি, এগি ইপোং পুম্ব নংগি ওইবীনা লমবা, এংগি লা নফম্ম নংগি লাইবক ওইবীরো ইমানা মপুন অমত্ত হেনরবদি।

থাজ— ইকাইজে ভেম্খাহ, থেংলে চৎলে।

লৈ— মুপী পুন্নমক নিংথৌগি মচুনদ লৈনারিবসিদি কনাগি ইকাইরুনি?

যুম— মুপী অতেদি ইকাইনদ্রগ নথন্দ ইকাইবিবছ করিগিনো— নংবু মুপী নত্রাগ?

থাজ— মুপী ওইরংস্থ ঐদি ইকাই, ইকাইদব মখোয় লৈজসন্ন, ইকাইব ঐ য়ুমদ লৈজখিগে।

লৈ — ইকাইদনীশিংহু পাম্জদে ঐদি, ইকাইগনবী নংবু পাম্জে যুমদ থম্ব — নংবু লৈববদি ঐখোয়গি দলালহু অওকপ ফংন ফজনি। কনিগিনো নংন অহুক ইকাইরিবহুবো? মুম্ন খল্লু শকমুংশি।

থাজ — মতম মাংনবনি ঐ চৎনবগে, হয়েং থর চাওবগ ইকাইব খঙ্গক্লগ খন্নসি, হুজিক্কি ইকাইজরি।

যম — মতম ওইজনব চম্মান মন্ত্রীময়ুমদ লৈহৌরে—চাকম্মু ওই-জনি, মতমম্মু ওইজনি, মখোয়দ লৈন লৈন নং চাওরকখিনি - ইকাইরকখিনি ঐখোয পাখঙ ফারক্কনি, ইকাইবক্কনি। কয়া ইকাইনদ্রিবৈ চেলহৌবসি মতম ওইজনব, লাইরিক তম্বম্মু শিংতনব, পূক্কিংম্মু লাংদনব।

থাজ— ওম্মোইদ, ইকাদ তল্লিদ।

লৈ— ইশক নুংশিদবৈ রারাও?

থাজ— নচ্চদে।

লৈ— ইপা মন্ত্রাগি মচানি, ইবুকচেল পাকদোবোহ নিংব্রাও? লৈবাক্কী মানে ঐ।

থাজ — নাংজদে —য়াম্ন ফরিপোংনি, চামীন্নসি থকমীন্নসি—কাব তোংমীন্নসি হায়ববু ফত্তব রারাও। অহুদ ইকাইজৈদ!

লৈ— মিহুর য়ুমজাও, হেক্ক চিংহুন পুরসি মখুৎ নামহু পায়ম্নু।

(অনীন চিংই)

থাজ— কনা কনানো থর থাম্বীযো, ঐবু অভাং অনীন চিংবীরে। ইকাইজৈ হায়ব ম্নাদ্রে।

কৈ—(দারোগা বাবু ফীজেংত চেল্লক্লগ ,—কনা কনাগি অভাংনো মশা মশান য়াদবী লুপী চিংলিবা ?

য়ুম— মাশু অভাংনি, ইমান্নবনি বাবু দারোগা।

কৈ— মশান য়াজদন কনি চিংই, কদায়দ পূদৌরিবনো ?

লৈ— মশান য়াদব নত্তে বাবু, ইকাইব ফনব চিংইবনি। ঐখোয় য়ুমদ থমগে ঐগ চামীন্নগে, শান্নমীন্নগে তৌবনি ফত্তব রা নত্তে, ফৌ শুগদব নত্তে।

য়ুম— কার তোংমীন্নরগ সিনেমা য়েংহুনদ লৈগদবনি বাবু দারোগা, মন্ত্রীগি মচানি, মাবু লোইগে হায়রিব নিপা অসে।

কৈ— ভাইখো মচীন নিংথীন হংখিগে থানা ঐখোয়গি হৌনবী। নখোয়নী অসুরাইদ হন্দোকউ খর লাপ্ল।

লৈ— লাপ্ল লৈবদি ভগ্মোই, নখোয়নীন ভাংনব য়াহ্ল ঐখোয় তাগে, নখোয়নীন অমুক চেনখ্রবদি ঐখোয় ভানব ফংহৌরোই মুংশা থী।

কৈ— দারোগা বাবু ঊবু থাডদব-- very sorry indeed ! লৈবাক্কী ফনব তৌব থানানি খঙহু।

য়ুম— খঙিড বাবু, থানাগি ফনব তৌবসু লৈবাক্কী ফনব ওই। ঐখোয়ন চিংলিব অসিসু লৈবাক্কী সেবাদ চিংলিবনি।

কৈ— I see, নখোয়গি নমাংদ রা খর হংগে তাও। হায় নুপীমচা। নং নিপা অনীসি মশক খঙব্রা ?

থাজ— খঙজে বাবু, অমন মন্ত্রীমচানি, অমন Hill cutting engineer গি মচানি।

কৈ — নং মখোয়না বু কবি হায়ে, love ওইবা রা ?

থাজ— ইমান্নবনি, মশক ফজৈ, ইনা কখুনব মচানি থডিঙ।

কৈ— Do you love them ? I say.

থাজ— Why do you ask me ?

কৈ— ঐগি dutyনি।

থাজ— খুমদব ঐদি right নি।

কৈ— অতুদি ভসাই কবিগি থাপীবু লাওবা।

থাজ—নুংশীবগ হেক্ক চেনগদ্রনে !

লৈ— Thank you darling.

কৈ— You keep quite.

লৈ— It is my duty as a lover.

যুম— খেংখিনবনি দাবে গা বাবু, ভা চানব লুপা এদং পাযবাখো, অদুগ লেংও।

কৈ— ঐ শেল চাব দারোগা নত্তে।

যুম — Do you love the girl then ?

কৈ— I love dear parents. মাবু ফাগ্রবদি মমা মপান কপকনি।

যুম— মাবু চিংবীদ্রবদি মান কপবনি

কৈ— চুম্বা লুপীমচা ?

থাজ— ঐ ভাব তাদে বাবু, রাশন্দ কোকভাওবে। অসাম হায়নি বদায, মাই ওংগাম শদ ন, ইকোক চুম ভাজবে।

কৈ— নংখোয়গি রাসি মুন্নাইদ লোইব য়াদ্রে, ডাক্তরদ চংনব তাবে।

লৈ— কৈ, চংসি চংলু।

(ওহু থর চংলগ ডাক্তর ভাইটামান লাকপদ থেংনৈ)

ভাই — এ বিলভৃগি থোবকপ কুহাত্রব ডাক্তর x, y, z পাশনি, কবিগুপ্ত অনাং এ য়েংব ভম্মা, ফাঁবদি থর য়াম্মী, অনাবদি কব য়াই, নাইবক যেংবীযু xyz থাজবীহুন।

লৈ — ডাক্তর সাহেব। (সালাম তৌই) মুপামচা ২াসিন মুপীমগা অসবুংশ্যাদ চিংলম্বদে খাম্বীযু লাওবকপ তাহুন এন কাবে। মশাগি মচান হংবদ মশান য়াই খভদে, য়াদে খভদে, মাসু এসু জ ন মাংলে। ডাক্তর বাবুন পাশ তৌহুন য়েংবীয়ু, মুপী চেল্লগ ডাক্তরদ পুথংনৈ হায়।

ভাই — Yes, Doctor, ঐন যেংগদবনি। নখোয় London Doctor গি fee পাব ঙম্ব মা ডাক্রিকো?

লৈ -- ঐ নংগী নচা ন ডাক্তর।

মম— ঐ ইঞ্জিনিযার সাহেবকা মচানি, মী cutting বুদি hill cutting না শেল তাব হেল্লি।

ভাই — Honourable Lady, নমীংতু লাওথোকউ অমুক্ত হেগে।

(লাওথোরকই, য়েংই)

I see, নাংত বেবা থর লৈরে। Please excuse me,

পুক্কু অমুক্ত য়েংগে। ব্লাউজ পোথোকত্রবশু য়ানি। (পায়ছুন ফিৎতঃ) চাক চারকত্রিবাও ? করি য়েঙ্গুং চায় ?

থাজ— তল চারকই শাক থরগ।

ভাই— ভাইটামিন ব্লাংলে, অছুন কুচুহ্ ফজব ব্লাংপনি Lady.

থাজ— করি চারগ কুচু ফজগদগে – চাক্ফ ফত্রা তল্প ফত্র সাহেব ?

ভাই— চাকশু তাংই, তলশু তাংই, অমত্ত চাকুনু ভাইটামিন ডাক্ত চাও, ঐন পৌনি হিদাক্ত নবুক থন্নব। Name please ?

থাজ— থাজমানবী। য়ুম্নাক কৈশাম্নি, য়েক্ত নিংথৌজা, পাবুংন ঐ লুহোংবদ লৌ পরি ১০ গ কার ১গ উম্নি হায়।

ভাই— I see, য়েক্ত নিংথৌজা।

লৈ— ডাক্তর বাবু, লাইয়েংবদ য়ুম্নাক য়েক হংবীবসিবু লাইয়ে লাইরিক্ত য়াওবা ?

ভাই— London Return Doctor দা মত্থিগি ব্লাহ্ মতুং মনাও হংউনু। What is your name please ?

লৈ— My name is Leisang Sing, son of the honourable Minister (health and hospitals, London and Indian Doctors য়েংবীরিব)

ভাই— কয়ুম্নো ? করি য়েক্নো ?

লৈ— মন্ত্রীময়ুম, হিজময়েক্নি, অহেম।

ভাই— করি ময়েক ?

লৈ— (থৌদেম্মগ) মৈতৈ ময়েক।

ভাই— I see, নাকথ· শকতু অমুক্ত য়েংগে। (ফুরিং তাখংলগ উহল্লি) sure, sure, T. B. suspect, x ray লৌব তায় হুজ্জিকমক Hospital দা চংলগ।

য়ুম— ঐবুদি য়েংবীবোইদ্রা ? (muscle উংলি)

ভাই— নোইরেদা। নোইমল্লে, Hospital দা চংসি Heart disease লৈরব য়াই। কদায় ফী পীবো, হাসপাটালদ চংসি।

লৈ— পাবুংদ িল তৌবাবকউ। ,তমেংলোংদ transfer তৌহনগে।

ভাই— নং অমুক য়েংগে sir, দারোগা বাবু।

কৈ— শেল লৈজদে য়েংবীয়ু। থবক হাপ্পদ য়ংখ্রে।

ভাই— অদ্বাদি লাকও চংসি, হাসপটালদ চহি খুদিংগি নশা য়েংব তাবনি থবক তৌরবস্র।

(দ্রিয়ম্বদা এদ:ফোকেটকা পোযাক চোন চোন শেংতুন লাকই, লাইরিক অচৌব খব মাকলদ য়েপ্পকই, আনোক উপ্পি, ফন্দুন চংলি।)

প্রি— Professional Ethics কায়দনব ইশা থাগংপ নচ্চদে, অশেংবদ হায়জব জাংনি, ঐন মীগি লেপ্প কেশসি ইশামক্কী-গুন্ন থন্নাই য়াওন লেপচৈ, ফী য়াম্ন লৌবদি হায়কনু কোর্ট ফী নম্নব শেল লৈজব্রব ব্রাদি শোরুনিংব নিপাগি শেল ফাওব পাংবীবজাংনি। মাঙেন্দ খংনৌ কোর্ট কানৌ

ইন্সিনব মী নত্তে ঐদি। করিনো ইন্সপেক্টর সাহেব কৈদৌ-
নরে ?

কৈ — খুপী চেনব হায়নদ্রা চিংব হায়গদ্রা রা অম থোক্লরে। মতুগি
ডাক্তরগ তান্নরম্মীবা।

প্রি— করি রানো ডাক্তর সাহেব London return, খুপী
চেনবগি কেশতি উকীল ঐখোয়ন লেপকদবনি, ডাক্তরন
হিঙ্গোল থোপচীনবীরকপসি করিগিনো ?

ভাই— ডাক্তর ঐগি ইথৌ অনাব লাইয়েংবনি, খুপী চেনবগি
মকদ্দমা নত্তে ঐন তৌরম্ম বসিদি, মখোয় অহুমসি ঐগি
অনাবনি, মখোয়গি অনাবাস ঐন ফনব য়েংজ্রিবমখৈ
থাদোকপ য়ারে ; মশা ফরব মতুংদ খুপা চেন্সগ্নু, চেনবগি
রাথোক কোর্টা লেপরুসনু নত্রগ খুমাংদ লুহোংউসন্নু ঐগি
বের লৈতে।

প্রি— খুপা চেনবা, খুপী চিংবগি কেশ হায়বসি তম্ম য়াদে—অথুব
কেশনি, মতু লোইরগ কোন্ন লাইয়েংবীয়ু।

ভাই — No madam, হকচাংন মীওইবগি মরুনি. Priority to
health. মখোয় অহুমগি মরক্ক লোনব য়াব T. B. গুম্ব
লাইনান নারম্ব থোক্লবদি কোর্টকী জজ অমস্তুং মী অতৈদা
লোনরোই হায়দুন এদভোকেটন জামিন য়াবীব ঙমদ্রা ?

প্রি-- অহুদি ডাক্তর সাহেবন অনাবশিংসিবু হাসপটালদৈ চেল-
হনবীরোই হায়দুন সার্টিফিকেট পীবীব ঙমগদ্রা ? অহুগা
লোনগনব লাইনান নাব য়াওরে হায়বগি সাক্ষী ওইবীগে
হায়ব্রা ?

ভাই— এঙ্গরে লৌরগ T. B. Patient, ওইরম্মবদি সার্টিফিকেট পীব ঙম্মি। হাসপটালদগি চেনখিদনবদি এদভোকেট সাহেবন থানাগি বাবুসিদ শীন্নবায়ু।

কৈ— ঐগিদি নোংমদৈ হেন্না ফাব ঙমদে মরাল লৈব মীবু। মেজি-ষ্ট্রেটা চংলগ লাইয়েংলিডে মন্নুংদ থানান শংগদ্রা হংনক্লব তায়।

প্রি— হোয়ানে ডাক্তর বাবু, মথোয়সি কোর্ট হান্না পুখংলগ কোম্না লাচয়ে বীয়ুনে।

ভাই— থংখোক্ত চাওখংখিদ্রেদা সনা লৈবাকমচাশা, অনাবগি germs শিংনা কোর্টকী অজ respect তৌবীগদ্রাও? মকদ্দনা হোনবীডে মাংখিব মতমদুদ লাইনাগি মহীকশিংছু পোংশ ও, ছুটিদ লৈয়ু হায়র্ব ডাংনব য়াগদ্রা? থানাগি বাবু নং অনাবগি মহীকশিংসি ফাবগ lock up তা নম্লগ জেল থানাদ থংমুব ঙমগদ্রা?

কৈ— মচুদি ঙমজরোই।

ভাই— অচুদি নখোযগি কেশ অবাইবনি কোম্না তৌনব য়াই, অনাব ফংনব ঐন হায়া য়েংউব তায়। নখোয় অহুম লাকও চংসি। ঐ Public health officer নি, ইথৌ তৌব তায়, Ladies and gentlemen.

(মখোয় মরা থর চংখি)

প্রি- দারোগা বাবু, থানাগি থবক্ত য়েথায়ব পীবগি under section 186 I.P.C. ডাক্তর বাবুসিস্থ কাহুন পুরসি।

(কোম্না)

কৈ— মচুন ফব তাবে—এদভোকেট। অমুক্ত ভাইবাখো ডাক্তর সাহেব।

ভাই— নখোয়নীস্থু লাইয়েংসি লাওনে, নশা শেংদন লৈবাক্কী থবক তৌব য়াদে—হয়েং মাইব ময়াম্ন খুংথাবব মতমচুদ ঐবু কৌ-ববনদি নখোয়দস্থু কান্নদে, ঐস্থু শেল লৌব স্থুংঙাইতে।

কৈ— ঐগি ইথৌদ য়ৈথায়বৈ "সাহেবপুস্থু আইপিসি section 186 কী মতুংইন্ন ফাজব তারে।

ভাই— ডাক্তরদ অচুক উশিংতবা?

কৈ— Excuse me Sir, it is my duty. (ফায় মখুংতু)

ভাই— নখৌবু ইকাইখুম্নব, you respect duty more than Death? শিববু কীদব, নখৌবুন হেন্ন লুবা? লাও, মেজিস্ট্রেটকী মনাক্ত চংসি, নং Common sense dose অমত্তং injection পাব দরকাব ওই।

(চংমীন্নথি মান চিংহুন)

— —

তম্ভুব উপ

পাব্বতীন কোর্ট্ট চংলকই জজগি পোষাক অকোম্বহু মান্ন লিং লচুন। হান্ন ফমলে ডাক্তর ভাইটামিন, এদভোকেট প্রিয়ম্বদা অমস্থুং পুলিস আফিসার কৈরেন। লেপ্পাবন লৈশঙ, য়ুমজাও অমস্থুং থাজমানবী। জজ চংলকপদ ফম্নখিং হৌগংলি। মতম অয়ুক্কী পুং ১০ তারে।

পা—(চংলকপদ) গুদ মোনিং ! আয়, ডাক্তর ভাইটামিন, কোর্টদি করি থবক্কী ? (ফমথি)

ভাই— জজ্জগি হকচাং কমদোরিবগে য়েংব লাকপনি।

পা— য়ারোবীস্থু ঐদি অনা অয়েক লৈজদে।

ভাই— মুংভাইত্রব কেশ অম কুইন ফমহুন তাবদ ভনবাদ্র। উইবীনিংলকত্রা ?

পা— মহুদি মশা কল্লিব মীস্থু তৌইন ডাক্তর বাবু।

ভাই— মশা কল্লিব মীস্থু লাইনা পকপনি জজ, মপান্দ ঐখোয়ন উদবনীনে। কুইন কন্নব, থুন চোকথদনব নিংথীন অমুক্তং লাইয়েংসি জজ ভাইটামিন খব হাল্লুন।

পা— কোন্ন থন্নসি। এদভোকেট সাহেব করি কেশনো ?

প্রে— মী লেদা, ডাক্তব ভাইটামিন্ন ঐগি কেশ মুনবীবে। লুপা চেনবগি ছিংবগি মথক্ত কেশ লৈরীব পাথড লৈশাবাশিংসি অনাব ডাক্তনি মাগি পেসেন্তনা হায়হুন ডাক্তরন লখীদ ফারে।

পা— চুম্বা। হায়বিবসি ডাক্তর সাহেব !

ভাই— অরানবনি মী লেদা, লুপী চেনবগি কেশ ঐন তৌজগে মাবু লেপকন্নু হায়ব নত্তে। ঐগি অনাব অহুমসি অমন ভাইটামিন দিফিসিয়েন্সা, অমন T. B. suspect, অমন heart disease—মখোয় অহুমসি লাইয়েংথিগে, ফরগ কোন্ন কেশ তৌনহল্লু হায়বনি। মী লেদী, হকচাংন অক্লবনি, লুপী চেনব, লুগেব, মকদা লেপ্পা অর ইবা ডাক্তনি।

পা— পুলিশ ইন্সপেক্টর, নংন কেশসিগি মরমদ করি করি থওবা ?

কৈ— মী লেদী, লম্বীদ পাথঙ অনীসিন নুপীমচাসি চিংহুন চেল্লম্মী, নুপীমচাসিন ঐবু কনবীয়ু, ঐবু কনবীয়ু লাওরম্মী। মহু তারত্নুন ঐন মখোয়বু ফারগ মেজিষ্ট্রেট্ট পুজৈ। লম্বীদ ডাক্তর বাবুন —

ভাই— ডাক্তর সাহেব হায়য়ু—ঐ অচম্ব নত্তে, London Return F.R.C.S.

পা— চুম্মী, Doctor সাহেব হায়য়ু, অশিবদৈ অনাব মীবু কনবিব দারোগা বাবুনি।

কৈ— লম্বীদ ডাক্তর সাহেবন পাথঙ লৈশাবীশিংবু পরীক্ষা লৌবা মশা শেংব শেংদবগি।

ভাই— My duty as a public health officer লৌনগনব লাইনান নারম্ব থোক্লবদি কোট্ট চৎহনব য়াদে, মী অতৈ অমদি জজদ অনাবত্থু পাইশিনখিব য়াহ।

কৈ— কনাগুম্ব অমবু অনাবনি নাদবনি আইনগি মমাংত উদে, অরানব থবক তৌরবদি আইনগি হিনাও শাজব থ'না ঐ-খোয়ন ফাইজে, অচুম অরান বিচারগিদমক মেজিষ্ট্রেট্ট জজদ পূজনব। ঐগি হৃথৌসি তৌজবদ Doctor সাহেবন য়ৈ-থায়বীরে। মরম অত্তুন for obstruction of Public servants' law-ful duty. I hereby charge Doctor Vitamin under section 186 I.P.C.

প্রি— (ভাইটামিন্দ খুজিন্ন শিক্লপ কৌথোকই থর) এদভো-কেটকী দরকার লৈরবদি I am ready.

ভাই— ঙৌদি নশা লাইয়েংবগ কোক্লব তায়। মী লদী, দারোগা বাবুসি crack নি, মাথা খারাপনি। ঐন লাইয়েংজরীব অনাবদু ফাব মহক্কি Public servants' lawful duty দা obstruction পীবীরবদি। মহাকসি common sense doez অমনীদং injection দবকার ওই মী লেদী।

পা— ডাক্তর সাহেব, advocate কী মতেং লৌবীগে হায়রবস্থ য়ানি।

ভাই— Thanks your Ladyship, advocate প্রিয়ম্বদাবু ঐগিদমক লেপহনজগে।

পা— এশ, advocate প্রিয়ম্বদা go on.

প্রি— মী লেদী, অনাব অনাবী অহুমসি কৈবেন দারোগা বাবুন ডাক্তব ভাইটামিন্দ মশা লাইয়েংবীমু হায়ত্বন পুবকপগি লাইয়েংবাবনি। মথোয় অহুমগি লাইয়েংবৈ fee মশা মশান পীত্রব, অনাব পুবকপৈ ফাঁ্য়া ওদন দাবোগা বাবু মহাকপু লাইয়েংবীযু হায়বদ ডাক্তবন য়ংখিদে। মহুদ শাওংত্বন ডাক্তবব section 186 I. P. C. দা charge তৌশিনবনি। Doctor দি Policeকী থবও মথুংন থীংদে চুম্ন মচীন্নদ অনাবশিংবু কোর্ট্তা পুব ফত্তে হায়জবনি। Doctor সাহেবকী মবাল লৈতে মী লেদী।

কৈ— ওইদব মীনস্থনি মী লেদী, ডাক্তরন লাইয়েংবীগে হাযবদ ঐন শেল লৈতে লাইয়েংবীমু হায়জখি। যেংবীগু হায়খিদে।

প্রি— নরল লৈতবগি য়েংনিংদবনি, নশা ফবদি, লেম্ন য়েংবদি পাম্ব মী অমনি দারোগা বাবুস্থ।

কৈ — ঐ ইশা ফরিব নিপানি, অনাব নত্তে, নারবদি ছুটিদ লৈদোবনি। (মশাগি মতোং উৎলি)

ডা — অকনবম্ম পোপ পোপ তুহুন শিব য়াওই, ছুনিয়াদ লাইনা পক্কব মী লৈতে।

পা — Order please, নখোয়দি নমীং কবি করি কৌই ?

লৈ— ননাই ঐ লৈশঙ কৌজৈ, health minister গি মচা নিপানি।

যুম— ননাই ঐন যুমজাও কৌই, hill cutting engineer গি মচানিপানি।

থাজ— ননাই ঐন থাজমানবা কৌজৈ, Imphal Supply Store গি Proprietor না পোকপীনি।

পা— অচুম্ব ভাংনি হায়না রাশকউ।

লৈ— বীদ্যা হৈংতন মাংনি অচুম্ব ভাংজনি।

যুম — লাইবিক হৈংতন মাংনি অচুম্ব ভাংজনি।

থাজ— ইযুম নাইব খওদন মাংগে অচুম্ব হায়জনি।

পা— থাজমানবা, নং মখোয়নীগ কদায়দ খেংনৈ ?

থাজ— অত্তুবুবাও, ঐন Private তম্ব চৎপদ মখোয়নীন ঐবু ভাইহুন লম্বীদ লৈবম্মীবা।

লৈ— ঐখোয় walking চৎচরুবনি।

পা— কনানো মাবু মুংশিরিব hero হুদে ?

লৈ — ই ই। ননাই ঐনি।

য়ুম— ঐস্ন মাবু— লুংবুদি লুংশিজবজাংনি। অদুদ my dear না মাগি ওইগে হায়রবা।

পা— খাজমানবী নং, মখোয়নীবু লুংশিত্রা ?

খাজ— লাইরিক তম্মীন্নরিব মরূপ ভাক্তনি কবিগি লুংশিদদগে মী লেদী।

পা— মখোয়ন নঙ্গোন্দ করি হায় ?

খাজ— মখোয়ন লুংশি হায়বিবা।

প— লুংশিদমক হায়ত্রা নংবু চিংত্রা ?

খাজ— কম্ম চিংবমক্তি নত্তে, মন্ত্রীমচাসিন ঐবু মখোয়দ লৈরুরসি হায়রিবা। ঐন নহা ওইমল্লী ইকাইজৈ হায়হুন য়াদবা। অদুদৈ মখোয়নীন চিংগেদ তৌবদ মত্তৌ য়েংগে হায়হুন ঐবু চিংবীরে কনা কনানো থর কনবীয়ু হায়জিন্নবা। দারোগা অমন তাহৌর মানে ফারিব মথৌ করিন্নু লৈতবদ।

পা— নংদি ফাহননিংদব জাংলা ?

খাজ— মী লেদী নহা মশেল লুংশি নবসি আইন কায়ব থবক্লাও ?

পা— নত্তে।

খাজ— লুংশিনহুন ঐখোয় মশেল চিংনব[illegible]লারুব ফাগী তৌনবসিবু আইনলোমদ কয়া কায়রথগে ?

পা— কায়দে। লৈশঙ, নং হুজিক খাজমানবীবু চিংখিত্রা ?

লৈ— চিংজরোই, লুংশিহুন ফাগী তৌনবনি।

পা— নংদি বুমজাও ?

য়ুম — করিনো ননাই ঐখোয় অভাওব নচ্চদে, মুংশিত্থন লরুক্লুন শান্নবনি।

পা— নখোয় অহুম চৎপ য়ারনি।

ওমক - Thank you madam.

(অহুমত্থ মথুৎ শন্নরগ ইশৈ ংগৈমীরুজন হরাউন চৎখি)

কৈ— কয়াদ ওকখ্রবনো হুজিক্কোলগি নহারোল্দসে।

পা— নংনস্থ চিংফাৎত্রিডৈদ ফারুরমানেদ। ফানিংব অম য়াওন?

কৈ— কনা কনানো ঐবু খর কনবীয়ো, ঐবু খর কনবীয়ো তায়ব্লুন লাওরিবনে মী লেদী।

ভাই— নংন ঐবু কোর্ট ফাহুন পুরকপগি ক্ষতিপূরণ পীগদ্রা নত্রগ ঐগি অনাব অহুম মাংহনখিবগি ফীস পীগদ্রা? অনীমক মাংবদি য়াম্মল্লি অমদি পীরু।

কৈ— ডাক্তর সাহেবপু কোর্ট তান্ন পুনব Section 186 I.P.C. তাকপীরকপ এডভোকেট সাহেব, কোর্ট য়োরগ ওন্থোক্লন আসামীবু defend তৌবীখিব উকীলদৈ ক্ষতিপূরণ তানবীয়ু। অত্থগ অভাং অনাব অহুম থাদোকখিবদি জজ সাহেবনি, ঐগোন্দ তাইনবীরু ডাক্তর সাহেব।

প্রি—I. P. C. গি Section তাকপ চুম্ন counsel পীবদি আইন কায়ব থবক নত্তে ঐডোন্দ তায়নম্ব নপং পংলগ। ডাক্তর সাহেব কন্নব হোৎনবদি উকীল খুদিংন তৌগদবনি মরমদি তাইবং মীবু অশিবদৈ কনবীনব হোৎনব নিপানি মহাক।

পা— ফয়ে, য়ায়োরমু ডাক্তব সাহেব, মথোং চাদব নহারোলশিংন লখীদ ডাগুশিন্নবদৈ ঐখোয় ময়াম থবক শিংলে ঙসিদি। ঐ হয়েং হাসপটালদ লাকচগে ঐগি blood pressure অমুক্ত লৌবীয়ু। ঙসিদি কায়নরসি।

লোইরব।

মমূ পাল্লি হয়িংখোই ফাওব

Even the bee has its sting.

লীলা মীকোক

—;(o):—

১।	তোম্পোক কৈ ওইব (Tiger Tompok)	—	22 yrs.
২।	Do father কৈরেন I. P.	—	45 yrs.
৩।	Do mother হামেংম্ন	—	40 yrs.
৪।	কাওমচা	—	21 yrs.
৫।	Do father শামু পুলিশ	—	42 yrs.
৬।	তোম্বি, ফুরিংখাউ কাতি	—	18 yrs
৭।	সুংশিরৈ মো মচা	—	20 yrs.
৮।	তংখৈল্লে লৈশাবী	—	18 yrs,



মমূ পাল্লি হয়িংখোই ফাওবা ।

A radio play of 30 minutes duration.
Date of broad-cast : the 17th May,
Friday at 7.45 Pm.

মেলা হালদা হৈশে রেকোর্দন শকপ, মীয়াম লাংব, লাও-নব তায। গাড়া, মাইক মখোলনা পূন্নিল নিল্লব background দা নিপা অমন মাইক্ত লাওরি : "হেল্লো ! লেদীজ এন্দ জেন্টল-মেন, মেলাগি compound মথুংদ একাগাড়া পুশিনবিন্নু। ফুরিং-খাংওকাটি চেৎশিনবিযু, অদোগ খুংতে থাদোকপিন্নু। মেলা com pound দা মা ঠৈয়নবিন্ন।"

মুংশি— প্রেম, প্রেমনথ ! কদোমদ চংখ্রে ? কয়াদ মমিং থকখ্রবা লৌর ইগ পাখডনো। লাকমিন্নরগ নং খওনি হায়বা ! নহ প ঠৈ চেপ্পোবিগ্রা ঐ ? প্রেম, প্রেম !

তোক —হায় তোম্মৈ ! ননাক্তু চুপ্রিবা ?

তোম্মৈ—ডি সৎকাব, কবি মা য়াথ ?

তোক— নমিংতু কবি য়েংই ?

তোম্মৈ—ফুরিংখাও অচোনব খঞ্জরি।

(লোম্ম)

তোক— মাংদ চৎলিবী অসিদ নমাংতু কোকস তৌ। থাম্মগ রা হংউ, "রাণী ওইনিংত্র।" । পরপ পরপ চথৎলু মাংখিব য়াদে।

তোম্বি—মা য়াথং ইকোক্ত খোঞ্জরে হাই, নুপী নোই নোইলাওবী নমাৎ খুবী নংবুনিনে ?

মুং— ঐবুরা তাদা ? করি ওইরবনো ?

তোম্বি —করি থুলদেনো নং ? নমাংনা করি কৌই ?

মুং— চাংয়া খুন্দোন্দেনি, ইমিংনা গুংশিরৈ কৌজে।

তোম্বি —নংন থিরিবত্ত কনাবুনো নরাইবক ফত্রিব্রা ? (লাইবক অহনব অফবা য়োনত্রনে তাদ ?)

মুং— ঐগ মেলা য়েংব কামিন্নরকপা পাথঙ প্রেমনাথ কোব অম মাংখিতুনা থিজরিবা।

তোম্বি—মহাকপু থিরুরগু মাংজখ্রসন্ন। বাজা অম পীগে, রাণী ওই-নিংদ্রা নং ?

মুং— রাজা হায়ববু কনানো ?

তোম্বি -হা হা হা হা হা হা.... ..সহরসিগি রাজা মশক খঙদে। রাজা হায়বদি নিংথৌ; সহরসিদ মনাংতম্ব নিপা, Tiger Tompok, তোম্প্যোক কৈওইবা। মহাক্ত নংবু মাগি রাণী হাপ্পা পাম্মি।

মুং— কৈ-ওইব হায়বত্থবু শারাংদ শো লোন্দুন থম্মিব নত্রা ? কদায় রাইদা থম্বগে, য়েংবদ শেল তিংত্রা ?

তোক— শারংদ থম্ব নত্তে, সহরদ মনীং তম্নব থাদোকইব কৈওইবন্থু ঐনি, নমিৎতুনা কে·না য়েংলকউ ঐগি রাণী।

মুং— ঐদি কৈ নচ্ছদে মীনি, য়েংজরোই কিজয়ে ওহ. প্রেমনাথ!

তোক— ডাইথো, চৎপ য়াদে। তোম্বৈ! কৈ খুজিন্দু (লোম্ব) কদায়? ইশক তাক্কে।

তোম্বৈ—কুপা তৌবিয়ু ইনিংথো। ননাই অপঙবী, সহরগি চৎনরোল আইন থঙজিব্রিবীনি। মীশক খঙডু চীংম্না তময়াদ শাৎপি শিঙেল মুংশিরৈ, মঙোন্দা মাই হায়ব য়াদব সহরগি খোইবীনিংথৌনি। লাও, হোটেলদ চা পীথক্কে নং পাখৎপ ফনবা। মাই হায়ব য়াদে, উমদ হায়গদবনি মঙোন্দদি। সহরসিগি লোনচংনি খঙডু।

তোক— তোম্বৈ, হোটেলদ চংউ, মম্না হংগে :তোম্বৈ—মীয়ামসিদি। মমান ঐঙোন্দে লুপা ৫০০ লৌখ্রে মাগি মংল।

মুং— ঐখোয় ইমান ঐগি ইমল লুপা ৫০০? লাইরৈবাক্ক উন্নবিরক প্রা?

তোক— তুমিন লৈয়ু। উন্নো শাংসে সাক্ষীনি।

তোম্বৈ—তাইবং মীন কিবদৈ ঈশ্বরবু মুংশিনথি, খঙডু মুংশিবৈ।

(Shrill to soft music instrumental)

কাউ— শাওদি শাওগনু; তখেল্লৈ নং, সহরগি ফজ ফজরবা য়ুম কৈ, মী পাঙ, মমল তাঙলব পোৎতৈ ময়ামসি উরুরণ

ঐখোয়গি লৈখোম্ন লৈনাং, ব্রায়ুম ইন্নুম, সঙ্গোন ওক্কোন, লৌবুক লমহাং লৈত লাইরা, অনা অয়েক মরক্ত অম্নুক হন্দোব তন্দ্রা ?

তখে— করি ব্রানো তাকাউমচা, মীগিবু ঐগি ওইব য়াত্রাও। মীগি মশক ফজব মতিক মরল লৈব পাখঙ উরুরগ ঐগি নহাক কাউব য়াত্রাও? করিমত নুংশা থীবিরুনো নুপী ঐগি পুকচেলগি ব্রাদি নুপী ঐখোয়দি নিপাদোন অট অটব পাম্বিবজ্রাং নত্তে।

কাউ— পুকচেল অত্তুতগিনি তখেল্লে ঐন নংবু খ্বাইদৈ হেন্ন নুংশি-জরিবা।

তখে— তা কাউমচান পাম্বিরিব পুকচেলসিদং লৌরিহৌরো, পাম্বি দব ইশকসি সহব মচাদ পীখোক্লম্মগে ?

কাউ— শক্তুন থোঙ্গান অঙানব ওইনত্তন চংলগ থংদ পুকচেল উজরিবনি। পুকচেল ডাক্ত ওইরবদি থোং য়াওদনা ঐহাক করন্না চংথোক চংশিল তৌগদগে ?

তখে— প্রমাণ পান্থৈকা ভাব তাজদে, তা কাউমচান ঐবু নুংশিবি-বসি সের কয়ামুকী মরূমদি ওইগদগে ? পুকচেল শেংন অত্তুক্ত হায়বিয়ু।

কাউ— নুংশিবসি সের ফালাদ ওনব তাববদি ঐবু দোকান্দাব অমনি থনাবরো হবেম্মা। মমাংডৈগি সের ৪০ না শাব মোন্দু হৌজিক্কি কিলোগ্রাম ৩৭ লোমগ মাম্নৈ হায়। ইবেম্মনা চেং মন অম লৈব লাকপিরবদি কিলোগ্রাম ৩৭কী মহুৎতা ৪০ হাপ্লগ ওগ্ননি।

তথে— ঐবু মুংশিবিরিবসি অভু দ মথোয়গি কিলোগ্রাম হায়বতু অতুমথক মুংশিবিব তারে : চেং কিলো মোন্দুবু কয়াদ য়োনবিব ত মবগে তা দোকান্দার ?

কাউ— চেংতু পুরগ থোরা কিরো, মমল পীনি হায়বগি রাথন তৌবিরুনো। দোকান্দা য়াওবিব পাং মথৈ পড়পুদ পুবিথো, মমলগি ভাব তৌবিকনো। ঐবুসু য়াওন পুবিব য়াজবে।

তোক— হায় তোম্বি। কনানো ফজে নহায !

তোম্বি— জী সবকাব, অবাম্বদে মাল্লি। (তপ্পা)

মুং— ওহ, তথৈল্লে ! তা কাউমচা ! ভাইথো চংমিল্লরসে। অমতু উরমদ্রাও ?! মীরক্ত মাংখ্রে। ঐন লম্বাংনরে।

(off the mike)

তোক— হায় মুংশিরৈ, চংখিল্লু— দেম ! নং ঐবু খঙদ্রাও ? অনীসি কৌশিল্লু, চ থকখিসি হায়রু।

মুং - তা কাউমচা ! হাতখোও, তথেল্লে। চা থকথো হায়যে।

কাউ— ঐখোয়দি চা থকপা ? নখোয়দে থকচবোতে।

তথে— কনান পীথোক্কোরিব চ নে ?

মুং— সহরসিগি মনাক্তম্বা থৌনি হ য়য়ে।

তথে— কনানো ? তুজিকপু সহরদ নিংথৌ পাল্লিব্রাও ? অনৌবা হাল্লব্রাও ?

তোক— ঐনি মহারাণী ভগনীডবীগি মপোক্কা পোকপা স্বর্ণপুবগি চন্নু। লাওসিদ, চা থকসি ফম্মো। নঙগ জোইনরকপ পাথঙসিদি কনানো ?

তখে — ঐ গ তা কাউমচানি, নিংখোনি, ঐন মাগি রাণী। পিশক পিক্লিক্টিদগি খঙনজরকপা মুংশিনজরকপা। ঐখোয় লৌ-ব্রাইদৈনি, চা থুম্লেপং লাকফেৎ থকপ হৈনজদে, চৎচরগে। চংসি লাকও মুংশিরৈ। নংগি মাংখ্রে হায়বত্থ থিকুরসি।

তোক — অত্তুক শম্ম রা তেনশিনবা! নমিংনা করি তংখৈল্লে হাযবা? তথেম্লে। (য়াক্লা।)

তখে — ঐগি মীংতু কন্ন কৌবীম্ম থুনাং চানি।

তোক — তোম্মৈ!

তোম্মৈ — স্না য়াথং তাকপিসি।

তোক — লেপ্লিব নিপাম্মচাগি মমিং কবি হায়য়ে?

ন্ন — কাউমচা কৌই।

তোক — তোম্মৈ, কাউমচাসি সম্লোনসিদ হোটজিল্লকউ।

তোম্মৈ — ভায়া কাউমচা, চা থকখিসি লাও।

কাউ — ঐ চা থকপ হৈজদে। থকচারাই।

তোম্মৈ — শাওন্ন শাওন্ন, রো রো রো, কাউমচা ভায়, হোটেলদ হুপনৌ তিংথৌ অহাওবদি কদায়দৈ ফংদগে? চা হৈনদ্রগ বোরা চাগেরা খেচি চাগেরা? রো রো!

কাউ — সহর মচাগি নীচৎ শাজৎলা ঐঙোন্দা তৌবিরিবসিবু? কা পংহৈন হেঙ্গিনংবরকন্ন ঐস্তু সহরদ তোইনা কাজরকপা মী ন।

তো — কবিগি তোয়না লাকইবদি : ফুরিৎ শেগাইনব্রা?

কাউ — ঐখোয বাজিত্থ দারোগা খল্লিনজাৎনি মী খর খর য়োংনসি।

তোম্বে—মহুদি হঙোইরেদা ঐগি কাববারসিগ; মমিংদি করি কৌই ভায়া কাউমচা ?

কাউ— শামু কৌহ।

তোম্বে—শামুগি মচা কাউমচা। ভায়, সহরসিদ মনীং তম্নব কৈ ওইব হায়ব কাউজাউ অম থাদোকই মহুনি সিদ লেংশিল্লিবসি। অদোম্ন কাউমচা ওইবিরবদি ব্রাইনবিরুন্নু তেক্কুন তোক্কনি। দারোগা মচান থোংবদ তাবিপোৎ নত্তে।

কাউ— চংসি লাও তথেম্বে: নৈহৌখিদ্রা মুংশিরৈ নংদি ?

তথে— চংসি নুংশিরৈ, থেংখিনি যুম লাপ্পি।

তোক— হায় কাউমচা, সন্না ওমচা! নং ব্রবু উশিত্রা ? নং তোম্পোক কৈ ওইব মশক খঙদ্রা ? (ঙংই) হুম মম ...……।

কাউ— বরিগি খঙদোরিব ওইরবনো ? লাইবিক তমজদ্রে।

তোক— নংগ লাকমিন্নব তথেম্বে হায়বীসি ঐডোম্দ থনম্মো বাণী হাপ্পারগে। অতোপ্প মুপী মগাসিগ ওন্নবসি নত্রগ মেলা ঙসিদ কারকপী অপাম্ব অম খল্লু ওন্নসি।

কাউ— করিনো তাকপিরিব ব্রাহুবো ? সহরগি লোঞ্চংসিবু মহু য়ানরব্রাও ? পংঙন্দ ওন্নবা ?

তথে— সহর মশেল য়ানজরবম্নু য়ানাংদব ঐখোয় চংলসি।

তোক— চংপ য়াদে। ঐডোন্দ লম হেনব শায়।

(শেং শেং ফুই কাউমচাদ, "করিনো করিনো" ইরাং লাংনৈ ময়াম রা রা লাওনৈ।

"ভৌনমু, ভৌনমু, ফজদে"।) (খাম্বনা হৱাং লাংই)

তোক— হন্দে কউ নখো লৈতে, পাবা কাদব ছাত্র ৱারক্কে।
(ত্থুপ ত্থুপ ফুনৈ)

ময়াম্ম খায়ে, লাওনে—"পুলিশ, পুলিশ!"

(Harsh or Shrill music ending abruptly)

শামু— হেল্লো, স্বর্ণপুর Police station ; Sir, ঐ মেলা ডাকপা য়াওব পুলিশ শামুনি। গুন্দা অমনা লৌৱাইদে কাবকপা পাখঙ মচা অম থীন ফু'বরে ফা'ব ডমদোব অখোব ঘরদং থাবিবা কউ। Sir, Sir,— —মতং নত্তে, হংউ তাইগব লোম্পে কনে। Sir, ফগনি।

(Soft musical note ending abruptly to a harsh crashing note)

ওথে – মেলা য়েংব্র হয়বদ খে হদোদ মৈমু থাগংলগ হল্লেদনা।

নুং— হিংচাবত্তুগি নখুংত্তু য়াংন শাব্রনে, খিংতং শোকপদ ঈন ৱা হেক্ক ইন্নবকপত্তুরো ?

ওথে— স্বর্ণপুর নত্তে জঙ্গলপুরনি, ফন মশা ফব পাখঙ য়াওই, মচীন নওনা মখুং য়াওনা অমও থান্নদবসিবু অঙকপা নত্রাওয় ইত্তু শোনব ত্রখোয়'দ জঙ্গলপুরদ কাবকপ চুমদে। মী য়েনববু মেলাগি কুম্মৈ ওইন য়েংনৈ ইস্থোক্ক ফংখিদ্রেদা!

নুং— থানাদ ফাহুন পুথ্রে, মহাক কাদোক কুইন ভারদোবনি। থীন ফুখিরদোবনি।

তখে— কনান ফাদোক তাকুগবনো, থানান ব্রাথোক হেঙ্গংনব কাউথারিব কৈ ওইবনিবু হায়। মশক হিংচাব মাল্লিব ঐবু মহারাণী ওইয়ু কা হায়রহুনা। খণ্ডগ্রে, মেলাগি কুম্মে ওইনব থম্মিব্রা!

মুং— ব্রাথোক হেঙ্গংনব কাউথাব হায়বদে?

তখে— ব্রাথোক্লগ শেল থোকই, শেল থোক্লগ ডাস্নু মশক উই-দনা। নুপীন করি উপায় তৌনি।

(A note or two from a gwitar intervenes)

কৈরেন—মকোক কায়নরে হায়বহু কনা কনানো পুশিল্লকউ শামু। মেলা মনুংদ অহুক থীন খংনবদ খাম্ব ভমদ্রিববু শামু নখোয়, পুলিশ খনব তোক্লো লো উরো। মেলাগি মী-য়ামহুদি কুম্মে ওইন য়েংহুন লৈনব্রাও? ময়ুম ময়ুমদ মখুং থনম্মগ লাকপ ডাক্লা?

শা— নজা ইংংভো তোম্পোকপু স্বর্ণপুর মচাশিংন মশক মুম্ন খঙনৈ, কৈওইবনি হায়ব উবদ কিবন থক থক নিক্লে, মনাক চংনদে। খুৎলাইস্নু ফর ফরব পায়দা। ননাই ঐখোয়না পায়জরিবা চৈ মচাসি সন্নাও মগা তানবদ কান্নদ্রা? কৈ থেংনরবদি য়াপোৎ নত্তে।

কৈ— অনীহু কৌশিল্লকউ।

শা— নখোয়নী চংলকও, ইন্সপেক্টর সাহেবকা মনাক্লু।

কৈ— পাথঙ নমীং করি কৌই? কয়া থীন শোক্লে?

কাউ— ইমীং কাউমচা কৌজৈ, কোক খর কায়র মানে মেলাদ ফন্থ

চাকুন বাবুশিংনা হিদাক লাংথক তৌবিরকুন থরদি ফজরে।

কৈ— করি নমদৈদে হবুংগোন ? করি রাংহৌদগি থংনৈ ?

কাউ— এই চা য়া থুদোন মতাংদগি মেলা য়েংব কাজরবকপানি গুণী মচা অমনীগা। তদ অমসুং এইগ লাকমারজব গুণীমচাশিংদ লয়রি, থোংনে শাতজদে মতরগ চংনবারা থজহুন, নমাই এইথোর চংলগে তৌজবদ করিগি উশিংতে হায়হুন চানন তশিন হইকো ক্লা কিনলা করিনো। অনন খিংত পানবদ ঈন চচাং থেক্রু চাক্ট। এইদি থুং হয়দে... ... ...।

কৈ— তে ক্ষোপক নংনা কাপ্লাগে মীগি মচাদ কিন্না খিনৱদি ? বাবু ডাক্তরনে ?

তোক— হায়না হঁদে, নম তেম্রি। চাক ইনব হানহুন গুণীমচাশিংগি ছুগি মমাংদ লৈন রাকপিদান।

কৈ— মীগি মচেংক কথনব নংনা শিন্না অবানবরু রাকহল্লে ? রাবকপরু এমাং কাইনন ঈ তানা কিন্না শুন ফোনরাগে ? নং কারি শুরবিং ?

তোক— কল্ল শুন নংত্ত, কংগা থেবানি, মকোক কাইগনব, ঈন থল্ল লৈরক্নন তাবদু হাতে।

কৈ— শামু নং নিনা পাখংনি মমক থংরা ?

শাম— নমাই এন পোকচা তা অমং চাক্টজ হায়নহ নিসিনি।

কৈ— অতুদি যংদো হংংতা। এই য়ুমদ পুল্লগ কুরুদে এইগি নিপাসি। নং শা গুজু, নংগি হচাগ শক কংনদবদে থোকখিবনি। নখোয়না চামতো, চংলুপুপ ২সি পুরগ হোটেলদ

চা একমিল্লক মতু দ মকাপ ওইয়্য। ওয়েংকপ তিংচাব অম পোক্লুন নীরা কয়া তারনরো। সে লুপা ২সি পুরো।

তোক— শাওক্ল মকাপ থডনদবননি। লুপা ২সি নং পাইবো, চা থকউসি। লাকও চৎসি।

কাউ— ঐদি চানু থকচদে। (চংখি ২ডু)

ঠৈক - মঙাসিদদি মনাপ ওয়্যরবাকো নপোযনী।

(off the mike)

শাম ঐ থবক তাকচবগা হ্ব।

ঠৈক— কাবিদনা ঠৈরবনে ?

শাম— অকাং ঙন লৌখোইনবা লুংডাইদ তাযাম।

ঠৈক— শেল যাম্ল ওবগে হাযননদি বিবশো খৌনস্ল কাল্লরবনি হায়। শেলদি চাব ফংলোইদে।

শাম-- শেলদি পাংবদুন মতদি ওনু চাগাল্লি হুজুর।

ঠৈক - নং দুসি লপাৱ হৃৎ ঙাইরব্রাগ ?

শাম— মতুগি নচ্চদে, মকোক খিৎওং কাংগ মকাপ অফব ফংজনদি মনাইনক থংবনি।

(A note or two from Guitar or Sitar)

তোক— চুকটাংগ থংকসে, শাওক্লনে ভায়। ঐগ মক্কপ ওইবগি কাল্লবদ (মৈরেৎ মগোল তায়) স্বর্ণপুরদা নংবু কনামতনা উশি ওন যাবোক নংন অপাঙ্গ লুপীমচা মশক খল্ল, ঐন পানি। একশকি ফাংনা পাবুং লৌব, করিমগ চিংনস্ল নংগ লাবমিংনকু পাদ নাম হায়রে ?

কাউ— তখেল্লে কৌই।

তোক — মাদদি ঐভোন্দ পীদব য়াদ্রে। স্বর্ণপুরগি লৈশাবী পূম্ব নংগি ওইজরো। নখোয়গি খুল কদায়দনো, ঐ হংচিং লাক্কে।

কাউ— চীংয়া খুন্দোন মতাইদনি। ঐ মুপীমচাহুগি মরা অমুক্ত হংজরমখিগে।

তোক — অতুদি হংচিং উন্নসি ঐ লাক্কে, শোয়ব য়াদে।

Sound of
Musical instrument imitating storm and thunder.

কৈ— হায় হামেংন্ম! তারিব্রা নংবো? হামেংন্ম। (শাওনা)

হা— অয়ো অয়ো ইবুংঙো। করি তাকপিদোব ইন্সপেক্টর সাহেব?

কৈ— নখোন নৌথক্লন কান্নরোই, কৈ ওইবগি মমা, হামেংন্ম!

হা— দাই হল্লেদা সতা মাই পাবুং। ফাল্লক্রব্রাও।

কৈ — চরোনহায়, নচা নিপা গুংদাহু লাক্লব্রা?

হা— চাক চারগ ভূমখ্রে। মেল্লাদ মী ফুনক্লই হায়ব তাহ্নন ঐনা ভাংভুবদগি শাভহ্না চাক চাউ য়াদ্রে, লুপা ১০ পীরগদি চাক চারগ ভূমখ্রে।

কৈ— হৌদোরকউ ফুংগে, কৈদোন চাক পীজরুরি মী ফুনব কল্লব? নংন মাংহনব নচা নব্রা? নচা নিপা ডাকুসিগি হাক্তক্ত ঐ থবক তৌব য়ারোইদোরি খঙড়ু। হৌদোরকউ ব্রা হংগে, নোংমগি মী ১ মকোক থুগাই, মী অমদ থাংন থিল্লম—স্বর্ণ-পুরসি থাংব ভমদ্রে নং খঙদ্রাও।

হা— মাগি পাবুং লৈবগি খব ভাওজব হায়বত্তুনি, ফনবু ফরক্লে মহৌশাগ মান্নদ্রে।

কৈ — নংন ওকহন্দননি, নঙ্গোন্দ ফুব তায়। নচা লায়রি নংন হান্ন ফুব তায়। (শেং শেং ফুই)

হা— অয়ো ইমা, হাংলে হাংলে।

তোক - পাবুং করিনে ইমাদ অত্থক থীনা ফুবদে ? মুপীদ য়ৈবিব করিগিনো ?

কৈ— নঙ্গোন্দ য়ৈউরাও ? নোংমৈনা কাপ্পুরাও ?

তোক—ভমস্থ ভম্মোইদবদ পাবুং করি কান্নবগে ?

কৈ— নচান থীমু বদমাইস ! নংহয়েং নোং হেক ভানবদ জেলদ পীগে খভনি।

হা— নচা অমত্ত পোকপসিবু য়ুমদৈ জেলদ পারগ ফম কাখৎপি-দোব লৈব্রাও ? অতৈ অতৈ ফাব অমত্ত কংবিদ্রবাও ?

কৈ— নখোয়নী ঐগি য়ুমসিদ লৈরম্ল, চৎপিখ্রো নখোয়ন থোকপা ঐ থাংব ভমদ্রে। কদায়দনো লোৎখ্রো, চৎপিখ্রো। (হৌন)

তোক— পাবুংন পোকপনি ঐ, পাবু ন শেম্বিবনি ঐ, কদায়দা চৎলু-দগে ঐবো ? হা হা হা হ হা।
(Shrill musical voice fades in)

কাউ— নিপা মচা অম ওইন হিংবগি কান্নদ্রে বাজি, ঐ শিবন ফবে। থব্লাইসি চাক্লে...— — —।

শামু— করিগি লেমনা শিক্কদগে ইচাসিদে। ইপাস্থ ভসিদৈ থবক তোক্কে হায়ত্তুন চে থারম্মে। হয়েংদগি বিকশো থোকুবনি স্বর্ণপুবদ কাবগ। লৌউ পাম্থা ওইরগ লৌ উগনি সিদা।

কাউ— [illegible] নির্দি কবি ?

শামু— লম্মন থুম্ব [illegible] মপা মচাগি মথৎ্ক ইপা ইচানা। থৱ ই পানব [illegible] ([illegible]) [illegible] কনান কনাব কয়া কুইন [illegible]।

কাউ— পাইশ্বদি লাইবব ঐখোয়গি ?

শামু— [illegible] নহামচা, অচুম্বগি [illegible] মীথাংগি [illegible] [illegible] থাংজগফাবা [illegible]

কাউ— [illegible] হায়বদুদা [illegible] ইশ্বন [illegible]।

শামু— [illegible] ইপা। [illegible]

কাউ— [illegible] অদুক থম- [illegible] ইবৱাগি, মীং [illegible] লাকচন [illegible] নাপ্ত

শামু— [illegible] বৃ্কশন [illegible] [illegible] [illegible] পীগনি। [illegible]

কাউ— ফনি, পামদি [illegible] হাংখোনসে (বসি)

শামু— ([illegible]) চুম্মা, কুহ্বব [illegible] নবুরোশি [illegible] হাক্তগ। লৈনরুদ। অদু নিপা অনমম [illegible] [illegible]

মংক্সা ক্ষেঁল্লি। ভুমগে ভুম্মব অচুম্ব লাৈৎপু মীৎকপ খোকহল্লব লাংব তায, লাওব লায়।

(Sweet music ending with chirping of the birds in the early morning like Cocks, Sparrows & Crows... ... .)

তথে— ভা কাউমচ ! ত বনা ও ক উমচা। তজিক ফাওব যাহৌ-দ্রবসিৱু কৈদৌরবগে ? (খোঙদ কাক কাক) লুমিৎ য়াম্ন খেংলে, চৌগৎলো দ্রা থর হংগে।

কাচ— (খাং হাংলপ) কবিগিনা অাক্ষ স্নুক ডল্লু ?

তথ— [illegible] ? [illegible] তাবকই [illegible] মীহাৎ-[illegible] ?

ব, ট [illegible] কোকখুদি। [illegible] মখার [illegible] মত্তুদ [illegible] হ মত্তম [illegible] পীরগ ইমংনাবু খা-[illegible] লুপা [illegible] !

তথে— লুপা [illegible] ? [illegible] !

কাড— প্রখোযদি [illegible] লম্মনপুম্ব [illegible], হজ্ঞোল [illegible] যোল্লগ মকাপ [illগegible] খব নেকপ [illegible]— অহুগ।

তথে— [illegible], [illegible] লম্মন পুম্বব প্রে য়াওগে। [illegible] প্রে ভুমদ মা কয়াম্ব ভুম্মরেঁই

ব্রাখলদ ইরূপ্তুন। মাবু চৌংয়াখুন মতাইসিদ পুরকপা। ঙমগদ্রা ?·

কাউ— ঐগি মরূপ্তু, হ'চিং লাক্কনি, নংবু শেখ্রীয়ু হায়রি মহাক্ক— পামখ্রমানে শকহেনবী।

তখে— অহুদি য়াম্ন ফরে। হংচিং মাগ উন্নরগ শেখ্নিহৈব তাদনা মশেম নোংমাইজিং মুমিৎতা মুংশিরৈখোয় মখা থংবদ তুনাথ খুরুম্ন লাকউ হায়খ্রো মখন্দ।

কাউ— য়াওমচা নহাক্ক কৈদৌদোবিব কৈ ওইবদবো ?১

তখে কৈ ফাবদি য়াওমচা উংলগ লাংদ থুহনগদবনি। নমান্নব মশা ফব খরদি খোম্মু, ঐ তৌগে— অবেম্বদ কপকন্নু।

কাউ— ঙরাং অহিংদি শিবু শিরসিরা খল্লববর্ন।

তখে— তানিংদে, নিপান অহুক পাংদব হৌনদে। নবিলদ পাল্লু, ঐ লন্মুন শিংবিগে। ব্রাফম্নসি মুংশিবৈগ তান্নকসী লাও।

(Soft music fades out by Rick shaw horn)

তোক— হায় রিকশো। ডাইংখো, চুমজ্রিং হেক্ক খোরো চাংয়া তান্ন, মতাই খুন্দা। থীম্নে।

মীয়াম— থাংন থীল্লম্মে ; ফাও-ও, ফাও ও, পুলিশ, পুলিশ, পুলিশ। অমুক্ত ফাবীয়ো। ডাইখো রিকশো।

তোক— চখোকউ, নথরাট মাংনিংব্রা ? ঐবু শক থঙদ্রা ? ঐবু খঙঙু, নথরাই নথরাইহুবু মুংশিববদি—ঐ টাইগর তোম্পোক্নি— পুলিশ ইন্সপেক্টরগি মচা। চৎলু রিকশো।

(রিকশোগি মথোল পিং পিং খোঙথি)

(guitar না তিও তিও বাপ্লগি মখোল)

কাউ— কনানো ঐবু কৌবিব্রা ? ঐবু ওইরব্রাও ?
(off t e mike)

তোক—মানি লাওনহায় মরূপ, নংবু কাউমচা নত্রাও ?
(off the mike)

কাউ— করি ওইরবনো ?

তোক—হায়, নং কাউরব্রাও ? ঐন নঙোন্দ তথেল্লে লৌব লাক্লে হায়খিবন্থু ওসি নত্রাও ?

কাউ – মানি চুম্মা ওসিনি। মহাক ওসিদি লুহোংব অম চৎথি অরাপ্প থুল অমদা। হয়েং নোংমাইজিং মুমিংকি মুংদাং পুং ৯ তাবদ ইথন্দ লাকপিব ওমগত্রা ?

তোক—Tiger Tompok না করি ওম্মোই, হা হা হা হা হা হা ……… ! হয়েং পুং ৯ দা চেনবা।

কাউ— মখোয়গি গুলদা গুনাথ গুরুমদৌরি, মৈখু থরুনি, মহী থকনি, অথুম অহাও কলানাচংব চাগনি, হশে তানি। থর থেংথ-বকপ পুং ১১ কা ওবহুদ চেনব য়ানি।

তোক—মশান য়ারব নত্রাও ?

কাউ— মহাক মশান শিঙ্গরকপ থোরাগান।

তোক— হা হা হা হা হা হ ! নং অশেংব মরূপ্পি কাউমচা ভায়া। নংগিন্থু ঐন স্বর্ণপুবদাগি থ্বাইদৈ কজবা অম থল্লগ পীনি।

কাউ— শাইবদি য়াদে বাজা সাহেব।

তোক—শোইব মী নত্তে, Tiger Tompok নি। হা হা হা হা ……… … !

(Soft music fades in)

মু°— কাদি কীখ্রেদা তথেল্লে, শক্তাতুগ রাবী শাম্থন তাং তোম্বন মতম খর লেপ্নোবসে।

তখে— স্বর্ণপুরগি চেদ য়েকপ কৈবু করিমত কীনিংডাই লৈতে মুংশিরৈ, থাং য়েল্লগ তা কাউমচা ঐখোয়গি নাক্ত পীক্ত পীথক তোব য়াওনি। লম থিংতং মান হেনবদ নিপা ১০ মুক্ত উতুপ পায়ম্বন য়েম্নথাদৈ পাইশিল্লকনি।

মু— তোববুদি মহাক য়োংন শাব মীদি নত্তেদনা, মবুক তল্লব তা কাউমচা ফাওব থাং মচা অম মখ্যাংদ লোম্ন য়েন্নে কৈশাল ওল্লে।

তখে— যেংউ, ঐস্ম ছবি অম থাদ্রবনি। তাং তোম্বন কেশিন্নতুন, চাদ গঙ্গা মচং, কানীপ্পু থব শঙ্গোম চিনি হাওন য়ানিসিন্নগ পীথক্কদবনি মান ডাওদ্রিব ফাওব, অদুদনি ইমানীগি ইগো, মখাদি নিপা ১০না খোকপ তৌখ্রনি।

মু— মাবু মথন্দা লাকদ্রাও ?

তখে – মথন্দা লাক্কব হংখি।

মু – মতু পীথক্কগা তুদনবু লেরবদি ঐখোয় অচুম্ন অচুম উন্মনিদ।।

Guitar না তিউ তিউ কাম্লগি মখোল)

তোক—কান্নরোই ইমা ১০০ শুনব পীযু, চসিদি লুপা ১০০ দৈ তাব য়াপোং নংও।

হা— কৈদোকদৌরিবগো মরোলতু হায়মুদনা নিপামচা !

তোক – হায়তুন কান্নদে ইমা, ১০০ শুনব পীযু, লুপী চেল্লুদৌরিবনি।

ফজব জাংনি, নংন হায়রুবশিংদগি য়াম্না হেন্না ফজব জাংনি।

হা— নোংমাইজিংদবু মুপী চেনব্রাও ? হয়েং পীগে, ওসি তোকউ। মঙ্গু মুংওাইতে কয়া।

তোক—য়ানব দুমিংনা খ্বায়দে ফব মুমিংনি ইমা। শোইন য়াপোং নত্তে, কদায় ১০০ শুইল্লু।

হা— মীদি থংনকন্নুকো ? শে শে।

তোক - থংনবৈ ব্রা নত্তে, চান্নবগি ব্রানি।

(বৈথা শকপ তায় musical instruments কি গট অম শকই লাপ্লপনা)

কাউ— ইমাই ওাকউ, মত্তাই খুনগি মুপীমচাশা! চানব থরুব অথুম অহাও ফজন লাংউ, খোন্দা ফজোকো সহর মচানি, মীচম নত্তে মনাংতম্ব রাজা—Tiger Tompok নি।

তোক—মত্তাই খুনগি শিরোই লিলা হায়ব্রা—ইওেন লৈ হায়ব্রা ! ঐবু ওসি কাউগল্লিদা! মশক্রা ফজরিবদি পীজ পীথরু চংখোল্লিবা !

মুং— তেজেং অচৌবসি মত্তং গ ফানবীখো ও সহরগি নপা লৈতবা অথোব।

তোক—নখোয়গিসি হাওদি হাওই হায়ববু কোক্কি থর ওাওইনহায়। করি হাপ্লগে ?

মুং— গঞ্জা মনা থর ভূনাথ থুরুম্বগি য়াওথিব্রা ? অত্থুক পাংদ্রিব কবিগিনো ? ফানখোসে—ঐখোয়মু মুংশিনবিরবদি।

তোক – ফন য়াম্মে নহায় ঐন থকইব। নখোয় সুন্নাইগি চৎনবিরা ? তৃনাথ খুরুম্বদ করি করি থকপ তাম্নব্রা ?

(মখোল খর ফায়রে)

কাউ— ঐখোয় লৌন্নাইসিদদি য়াম্না চংনৈ ঐ থক্লগে সুংশিরৈ কদায়। সহর মচান মাইথীরে।

সুং— ডম্মোই কৈঙ্ম, সহর মচাদ পীথকচনি।

তোক—কদায় অদুক পীথক্লিংলবদি। (গুং গুং থকপগি মখোল তায়) হাওবদি হাওই, নখোয় ময়াম্ন ঐবু কোইশিল্লগ উরু উক লৈরিবদি করিগিনো ? হায়, য়ুম্বীত্থ ফাও, ফক্কু কম্না নম্মু, পাইত্থুনা চংখিদোরে। হায় কৈনো ?

তখে— ঐন শেম্বসিদি শঙ্গোম চিনি ফজন হাপ্পনি মসিদগ ফানখো রাজা কৈওইবা।

তোক—ঐ ফঙ্গ ডমদ্রে, কোকসি মিশি মতুম ওল্লমানে। তখেন্নৈ অনৌবী, ইবুংগ কোক’সি ডাওরে। ঐ হয়েং থক্কে কো য়ারেদনা।

তখে – কোক ডাওরিবত্থ ফনব তেঙ্গোং সিমত্তংগা ফানখোও অথৌবা, নপা লৈতন ফনবা ইনিংথৌ। ঐবু সুংশিবিরবদি মসিদং থকপিখে’, অদুগ সুংডাইন পোথাবীয়ু। অদুক থৌবন তেঙ্গোং অমত্তবু।

কাউ— থকপ কিরমানে পীথক্লগু ঐত্থম থক্কে তখেন্নৈ, নখুৎ অনৌবত্থুন শেম্বত্থু হাওদোব মাল্লি। ঐডোন্দ পীয়ু কদায় ?

তোক—মঙ্গোন্দ পী – থক—য়ু । ক-দায় ৬ংশিবী - শীরবম্ন শীসম্নু নখুৎন পায়য়ু ঐ থক্কে।

তথে— মহুনিদনা স্বর্ণপুরগি টাইগর তেংম্পোক। থকউ, লোইনমক থকউ, ভাওব ফনি।

তোক খিংতং থাঙ্গৎলু শকহেনবী (গুং গুং থকই, বোম তুথৈ লৈবাক্ত)

কাউ-- কৈ চল্লসে, ফুবো, ফুবো। (তুপ দাপ মযাম চংহুন ফুই চৈ-রাংন)

তোক—ঐ শীরে,—থরাই-দদি কল্লো,—থরাইদি কল্লো।

(শোন্ন কৌই) (তুপ তুপ ফুথৈ মযাম্ন)

কাউ— এক্কে, মথরাইমক্তি থাকস, বোরাদ হাপ্লগ থোবীনা লোংবুকতা হৌব উপালগি উশা অমদ য়ান্দুন থংমুসি।

তথে — বোবাসিদ লৈবে, মুংশিরৈ নথোযগি থৌবী অকনবক্ত খব লৌক।

(Shrill music ending in softer tone)

কৈবেন— ইন্সপেক্টব কৈবেন্না রাশকুন হায়রি শামু, ঐ করিমত তৌরোই, ইচাগি মথরাইদদি বল্লু। ঐগ বিভোলববসি নং পাযমু। রাংলব উশা সদৈ থাদববদি ঐগি ইচাসি হিংদন তাবে।

শামু— কবিমু লৈতব পুলিশ থবক তোক্লব অমদ অহুক চাউব ইন্সপেক্টরন হায়জব হৌনদে।

কৈ— চুম্নদ হায়জব নত্তে, নথোড পায়ধবনি শামু, অমত্ত ভাইজব ইচাসিগি মথরাইদদি কনবীমু। স্বর্ণপুরদ আইন তূম্মবোই মতুংসিদৈ।

শামু— (off the mike) ভাইখো, পাখণ্ডশা ! থৌরীত্থ থাদখিন্নু মথরাইত্থ খাকপীরসি। চাউরব পুলিশ ইন্সপেক্টরন মচাগি থল্লাই ঐভোম্মগি নীজরে, মচা শোকপদৈ ভাব তাবে। থৌবীত্থ উদ কন্ন পুল্লগ— নংখোয় চৎলো। হা হা হা হা হা হা — — ·· ···মমূ পাল্লি হুয়্যিংখোই কাওবা।

———

লোইরব।

লাইরৈপাক য়েংলুরগ হল্লকপ

লীলা মীকোক

—:(০):—

১। বিন্ধ্যসিংহ, a philosopher — 41 yrs.

২। কাবেরী দেবী a retorting wife — 35 yrs.

৩। কুমারিকা দেবী a daughter — 11 yrs.

৪। থোঙভাক লাই a guide to Heaven.

৫। বৈতরণী a river Goddess.

৬। পিশুমসিং an old relative — 50 yrs.

লাইরৈপাক য়েংলুরগ হল্লকপ

A Radio Play for 30 m. broadcast on the 1st December 1967.

বি— হায় তা পিশুম, চুরুট উপু অমত্ত লৈরুগে।

পি— অহাওব্রা হাওতব্রা ইবুংঙো ?

বি— ঐন চুরুট অহাওব থকপদ পৃথিবীন মুখিংকী অকোয়বদ উ'চুন কোইরিবসি লেপকদন লৈতে, অহাওব লৈরকউ থক্তে।

পি— ঙসিদি মতা অম ওইরে।

বি— করিনো নংন ঙাংঙব ব্রাত্তবো, ঙরাংগ ঙসিগ মান্নব য়াব্রা ? নোং হাংখ্রে, শরৎ ঋতু চংলকই, শরৎ লোইখ্রে নিংথমথা চংলক্লবসিনি। নংসু ঐঙোন্দ লক্লবিব তাইবংপানসিগি পার্টিদ য়াওরব্রা ?

পি— য়াওজদে, ঐদি ইবুংঙোগি মীচংনি।

বি— অদুদি লৈরুরো থক্লগে, থীল্লে। নংন চংকদব থবক অমসু ব্রাংলি।

(পিশুম চৎখি, Record steps, bicycle গি Bell খিংব তায় লদ্বীদ)

বি — চিংগুবম তম্ফাখোয়দ হোরিব চীংগু পাম্বীসি নিংথমখ। য়ো-রহুন মনা লোইন কেনথিব্রা মত্রগ ঐবু শক্করিব্রা ? (চীংগু উদ) ঐস্থ নংদোন ইরল মাংখ্রে, মীংচৎ মাংখ্রে হায়, ইমানি অম্মানি। হা হা হা হা.........নংগি ননা কেনবৈ মরম্মা রাকচীংগি উন, ঐগি ইমীং মাংবৈ মরম্মা ইনাক পরপ পরপ খুম্লিংহুন লাইবক য়েংউব। উনা রানা, তারকপৈ মরমদি শরংকী থাবলবু, কল্লকপ, ঐন লাইবক য়েংউবৈ মরম্মা ঐখোয় মুপীন মমান্নবীগি দলাল, কার, সনা কল্লকউব। ভায়া চীংগু পাম্বী ! নংবু ঐখোয় মুপী কাবেরী মশক খঙ-ব্রাগ, দার্শনিক বিন্ধ্যাসিংন মন্ত্রীগি লাইবক য়েংউবদ ইংলেক্সন্দ উপ্রাক্ক শিংন তুরুরগ কবোদৈ রেক চেল্লুন পুরকপ শেন্দোংন মঙকশমত্তু সনান পুমডা' ভাংহনগে ভোবী মুপীত্নু খঙব্রাগ ? খঙবু খঙব্রবদি কৈ, মঙোন্দ ঐ শেল মাংলে দশা তারে হায়ত্নুন তাকউন্নু হায়গে তৌবনি।

পি — (চেল্লক্কগ) ইবুংঙো অমুক্ক ডাইবীখো, চুরুটসি লৈরকপদ পাউ অম তাজরকই, চুম্ব। চুমদব্রদি খঙজদে।

বি— করি পাউনোনে, নংস্থ খবর পাবকা তারব্রা ?

পি— খবরগি নত্তে, লম্নাইগি পাউনি। ডসি মোরেরোমাদ চেল্লকপ রেক্কী মাল পুব গাড়ী অচৌব অনীথক এক্সাইজ পুলিশন ফাখ্রে হায়নহৌই।

বি— অহৃদি মহুগি পাউদো ঐঙোন্দ তমদৌ শরুক লিক্লি অনাথক্ক লৌরু সিভিলিয়ান ষ্টোরদৈ। রা অমগ, মহুগি পাউহ্ নংন ভাহল্লোইদব মীশক অমদি ঐখোয় মুপী কাবেরী।

পি— ঐ তমজরোই ইবুংঙো, লিক্লা অনাগি শেলদি ?

বি— সে, সি পুরো। পরপ পরপ চেল্লক্কদবনি। ঐখোয়গি কোম্বো'সি কনান হাংদোক্লগ যণ চংহল্লম্মীবনো ? হৈ নহায়, কনা কনাগি যম্নোনে মীগি হিঙ্গোন্দ শঙ্গাবুংদোন হরাউন চাবীরেদা। ঐন ওখা ওইব ভোক্লগ রাজনীতিগি লৌবুক্ত চংবদদি মীয়ামগি ভোট ফংব্রা হায়বব্ বাশা চায়, রাজনী- তিদৈ ব্রহ্মারোমদ চংতুন ব্রেক শাম্বহনবদম্ব শেন্দোং ফংব্রা হায়বব্ পুলিশকী লাঠি চারে হায়ন তারি। যণ নখোয়ন ঐগ হিঙ্গোলদ চংবদি ঐবু য়েন্নুবা ও ? হৈ নহায়, হৈনে ....

(শেৎ শেৎ কনব তায় চৈন)

মুংঙাইব্রা ? কৈদোন চেল্লি ? হায়, য়ুমসি কনামত লৈতমা- নেনে। য়ুমশংবী, কাবেরী। লৈকাইদ বারী শাব চংলম- গনি, যুমথোক মশী' শুদন্থন হল্লকত্রিব্রা ? চুম্ন মু'ঙাইনব শাক্লব বারী ওইরম্মবদি কৈ, মী নোক্লব মীগি লৈত লাইরদ করেম্নব ওইরম্মব'দি চুক্লংজনিকো কাবেরী, ঐদি হায়বীদে হায়নি।

(পি শুম লিক্লী অম পুতুন পরপ পরপ চেল্লকই)

পি অমত্তমক ফ'ই ইবুংঙো, লিক্লী অনী শুন পীয়ু য়াদে।

বি— ফরে, অত্নু মঙায়রে। মুপীমচা কুমারীকা স্কুল কাখিকো ?

পি— কা'খি ইবুংঙো।

বি— কাবেরী, কাবেরী! লৈতে নহায়, নমাত্নু থর কোনে, মখা থংবৈ মোয়ামগ মীগি মত্তো তমন্থন বারী শারম্ব য়াই।

পি— ওহ, লাংদেম নিপামচা, ঐখোয়গি নঙ্গোন ইবেম্মা লাকপ্রাও?

(লাক্লম্মে চৎখ্রে—থুম্মকই)

বি— অৱাংগি খোকচোমদ অমুক কৌ তা পিওম।

পি— ওহ, মধুমতী, মধুমতী! ননে কাবেরী লাক লাকপ্রা নখোয়দ, হা?

বি— হায় তা পিওম, মমাংদ অমুক কৌ লৈত্রবদি।

কা— অরাপ্পদৈ (off the mike) করিগিনো নহায়, চীংডাপিওম নংন ঐবু লৈকাই পুন্নমক তানব কোইকৌ কৌরিবো?

বি— ওঃ, মমাংলোমগি ইমুং, নখোয়দোমদ ঐখোয় কুমারীমা কোইবক লাক্লকপ্রাও?

কা— করি কান্নব কবি ফজে হায়দুন মীন ঐবু য়ুমদ ডাহাক্ত লৈতে হায়দুন নোক্লনব কোটকৌ কৌহল্লিবনো?

বি— নংবু য়ুমদৈ হেন্দোক্লবী, ৱারেম শৃদবী মরম একপী শানিং-ব্রাও? লৈকাইনবু য়ারোইনে ঐবুদি শাজো হায়ববো।

কা— অরেম্বদ খৎনব হৌরকম্ল খোইদো শাওগৎতুন লাকপদ।

বি— কনাগি মীৱা ডাংনবদ শাওগৎলুরিব খোইদোনো?

কা— ঐখোয়বু মীন অরেম্ব থবক ওঝাবু ওইরবমু আফিসকী থবকপু ওইরবমু তোগেদি হায়দন ব্লেক মার্কেট তৌহুন চায় হায়।

বি— কনান হায়? করম্না খড়িও হায়?

কা— য়া য়া লাউবে হায়ে মৈস্নাম তোম্বী চিঙ্খীবীন। মহাক্ন খৈদেন কুম্মকপদ মীন ঙাংনবদগি তারকপনি হায়। মীশক পুথোকপ ঙমগদ্রা মথা শেংবে হায়ববু মীশক্তি খঙহৌদে, নিপা অমগ মুপী অনীগনি হায়।

বি— মশক খঙলক্নবদু ফৈদা, খঙব থোক্লবদি ঙামক্তি নত্তবনিন মথা শেংনব লাক্লবদ ইমানি ফল য়ানি। তাইবং মীন ঙাংনব য়াবু নংন অদুক শাওক্নরিব করিগিনো।

কা— মশক খঙলগ মথা শেংপ য়াদোরিববু করিগিনো ?

বি— তা পিশুম নং কারি কুম্মে য়েংলি, থোঙ হাংদোকউ. দ্রোইং রুমদ চানব থক্লব থোরাং খব তৌক, গ্লাস অমা থনম্মু ভাব তাদ্রিবাও ?

পি— তাজৈ, চৎচরে ইবুংঙো শো অমুক্ত ইবেম্মা।

কা— (গ্রিং লাওন শো লোল্লগ) হায়রো তারগে, ঐথোয়বু ব্লেক মার্কেট য়াওই, কবোদৈ পোৎ লোয় পুরক্লগ লোয় য়োল্লি হায়দুন ঙানবশিংদু মশক খঙলগ মথা শেংপ ঙম্মোইদোবিব করিগিনো ?

বি— মীন ঙাংনরবদি অওইব থব য়াওরম্ব য়াই, তাশিন্নরুন্ন শাওক্নুু, শেল ফংদুন সনা য়ায় শিরগ লোইবে।

কা— কদায়দৈ সনা শিদোরিবা ?

বি— শেল তোংনদদুদ তৌবিবনি শিবকখিনি।

কা— মীন থীন ঙাংনবদু মুমন তদুন পৈর ঃ বেন শেলম্ব ফংদন অওইবম্ব নত্তুন।

বি— মখোয়ন লুক্তিগি আফিস কাকগুম মখোমক ওইন ভাংনরক্লবদি নংগি লৈজদব লিকোনচুগি মুখক্ত নচা লুপাগি সনাশিংচুসু শিজিল্লো, অদুগ রা ভাংলুম নঙকশমদু হেক্ত উৎলু। মীবু মচীন মেনব য়াত্রাও ?

কা— অনকপদ লৈবাশিংসিদি মেনগদবনি। অওইবসু নত্তব, অওইব ওইরবসু মখোয়ন থঙবসু নত্তন মীবু মীন পাক পাক নোক্লব য়াত্রা? নহাকপু লুপা কয়া কংলবগে কবোদৈ সনা, ঘড়ী, মৈথেৎ, কলম ললোনবদা? চেং চিনি লোম্না য়োনবৈ কার-বার য়াওরুরব্রাও? সনা. লুপা কয়া য়াম্ম শেন্দোং ফংল-বগে ?

বি— কয়ে নত্তে, মাংলবনিনে লুপা লিশীং ৩০ মুক, কবোদৈ হল্লা-গাড়া মপোৎ অনী এক্সাইজ পুলিশন ভরাং অহিং ফাই হায়ন তাবি।

কা— কবিগি অদুক য়াম্ব শেলদি চুবালবৈ কারবারচুদ য়াওরু-বিবা? করম্ব নিপা বুত্থনোনে নংবু? ননাংসু নত্তন অদুম্ব থবকত করিগি য়াওরুবগে? ঐভোন্দ তাম্নরম্ব য়াত্রাও, লাইরিক্তমক হৈব, লাইশু থংদব অপডব ও? য়াম্ম পাংদ হায়বদি চুবানব য়াওরুরবন ওইবে।

বি — নচান থীম্ন কানেবী, রা লাওন ভাংলু।

কা — শেল অদুক থীন নংন মাংহনবদি য়ারগ ঐন চীন খিজুং থীবদি করিগি য়ারোই থীনি, থীনি, লাওনি মী তাগে হায়ব মথৈ তাজসম্ম। ঐগি সনা মুহোর অমত্ত লেপ্পীম্ন হায়বদি

য়াদ্রগ অচুক য়াম্ব লুপা জিশীং ৩০ বু হুয়ানপোৎ কাববারদ মাংহল্লিব এম এ ; ওঝা ওইব তোকথোক্লুন মস্ত্রী ওইনব হোৎনবদ মীগি শেল কয়া তোক্লে, ওইস্নু ওইহৌদে লেক্লুন তোকহৌই।

বি— নংন মন্ত্রীগি লুপা ওইজনিংব নডক্ক সনা মপাল শাৎহননিংব, মহু থুংনব হায়ত্নুন লাইবক য়েংউবনে চীন্থীবী। ঐদি ছাত্র-শিংদ দর্শন শাস্ত্র অর্থ শাস্ত্র তম্বিবন লুংভাইজেয়ে। নংগি-দমক্কে ঐন মাংহব, মুৎলিব, মা ওইদ্রিবা।

কা— নংন নপাড পণ্ডজবগ ঐডে ন্দ তায়নবীবব্রাও ? ঐ কপ্পগেদো লৈকাই তানব ঐবু কপ্প হৈতবীনি হায়নখনব্রাও ?

বি— লাও, ইমু'দ কপ্পো, লাওরো, মপান্দ ভাংনবগ মীন তাথনি অঙাওবী। (লোম্ম)

কা— অচুক য়াম্ব লুপা জিশী কুন্থাবু অচুক কোম্ম মাংলে হায়রবদবু কবিগি কপ্পোইদগে, গুনা'দ লেপ্পুন হৌন কপখিনি, ঐডোন্দ তাক্লমদন মাংহলবগি লৈকাই তানব লাওখিনি।

বি— ন' যন্দ তাম্ম তাম্নহুন ফুবগুম ফুবা ? চংউ ইমুংদ কপ্প কপকে লাওবু লাশগে হায়রবস্নু। নংন শন্দোক্লুন লৈকাই পুম্নমক তাহনগেরাও? ইমুংদ চুংদু। তপ্প ইংনা ভাংনসি নম্রবদি।

পি— (থোড হাংলগ) শেম শাব লোইদৌবে, লেংশিনবীরকপ য়াবনি।

কা— য়ু পাথক্কেবা চীংডা পিশুম ?

বি— য়ু নত্তে, থৌনা ফনব হিদাক্তি।

কা— করিগি হিদাক ?

বি — শিব নত্রগ চংব হিদাক্তি। নংস্থু থর থক্তেরা ? সে য়েংউ।

কা — থক্লিংদে তুক্কজে। শেল মাংববু য়ু থক্লগ হঙ্গিনগদ্রাও ? নপঙ পঙহুন নরিল লৈতহুন ননাৎ নত্তব কারবার তৌরুহুন মাং-হৈব নত্রাও ?

বি— ঐবু পন্ডিঙ, পাংদে লায়বকো কাবেরা ?

কা— হায়দবদে, অওইব নত্রাও ?

বি – (য়ু থকপগি মখোল তায়) অপঙব পাঙদব নিপান এম, এ পাশ তৌরগ লুপা লিশাং ৩০ মাংনব লৈগদ্রাও ? নংস্থু ঐবু লক্লব, নে'ক্লব কাংবুদ য়াওরব মীশক অমনি ঐ খড়িঙ। নং ঐগি মতিক চাদবী মুপীনি।

কা— ঐন নঙোন্দ লৈরুরিবসিহুম ইরাইবক থীবনি. লাইবক, লাইবক !

বি— এম, এ পাশ তৌব, লুপা ৪০০ চাব নিপাদ নংগুম্বা। পেন্দবা সনা পাম্বী অমন লৈজব ফংলগ নরাইবক থীব। পেন্দবী, সনা পাম্বী অচাউরম কানিংবী, নংন হুন্সিনবদে তঙব য়ামদব থবক থাদোক্তুন মন্ত্রী ওইনব লাক্লরুবনি মহুদ শোই-হুন, স্মগ্লিং ব্লেক মার্কেটিংদ লাইবক অমুক য়েংউবনি। পুম্নমক নং লৌরুবদৈ থোকপনি, ঐবু নংন লাইবক থাহন-বনি পেংদবী তৌবীমল খড়দবী।

কা— ফর ফরব নিপান ঐবু লৌগে হায়রম্মবনি করিনো পাঙ্গিন ঐবুদি শুংঙাহনি ইনাক থুন্নি – নিংথৌ লাইবক য়ুমদিম্মৌ

হায়ব ময়ীত্থুনি হায়বিপোৎনি। ঐভোন্দ হায়রব নিপা, ঐন য়াবিথিদব অহল লম্মন্না লোইনবব ফাওবদ, ছজিক্কি ৩লব লুপা লিশীং অম হেন্না চাখ্রে; অত্থুগ অমন লৈবাক্কী চাউবব জজগুম্ব অম ওইখ্রে। ভল্লোকপ নিপা অপঙব অমদ ঐন হৈশিংউবদগি হেক মাংখদ ঐ।

বি— নংন অপাঙ্গ নিপাদ লৈজকরো, ইমানৌ খায়নবসি ভসিদে, চৎখ্রো চৎলো।

কা— ছজিক্কি মতম হেনখ্রে চৎলবোই, পঙলবদস্থু পাংত্রবস্থু ইচা য়োক্তুন সিদ স্থুম লৈখিনি।

বি— নং নথন্না'ও মা'নি'বা কাবেবা?

কা— থব্বাই মা দো শকক লুপা থাউজাও থাউজাও পায়জগে, ডকশন্দ সনান ডা শং ডাংন শাংহনগে, কাব তোংছুন খৈদেন কাজগে।

বি— নং ঐবু কবেম্নবিব্র ও? ঐবু উশিন্ত্র ও? মৈতৈ ছুপীন ছুপাদ অহুক উশিংবব রা?

কা— করেম্নবস্থ নচ্চদ, উশিংত্তবস্থু নাঠদে অশে অশেংব হায়জবনি। পঙলবদি পঙই হায়দস্থু ডাই, লুপা লিশী ৩০ বু মাঙেন্দ পাথোক্কুন পোৎ অমা বৈ কাদবব তৌহনব্রাও? পাংদবদি পাংদে হায়স্থ ডাই, ওন্দুন থুমদ লৈরগ মান হনাক থুনহনব্রাও? নমান্নবদোন নিপা য়োকেদি হায়দন। অশেংব হায়নি সনা পাম্মা, লুপা পাম্মা য়াম্না, মাডোন্দ হুরাল্লু, লুট চৎপু হাগহুনদি হল্লিক্লদে। ঐন নংহনবনি কাদ হায়বীনু ওইদব রা ছু।

বি— তা পিগুম, সুপীমচাহ্ ওকপিরু, মখোয়গি স্কুল ছুটি থারম্ব য়ারে। অদুগ নংগি তথেলথাঙহ্ ঐ ইনাক্ত থনশু হায়।

পি— তথেন থাঙদি কৈদৌনব ওইরবনো ?

কা— অপঙব মকু খোক্লোক্লগ থোনা ফত্রা য়েংনীংমাল্লে।

(বিষ্ক্যা লিক্লাদ থকপৈ মখোল তাম)

পি— তথেল থাঙদি মথা থংবন রাইথিমানে।

কা— অদুদি কোম্র খোক্লগ শিংগংপ তারে ফরে, হুরানথ্রব মতুংদ মৈরিংব হায়দুনি। সুপীমচাহ্ তা পিমগুম থর লৌবীক মাগি পাবুংগি শনগাড়ৌদুদ।

পি— চৎচরে ইবেম্মা।

বি— নং ঐবু ওস্থোক্র উংশিংত্ত কাবেরী, হুইন রাখোঙগি পোৎত থিবগুম নংগি নমীং অরাউবদুন ঐগি ছিত্র মী পুন্নমকী ছিদ্রদ থিনিংঙি। ঐ নংগি নচৎতু পামদে। ইমানী লৈমীম্নব সুং-ঙাইররোট হায়বনি, মদু য়ানিংদ্রবদি ঐ নংবু হাংপ তায়, নত্রগ ঐ ইশাবু হাংপ তায়।

কা— নহান লৌত্রিভৈদ ইচৎ পাম্বীত্রগ তোকপিহৌনি, লৌহুন য়েংগে পাম্মকত্রগ থায়ননিস্থ হায়বিহৌদে, ঐদি থাম্রনগে হায়দুন য়ুম পাল্লকপ নত্তে। ঐবু হাংলগ ফাসী শগাইদ কাবীব থোক্লো সুপীমচা কুমারীকা কয়া রাহৌনি।

বি— মদু থঙলবদি মৈতৈ সুপান নপুরোইবদ করিগী ব্যবহার কায় ? (শাঙন ডাংই) নিপা অমন নচীন অহুক থীব সুপীবু

হাংলোইদবগি মরম করি লৈবগে ? য়ুম অসি শিংজ্রংন য়ান্থৎলগ মৈ থাদোক্লোরাও ?

কা— অমুক শাবদ শেল চংনি পাঙল য়ানি।

বি— মীন ঙায়রগ মচীন থীন খুম্ব শায়।

(পোৎচৈ লংথায়, থুগায়, গ্রোং গ্রোং)

কা— ওহ, লৈকাই লৈকাইশা নিপা অম পোৎচৈ থুগায়রে, ময়ু ভাওরে, মী হাৎকে তোরে। (শাওশিলৈ)

বি— থওব্রা নং ? করিগি চেল্লি ? একাগাড়ী মন্দিলা খিংলগ কুমারীকা অমদি পিশুম য়ুম য়োরকই, মতৈ মনাও খৎনব লেপ্পী।

কু— ওহ, ইমা ইমা।

কা— কবিনো কেদৌরে নুপীমচা ?

কু— করিস্থ তৌদে, পাবুং লৈত্রা ?

কা— লে, পোংচৈ লংথায়হুন থুগাইহুন শান্নরি। নুমিৎ তাবগ লাকইবদি কবিগিনো ?

কু— ঐখোয় স্কুলদ ডসি কুম্মৈ তৌই, মতু য়েংহুন লৈরকপ। মান মান হৈব জগোই শান্নৈ। ঈশৈগ শকনৈ, লীলা উৎনৈ ক্লাস ক্লাসকি চাক থাকপ্রা চাক লাম্মৈ।

কা— চাক থোংউবগে, নপা অভাওবগ য়ারী ভহাক শারম্মু। শঙ্গোমগ হৈগ পুরক্কে।

কু— পাবুং, পাবুং। ইমান নংবু ভাভবে হায়রিবসি চুমব্রা ?

বি— নমান মচাম্থারিবনি, কারিগি ভাওরুদগে ?

কু— করিগিনে কাসিদ য়ুনম নম্মীবসিদে ?

বি— হিদাক্ত য়াওব য়ু ওইরিনি, নমান হৈদোক্লম্মব্রা করিগিনো ?
(গীটরন তিং তিং কাপই)

কু— পাবুং তাইবং মীসি ওইদবরা য়াম্ন ডাংব্রা ? মবুকসু শেং-দ্রা ? পোৎ য়াম্ন চাথায়রেদ ।

বি— তাইবং মী অয়াম্ন ওইদব ডাংই, মবুক শেংদে নয়া পৈশা অমত্তং ওইজনবগিদমক ।

কু— পাবুং ঐথোয়গি ওঝান হায়রিব অডাংদোন মবুক শেংদ্রবদি কনামত্ত স্বর্গ কাহন্দে হায় চুমব্রা ?

বি চুম্মী, বাইবলদ অহুম হায়, মবুক শেংদব, লমচৎ ফজদব মীদি স্বর্গদ কাব য়ারোই, কবিগুহ্ব অচৌব মীস্ম ওইব য়াদে ।

কু— স্বর্গদ কাহন্দব মীশিংহু কদায়দ লৈরুনি শিবগ ?

বি— নরক্ত লৈরুই হায়নৈ । নরক্তদি মরাল লৈব মীশিংহু মতিক মতিক চান থীন লক্লে হায় । মরম অদুনা, লমচৎ ফজব মীশিংদি স্বর্গদ কানি চিংনিংডাই লৈতে ।

কু— হুরানব, চৌম্বীব, ডাকু, মীহাৎপ অমত্ত লৈতব তারে স্বর্গদদি অহুদি পাবুং স্বর্গদদি থানাগি পুলিশ, লাম্মী, মীফা মাপুন্নব অমত্ত লৈতব তারেনে ।

বি— অমত্ত লৈরোই, হায়ব হৌনব লমচৎ ফজব মী ডাক্ত লৈব লম্মি । মান মান পাম্ব অডাংদোন শাম্নহুন, অহাওব অথুম্বদ চাহুন, লাই নীডহুন, অফব থবক্ত তৌনহুন মুংডাইন লৈনব জাংনি । স্বর্গদ লৈরবদি ...... — —

কু— তূম্নিংলত্রা পাবুং ?

বি— ঐ উইরুত্রা ?

কু— ভারতকী অচৌব মীশিংছু অশোক নিংথৌ বুদ্ধদেব, মহাত্মা গান্ধীখোয় ধর্ম্মদি লৈরম্নিকো।

বি— লৈবম্নি রাম সীতা, সত্যবান সাবিত্রী, গৌতম গোপা—... —...— লোইন স্বর্গদ লৈবম্নি—... —— —ঐস্নু স্বর্গদ চৎলুব তায় নংগি নমা কাবেবৌদি মচীনথীবগি স্বর্গদ চং- হল্লোই। (নাখোকই)

কু— পাবুং নং ভূম্নমালে।

কা— মুপীমচা চাক লোইরে চাবরো। নং পাবুংদু তূমখত্রা চাক লোইরে তাকউ।

কু— পাবুং, চাক লোইরে চারুরসে তূম্মত্রাও ?

বি— ঐ চাক চারবোই, স্বর্গদ চারুরসি (তূম্ন তূম্ন) নমান থোংব চাক ঐ চানিঙদে। (নাখোকই)

কা— চাদ্রগ তোকসন্নু, ইমানী চাকব স লাকও।

কু— পাবুংদি চাক লাম্মোইত্রাও ? হমা নংগ খৎনরুবত্রা ?

কা— চাক লাম্মগ স্বর্গগি 'হোটেলত্রা, তূমুত্রা মরাইন চাজরুনি লাকও।

কু— পাবুং ঐখোয় চাক চারুরনি। সোকাদ তূমদৌ শরুক কমুংদ ভূমগেদি হায়দন।

(বিক্কা নাখোক্কুন তূমথখি)

ইমা নং স্বর্গদ কাগে হায়রবদি ওইদব ভাংজন্থু নবুক শেংউ হায়।

(Gay music fades in)

বিন্ধান নাখোকপদি মরক মরক্ত তায়, টেলিফোন ক্রিং ক্রিং খিংলকই। বিন্ধ্যন তুম্ন তুম্ন লাওরকই :—You Telephone ——......shut up. (খ্রো খ্রো নাখোকখি)

(Gay music continues)

কু— ইমা পাবুংদি ত্রোইং রুমদ তুমহৌরেদো। ইমানী চংলগ ফমুংদ থাঙ্গংপিরুসিরা, চাকসু চাখিদে।

কা— তূম্ব থুগাই হায়তুন য়ৈররুবপি, মমুসু খর ভাওথ্রবনি, শিংব হেঙ্গংনব অহুম তূমজরসন্থু। মীকপ থোক্লগ মরাইন হৌগৎ-চরকনি।

কু— ইমা নং ওইদব ভাংজন্থু নবুক শেংউকো স্বর্গদ কাব য়ানব। নবক্তা লৈবদি য়াম্ন থীন থীন লাক্লে হায় ঐথোয় ওঝানসু পাবুংনসু।

কা— হিংলিভৈদ মুংভাইবগ লোইরে, শিরগ লাক্লবদি লাক্লজসপ্প। অশিবগি ব্লাবু কনান চংলুতুন থডদোরিবনো ?

কু— নংন থডপোৎ নত্তে, ঐখোয় ওঝাশিংদি য়াম্ন থডিড স্বর্গগি ব্রা নরকী ব্রা মখোয় য়াম্ন চংলুরব জাংনি। ইমা নং পাবুংদ অপডব হায়জন্থ লক্লজন্থু, হয়েং শিরগ পাবুং ইমানীদি ইবুক শেংবনীন স্বর্গদ চৈলক্লনি, নংন নরক্ত লৈথ্রবদি ঐখোয় অহুম ভিন্নদ্রেদো।

কা— চানিংব চাব য়াদব, ভাংনিংব ভাংব য়াদব, মপুরোইব অপঙব, পাংদবন তৌরিমথৈ গীগী তাহুন সতৗ ওইদৌ শরুক—ঐদি স্বর্গদ লৈনৗংদে।

কু— নরক্তা লাক্লজনি অপঙবী, মচীন কনবী মুপীবু ওকচীল পাল-হল্লগ ওক্তী চিঞ্জাক পীজৈ হায়বনি ইমা—ঐদি তুক্কজৈ, চাজরোই।

(Gay music fades in
মরক মরক্ত বিদ্ধ্যন নাথোকপ তায়। তূম্ন তূম্ন ম্না ভাংই। ম্নারী শারি)

বৈত— ভাইখো, নিপা নং কনানো? কবিগিনো তুরেলসিদ চোংথগে তৌরিবা?

বি— ঐগি ইমাগী বিদ্ধাসিং কৌই, ঐহাক থব্রাই থারগে তৌবনি তুরেলসিগি গভন্নংদ হিংহুন লৈব মুংভাইত্রে, লুপা লিশিং ৩০ মাংলে নুপান উশিংত্রে, করেম্নবে।

(Stage whisper দা ভাংনৈ, নাথোকই অহুম)

বৈং— তুরেল অসি বৈতরণী হায়বহুনি, অশিবগি লৈবাক তুরেল ম্নাংমদ লৈ। নংগি নুপাসু অভাংগ নতু'দ ইন্নবকই নং শিব য়াখিবোই। নংগি চুপী অভাং কনান থাকপীনি নং চৎখ্রগ?

বি— মুপীসি লৈজহৌরসনু মতোমত, ইপা ইচাবু তুরেল ম্নাংম তানব থর লানবীয়ু লাইরেম্মা।

কা— নং নিপানি তুবেল ম্নাংমদ লান্দুন শিনিংলবসু শিজখো, ইমা ইচাদি কায়নব ভম্মোই।

কু— কদায়দ চৎতোরিবনো পাবুং ইমাম্ সুবীসি, ইমাবু খন্বিরম-
গনু।

বি— তুরেল লাইরেম্মা বৈতরণী দেবীন য়ারোই। মচীন্থীবী সুপীন
মপুরোইবগি মতুং ইনব হৌনদে লাইরৈপাক্ত।

কু— করিগিনো ইমাশকপী লাইরেম্মা ইবেম্মা, ঐগি করি ইরাল
লৈহ্নুন ইমা ইচা কায়নহনবীদোরিবনো ?

বৈ— নাপল তোবী নচীনথীবী সুপীন লাইরৈপাক্ত চৎপ য়ারোই।
তাইবংপান্দ মহাক মতিক চান রাখিব তায়।

কু— ইমা নংবু হায়জব হৈত্রাও? নরোল থোকত্রাও ?

কা— লাইরেম্মা ইবেম্মা, ননাই ঐ মতুং মনাও নিপাদ ইচিন
থীজবরোই, নাপনস্থ তৌজররোই কৃপা তৌবীয় (বিন্ধ্যান
নাথোকই)।

বৈ— কদায়দনো নখোয় অহুম্মা চৎনিংলিববো ?

বি— লাইবৈপাক হায়বত্থ অমুক্তা দর্শন ফংজগে। চানবা হৈবী
বৈতরণী ইমা নংন অমুক্ত কৃপা তৌবীয়ু।

বৈ— বৈতরণী হায়ব তুরেল অসি ঐ লাম্থোকপাগে অহুগ লাইরৈ-
পাক্তী থোঙাকলাই লৈরম্নি, মঙ্গোন্দ স্বর্গ য়েংব য়ানব ভাং-
নজো। সিদগি হি অসিদ তোংখৎলু, তাইবংগি নবুকচেল
অপিকপ ওইজব পাম্ব, কল্লক মীহোব, মীগি মাং তাক্লব
রাখল পুম্নমক তুরেলসিদ থাদরম্মু।

বি— য়াম্না ফনি ইবেম্মা।

কু— পাকখ্রেদ, ফজখ্রেদা তুরেলসিদে।

(Sweet music or flute in low tone timing the movement of the boat).

(বিল্ক্যান নাখোকপ তায় চশৈ মরক্ত)

থোড-- ঐ খোঙভাক লাই হায়বহুনি। তাইবং মী নখোয়না অশিবৈ লৈবাক্ত লাকইব করিগিনো ?

বি— ননাই ঐখোয় অহুস্ব লাইরৈপাক অমুক্ত দর্শন ফংহনবীযু।

থোঙ— নরক য়েংগে হায়রবদি য়ানি, আদ লৈরিব অরাওব লম্বী লৈথোম তোংপাসিদ চংখো। স্বর্গদ চংকে হায়রবদি য়েংথংব অথুব লম্বীসিদ চংকদবনি। চংত্রিঙৈদ রাহং থর নবুকশেন চুম্ন গুম্ব তায়।

বি— ননাই ঐখোয় স্বর্গ য়েংগে নাইই, কবি রাহংনো হংবীয় লাইবক য়েংজগে।

থোঙ— িপা নং করিকরি অবানব থবক ত্রোকবে, মতুংদ তৌখিদ্রা ?

বি— হনাং নঙন নুপীদ সনা শিহনব চম্নব অথী ব পোং লোম্না য়োঞ্জররে। মতুংদ তৌজরবোই।

থোঙ— নুপী নংদি করি করি অরানব তৌরবে, শেন হায়দোবউ।

কা— ইতিক ইপা চাদন সনা লুগা য়ান্ন পাম্মুবে, নিপাদ ইচিন থীরুরে, রাবেন ভাংবদ মীবু নোরকরে মতুংদা তৌজররোই ননাই ঐ।

থোঙ— নুপীমচা নং ভন্নাদ, নমা নপাদ করি কবি ওইদব ভাংউবে ?

কু— পাবা ফাদহুন নোংম নাশিন্নরগ ছুটি লৌকবে য়ৈগনি হায়ব কীবদৈ। অহুগ পাবুংগি ফুবিংখাওদৈ নহান নুপা। অমা হূং রাম্নগ লেংদে হায়ন থুমখি। মতু দ অমুক তৌজররোই।

থোড— অছুদি নখোয়গি নশা নশাহু নাপঙ্গগ লোয়নন থনম্মগ তৌল মচা ওন্দুন পাইব তায় ইতুং ইল্লকউকো।

(Sudden Crashing music stopping abruptly. হান্নদৈ থব অমুক নেন্ন রাগী শাবে stage whisper দা),

বি— থোঙঙাকলাই ইবুংঙে, য়াম্ন রাজ্জরবী সীতাবু বন্দ লংথোক-পিথি, বন্দৈ মচা অনীগ হল্লক্রুবদস্মু সীতাবু মৈদ ইকুন পরীক্ষা লৌব পামখি। মতুদ বারোথিবী সীতাবু হুজিক স্বর্গদ প্রভু রাম-চন্দ্রগ পুল্লব্রা থায়নরব্রা অমুক্তা উহনবীয়ু ননাই ঐথোয়দ ?

থোড— সোমদ পাইবক্লো অছুদি, হু য়ে'উ, প্রজা মীয়াম্বু মুংশিব প্রভু রামচন্দ্রন জানকী গী'তাদ তাক্লি গণতন্ত্র চংপ পৃথিবীগি লৈবাক কয়া কয়া মতুদ সীতাবু উহল্লি রাম রাজ্যগি মুংত্রব শক্তম তাও জানকীন প্রভুদ হংলি মনাই মুপীবুদি কদায়দ হুন্দোকপীরে। শ্রীরাম্না খুম্মি "প্রিয়ে, ঐ নংবু কৈদৌঙৈদ হুন্দোক্তে. গণতন্ত্র পাম্ব লৈবাক্ত অচুম্বগিদমক অরাব থা'ব কাংবুন সনা অহিংবী সীতা নংবু ইড়াংলি, নংগি খুতুং ইঙ্গরি।

কা— অছুদি থোঙঙাক লাই ইবুংঙো, স্বর্গদস্মু মঙদস্মু রাম সীতা থানদন লৈমীন্নব তারে চান্নন।

থোঙ— নংস্মু থাংউ, কাবেবী, ন:ন ফন চুম্মী থঙ্গবস্মু নপুবোইবদ ব্যবহাব কায়গনু, সীতাগি মতৌ তমজো অপডবী।

কু— পাবুং সাবিত্রী সত্যবান কদায়দ লৈবগে অমুক্ত খুক্রমজগে হায়বীয়ু।

থোঙ— পুকচেল শেংবী নুপীমচা, নং সাবিত্রীন কৈদোবী স্বর্গ হায়বহু উনিংলবদি সোমদ য়েংউ, যমরাজগি মথুংতৈ কন্ন নারব মপুংরোইব শিব য়ারব সত্যবান অহুডে সতী সাবিত্রীন কনথি অঙকপ লাইকন্নবৈ মহৈন। মহুগি মতৌ তমহন মর্ত্তলোক্ত ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গেল অমদি লাইকন্নব হৈবী নর্জ কয়ান অনাব সত্যবান কয়াবু যমরাজদগি মথুংতৈ কন্নরি। স্বর্গদ সাবিত্রী সত্যবান্ন চান্নবগি মমিনি তাইবংদ —

ন— অনাসবু লুন লাইকন্নবহু।

বি— মহাত্মা গান্ধী অমদি অচৌব মীশিংহু কদায়ব্রাইদ লৈবগে? থোঙঙাক লাই ইবুংঙো অমুক্ত উহনবীয়ু।

থোঙ— য়েংউ, আদ উবিব স্বজীং অসিগি অকোয়বদ থিল্লিব মঙাল পীনব ইলেকট্রিক্কী পাৱার হাউস মানবশিংসি যীশু খৃষ্ট, বুদ্ধদেব, মহাবীর নানক, মহাত্মা গান্ধী, ববীন্দ্রনাথন চিংবনি মথোয়গ তাইবং মীয়ামগ বিজুলী তারা মশক উদবন শম্নবি, বিজুলীগি বল্বকুম্ব মীযাম্বু মতিক চান ঙালহন্নব জ্ঞান তৌরি, মীজাওশিংসি লাপ্ন দর্শন তৌ, মথোয়গি ধ্যান্দ অকায়ব থোক্কনি।

(বিন্ধ্যন নাথোকই, য়াওল্লি। টেলিফোন শরীক খিংই অনীরক, কুমারীকা লাকই)

কু— পাবুং, পাবুং! সিদ স্নুম নোঙঙানবফাও তুম্মবোইরে। পাবুং টেলিফোন লাক্লে, নোংস্নু ঙাল্লে, হোগংলো।

বি— ইস, ওন্থোকপ মচ মরিডদা। নোঙঙাল্লবোইরে মুপীমচা।
(টেলিফোন অমুক থিংই)

কু - পাবুং সে (পীরগ)

বি— হেল্লো! বিন্ধ্যসিংনি (তাবগ) এক্সাইজন ফাথিব গাডী অনীচু ঐখোয়গি অমও য়াওদে হায়বা ? (তায়) অং, অং, অহুদি যাম্না ফরে, ঐ লাক্লে। নমা কৌবকউ কুমারী। থীল্লে ঐগি ফীয়োল পীয়কউ ইশিং ত্রস— ... .. —

কু— ইমা, ইমা, পাবুংন কৌবি।

কা— কবি ওইববনো ?

বি — নং ঙবা অহিং কবি নমঙ মঙই ?

কা— মঙদ সনা যাম্ন শিবম্মী, কার তোংহুন কোইরম্মী।

বি— চংলো নপামদ কোইনিব কোইনব, কার তোংনব সনা পিনব উপায় থীব্রুরো।

কা— চংলোই সিদ স্নুম লৈবগ শিদোবিব সনানি, তোংদোবিব কাবনি।

বি— ঐ ঙবা মঙদ স্বর্গ কাব্রুরে। নংস্তু মুপীমচাস্তু ইতুং ইল্লি। সতা ময়াম সাংগ্রা, গাবিত্রানচিংব উবকই। মীজাও কয়াবু উবকই। নং নচন্দু রাবকপ ঙন্মোইদব নপুবোইববু লাইগুম্ন ইকাইখুম্নব তোয়্রবনিন ঐ তাইবংদ হিংনিংব্রে। নংনস্তু নপাম চংলু য়াদ্রে, ঐ মাংখ্রগে।

কা— মতুং মনাও চান থীজরবোই ব্যবহার কায়জররোই রারৌ-বীস্তু, ইবাল কোকপীয় থুকমজরে।

বি— অহুনিদন লুপী হায়ত্নন। ওসি অয়ুক স্বর্গদগি টেলিফোন্দ পাউ লাক্লে নং তারব্র ও?

কা— কদায় তাজগে, কবি পাউ ওইরবনো?

বি— ঐখোয় গাড়ী ফাখ্রে হায়বহু ওইরমত্রে লুপা লিশীং ৩০ মাংদ্রে। লিশীং ৬০দি শিংকনি পোংশিংহু। ঐ মতুগি ব্রা ভাংনব চংলে। য়েঙ্গাং হাওহল্লম্মু হায়।

কা— চাকা ফাল্লরোইদ্রাও? (য়াম্ন কেন)

বি— আ: দোকান্দ থকউগে থেংখ্রে।

কা— অহুদি হনবীরকপদ সনা খিংত লেপ্পীবকউকো।

বি— লেপ্পকে সনা পাম্বী (off the mike)

লোইরব।

মজা ইবুংঙোনে

লীলা মীকোক

—:(o):—

পা	মখোল		
১।	নিংথৌ ধর্ম্মবতার	(হৌব, লেম্ব)	চহি ৫০ রোম
২।	ইপু ব্রায়েল কান্তি	(তম্ব, থর নিকপ)	,, ৭০ ,,
৩।	শারাক শাক্তৈ	(পিক্ক, শ্রেং শ্রেং)	,, ৪৫ ,,
৪।	মজা ইবুংঙো লমহেন	(লিথংন, াংগ্রথোকপ)	,, ২৫ ,,
৫।	মরুপ পাখণ্ড	(নেম্নচিংগ চীরোং খোন)	,, ২৬ ,,
	পী		
৬।	অপাম্বী, মৌনহা	(মুংশিদন কেজবী)	,, ২৪ ,,
৭।	সুনীতি, লৈশাবী	(কিদব, অরেম্ব ব্রাডাং ফজবী)	,, ২১ ,,

— ——

নজা ইবুংঙোনে।

A radio play of 30 minutes duration.
Date of broad-cast : the 1st Sept, 1967.

১৯ শুব শতাব্দিগি য়ারৌনি, শগোল গাড়ী যণগাড়ীগি মতম্নি। লমহেন অমম্বুং পাখঙন মুমিদাংৱাইদ ধর্ম্মপুর কোন্নুংদৈ চীংয়া খুন্দোন তান্ন লমজাওদ শগোল অমমম খোঙ্হুন চংলি।

Record the galloping steps

লম— চীংয়া খুন্দোন হায়বহু মুৱাইদনি নত্রা ইতা ৭ ?

পা— মানি ইতাও ইবুংঙো। শগোলহু তোমাল পান্থী অসিদ পুঞ্জগে।

লন— মুংশিত্রেদা চাংয় লন্মাংসিদে। আদ উরিব খুলসিন করি মমিং ?

পা— তোর্ব্বান খুনৌ, শিঙেল মুনীতিন শাংলিব নৈকোন, য়ারক চেৎপ মধুড়ান তিঙ্খং সম্বন।

লম— ইনিংতম্ব য়ারবদি কয়াদ মুংঙাইগদব !

পা— পাবুং চহি ৫০দি হেল্লরিনি, ঙাইদোব কুইত্রে।

লম— হকচাংবু কল্লিদা, লুক্ক য়াম্ন হারিব !

Record : ঘন্নাও শরিক, ষণ খোংব. সঞ্জেন্নহাগি অনেম্ব বাঁশী।

লম— ইতাওন হায়ব মচে অফাওবা, অপাম্বা হায়বাতন কদায়দ লৈব ?

পা— খুঞ্জাওসিদ লৈ হায়, ঐ হংজগে। হায় ষঞ্জেন্নহাশা! শোই-বম অপাবাগি য়ুম কদায়দনো লৈহাও মখোড়সিদরা ? off the mike .. ---— —"মানে"।

লম— মপু পাল্লিব জাৎলা ?

পা— অহানবৈত্থু খায়নখ্রে হায়, অনীওবত্থুন ল ফৈদ লৈখিব্রা, অত্থুমশুব অমন মযুমদ পুনব কন্ন হোৎনরি হায়। তরা লৈ-রম্মবস্থু মড়ক লাক লাক্কুন ইনগ্রগ লোয়রে।

লম— মত্থুগুম্ব থব যাওব্রবদি তাইবং পুক্রী লমহেনবসিন অপাম্বত্থু পাক পাক থুংদে। ধম্ম কায়ন্থু, মত্থু তোইহেদে হাযত্থুন অহল লমন সমাজন থিংলিবত্থু উম উম হায়ত্থুন ইল্লবদি নহা এইব কাল্লম্মগ হত্থুব তায়।

পা— অশেংবলি মজা ইবুংঙো, খ্বাইন কিনব অড়রূপ থবক চা-হৈদে থকহৈদে হায়বত্থু পেদ্রেক পেদ্রেক শাযরবদদ পেল্লি বনি। ঐখোয়দ শংৎপ কেতকী মনম মুংশি হায়ব মুন্ন খড়দে মীগ লৈকোন্দ হৌবিব গোলাপ নম্মবগ নাতোন চাবী এইরম্ব য়াবিবদো অত্থুদ খোযবাংই, সেংশিনসি, মজা ইবুংঙোন চিন্নিংব শিড়েল হেকনিংব হৈরাং হেকপদ ধম্ম-পুরদ কনান থিংব মতিক লৈগবনো ?

লম— পাবুং লৈরিবনিন ইতাও, খঁর লোন্ন থুগ্ন হাংনখিব তায়। লৈবাক য়াথোক ওইহনবদি য়াদ্রিকো। ভাইব য়াদোরি।

পা— ভাইব য়াদনব ঐন শিঞ্জনি মাঙ্গোন্দ তুম্মিন্ন লেংশিনবিয়্ন।
(whisper)

Record : Koncking on the Door.

অপাম্বী—(মীহুৎথোঙদৈ): অহুক কন্ন থিল্লিবহুবু কনা কনানো ? করিগিনো অহুক উশিত্তবদে ?

পাখঙ—ঐখোয়গি য়া লায়রি, নংবু নমিং অপাম্বী কৌব্রনহায় ?

অ— অপাম্বী শকহেনবী হায়বহু ঐমক্তি করিগিনো ?

পা— ঐন লাকইবসি নংবু লৌগে ইনাক খুনহনগে লাকইবনে।

অপা—ইমিংদ পাম্বিরবজাংলা ? শকফাও খঙনদ্রিডৈন ইমিংদ লৌবীবাবহুবো ? ইশাদি মীগি ওইখ্রে, ইমীংহু শোন্দুন হনবিরো।

পা— হায় ভাইথো য়া হংখগে। নংগি ননা ওন্নুপী লৈশাবীহু মমীং কারি হায়য়ে ?

অপা— সুনীতি কৌই, মহাক্তি ঐখোয়গুম্বী নত্তে, হংবীহুন কান্নংরোই খৈদেন পোং নত্তে। ঐগম্বু লৈত্তে, চৈরাক কনখ্রব থুড়াত্তোনগ লৈখি, লমচং নাইদব ধর্ম্মপুরগি পাখঙন মাবু লৌব য়ারোই, স্বর্গপুরদ থাজদোরিবনি।

পা— সুনীতিগি মচে শোইদ্রবদি নং ঐন লৌদব য়াদ্রে অপাম্বী।

অপা— ঐগি ইন্নাকা অমত্ত তাবীদন লাংদ্রে মতোনদৌন হেকপিরিবহুবু করি থো তৌনবীদোরিবনো। খ্বাইদৈ হেন্ন

মুংশিজরব ইপুরোইব লৈজে অথোব, ধর্ম্ম নত্তব য়াহু সতাগি খুভম তাঞ্জরিবা ঐঙোন্দ ঃ কপাগন্নু।

পা— নংগি নিপা ৪দ ঙাইহিরি, ঐগ ৫ শুরবস্থ সতা অহুম ভত্রব য়ারি দ্বাপুর যুগত, কলি যুগসিদ মশীং য়াম্বন ফনফম কান-রবস্থ ৯দ ঙাইবশি বুদি ৫ শুবব নংন মথক ফমনি। নংগি নিপাহু ডসিমক তাস্থোকখ্রো, নহাক ঐন লৌবনি, 'লৌদব শুকয়া য়াদ্রবনি খঙজ্ঞ।

অপা— ইশান যাদন নিপা লৈজবা ঐবু করম্ন লৌবাগদোরিবা? ধম্ম ডাকুব প্রজান যানবব অচুম্ব চংপ নিংগৌ ধম্মবতারন পাম্লি। খুনগি মীযাম্ন তানব লাগ্ভনবাদ অবেম্বদ চেপ্পুন তোকপানি, ঐস্থ লাগ্গনবা তানি ইকাই লেংঙো।

পা— হায অপঙবা নিংথৌগি মজা ইবুংঙো যাঙ্গরি, নংবু পামত্থন লৌগে হাযব নত্তে। (whisper খব নকশিন্নগ লোম্নপ) ইতাঙ ইবু ঙোদ শক্তি অম মাবগ কংনব ইমানা অমত্ত ওহ-দোৌরিবনি। মমল কানব হোৎনগেদি হায়দনা?

অপা— অসাইন তাকপাবদি বৈদোগে (কন) ঐদি খঙজকদ্রে, লেংশিন্নব তাবন পুথোবক্কে য়াবৌদ্ব।

পা— খোল হাযগংপ মুংঙাহব। য়েংবনি, ইকম অনৌব কাখৎপগি।

Record : খোঙ হাদোক্লগ চোকা থাবে।

অপাম্বা লেংশিনবিসি, খুরুমজবি মজা ইবুংঙো।

লম— জয় জয়! হৌনব খঙন উইদনা।

পা— সতীনি মনাই ঐগি ইতাও ইবুংঙো।

লম— হুজিক ইতাওন নংবু শৌরগে হায়রিবত্থু ফাগী নত্তে অপাম্বী, মহাক ঐগি চান্নবব মরূপনি ভাওমীম্নখ্রব। নখোয়-নীন অমত্ত ওইরগ ঐড্রোন্দ কান্নগদৌব থবক মচা অম লৈরে, মত্থুগিনি।

অপা— মজা ইবুংঙোদ কান্নবীদৌব থবক্তু তাকপীয়ু অঙম্ব ইত্তেং পীজনী, ননাই ঐবু মরম লৈতন অমত্থুগ কায়নহনবীম্ন। (কপ্পি) অমত্থু ওম্থোক্ল নুংশিজখ্রব ননাইনে, পাম্মুব থঙখি-দ্রব। তা ইবুংঙো! নংদি ঐন তারিব দশাসি খঙজদবনিন ঐড্রোন্দ স্নাগি লিকফাং খুজী থোনবীদৌবগি শা কৈন থল্লব জঙ্গলদ অম্না অনা থঙদন কাকফৈ কাঙ মরক্তু উজাও তুপ্পব য়াম্লিনিদো। (হীক হীক কপ্পে মখোল)

পা— হায় অরাপ্প জঙ্গলদ চৎখিব ওইরবদি মহাক্ল তাদৌব লৈতে কপকম্ন, ঐখোয়বা কপ্প তানিংদে, নোকউ, নোক্তিং-ফাও য়ৈয়্নবা?

অপা— নোকনিংদন ঐবু কবম্ন নোককদগেনে মজা ইবুংঙো?

লম— নোক্লিংব ঐগি ইতাওসিবু লাৎলু, জঙ্গলদ লৈখিবদো কৈন চাজখ্রসম্ন। নংনবু মহাক নিংশিংউদ্রবদি কৈন চাখিদ্রবম্থু অরূম হৌত্থুন মরাইন শীজখ্রনি। নংন পাম্ব শংরিক, নফি নরোল, নয়ুম নকৈ লোইন হোংখিনি।

অপা— অতবু মজা ইবুংঙো, ওসিদ উনরিব হয়িংপোত্ট অসিন ঐবু কয়া য়াম্ন মুংশিনিরমদগেম্থু থাদেদো, অমত্থুদি সত্য ইংম্থোক্ল ঐবু—

পা— শাংথব কান্নদে হায়ন্থন তৌবনি অপঙবী নঙবু কুইরপোং-নিনে—নংন লৈশাবীউঙে, চহি ৫ | ৬ কী মমাংদ খুম্নৌদ জগোই অম শান্নখি, লৈশাবী পাখঙ জুরা ৫ ইরোই অমমম ভোংহুন নখোয় লাকখি, নংন মাং ইথা থারকই, নং কাউরব্রা ?

অপা - কাউদে, থাবলসু য়ান্ন ফৈনে অহিংন্থ।

পা— মন্থদে ঐ নংবু শিংখ্রবনি। অতৈন্থ পাংত ফুম্নপগ নংবু পুন্থন ইবোইন্থ থৌখ্রসিরা খল্লুই। মতমন্থদ মজা ইবুংঙোগ ইতাও শান্নব্রিবন মখোয়ন্থ মথব্রাই হিংহৌবনি। উ য়ানবন্থগি মঙক্কু পুবক্লগ নং হোয় হায়গেরা?

অপা— অন্থমক্কি তৌবীন্নু অথোব। ইরোই তোংবী ঐবু থব্রাই তাবিরবদি ননাই ওইজ্রবগে কৈশুম শংদৈ অব্রাভম তারিব মী ১০দং থাদোকপীয়ু নীজরোই পোং ওইন।

পা— অমত্ত ওইদৌব্রিবনিন অপাম অপাম্ব পীথোক পীশিন তৌন-গদবনি। হঙ্গংলু স্না মাংদ।

অপা— ননাই ঐগি পম্বৌ, ইবুং মরীমতা খবগ মী হাংলুব, ফৌ মুল্লব, লুট চংলূবনচিংব শাথীরব মরালগি কৈশুম শংদ অঙাং ওনব ঙাইন্থন লৈরি, মন্থ চান্ন থাদোকপিখো অন্থগ ননাই ঐ হায়রিবমথৈ য়াজগে।

পা— নংস্থ মমলদি ফন ব্রাংন শোল্লিদ।

লম— ঙাইখো নং ননাও ন্থপী স্থনীতি হায়বীন্থ ঐঙোন্দ পীবদি ঙমগদ্রা?

অপা— মংকচেল খায, হরাও হরাও য়াহনবদি য়ানি।

পা— য়াহন্নবস্নু নংন মাবু হয়েংলা হংচিংলা নখোয়সিদ চাক কৌরো। চাক হেক তোকপগ ঐখোয় মাবু শগোল গাড়ীদ নমহুন চিংখংলগ পুখিগে।

অপা— অদুদি লাই, ঐ হোৎনজগে। কৈগুম শংদৈ মীশিংদুদি কৈদৌডৈ থাদোকপীগনি?

লম— পাবুংনদি শাওনিদ। অদু মওাইরে মশক অদুক ফজববু লৌদন তোকপ হৌনদে, হয়েং ভমন্নবস্নু হংচিংতি ঐ শোয়-দন মখোয় ১০দু থাদোবকে।

পা— শোয়নব য়াদে অপাম্বী, মশেম চাক কৌরো, নতিক নরল লৈবী ওইরো নহাকপু য়ানোম্মৈব শেল মখৈ নখুৎত পাইহল্লি।

অপা— শোইবিরক্ত্ববদি ঐ শোয়জরোই।

লম— মতুনিদন মুপী, ঐখোয় হল্লে।

অপা— খুরুমজরি মজা ইবুংঙো।

পা— জয় জয় লৈহোরো ইরোইতোংবী।

Record : শগোল অনী খোখিব মখোল।

Fade in : Morning birds are chirping :

কান্তি—অহিং জগোই ইশৈদ ইরাক্লহুন য়াকাইরোল শক্লব ফাওব মীকপ থোক্তনে নিংথৌসে। সনথোঙদ মী য়াম্ন ওাইনহৌরিব কয়া কুইরবনো।

শাইজ্রে— অহুক হান ফাজ্ঞ'খ্রব মীহাংশ, গুণ্ডা লুট চৎপশিংফবু অশুক অশুক লাইন থাদোক্লবদি কৈশুমশং লিংবগি শাহাক শাইজ ঐগী থোয় পখ্বাগি কনি কান্নবিবগে ইপু হায়েন কাতি ?

কাতি — ঊচেক খোক্লব হাকবোক, চকচকুন শাব তামুক শুনু তৈব মী লৌবুক্ত থিল্লবতুনি অপডব প্রজা মরাম কৌনব, অশীংবশিংন লোক্লনব, কান্নদে ঈংথোযগি মাইদ তামুক শুনু তৈবিবসি ইশিন ন শ ন থাদে হ্রস।

শাইজ্রে — চনা কৈশুমশংগি থদোক্তু মজা ইবুঙোন তৌরনি হায়তুন শেংন হেক্ত তাকশিবা ইপু ?

কাতি — মীশঙ্কি কোন্ন তাক্লদবনি, নিংথৌবু তান্ন শাওক্লগ মরাল লৈবদ অকাম চৈথাক পামন। মকুংদদি মচা লমহেৎনবন লৈবাক্কী কাংলম কাযব চমদনব শান্দন য়াদে।

শাইজ্রে— থবরু থাদোক থর ফাজিন, অচান অবাই নাইব লৌচৎসি মনাপুদনা প্রজাশিংন শাওনবকইব কুইরে। নিংথৌ তাম্নগি করি কান্নবগে ? প্রজা ঐখোয়বু শংশিনবা হংনবতুন মীশা য়াদে, চসি ম্নথোচদ লিলহোনবতুদ নত্ত ইপু।

কাতি — ঐসু তারবনি শাইজে, ইমাইতসি খুন্নবানি। অডাওব অমবু মনাং তমহন্নব পজা লংপতু কুন্দী গোংনব তাপথিব নিংথৌবা ? মতেং পাংলিব শাইজে, কাদি ঐখোযন ইস্রিন্রা থাম্মিব্রা হংনবক্তে। অবানব চুমথোকসি যাদ্রবদি, লৈবাক কায়জনকপ মশান তাবনি।

Record : A bugle Sound, নিপা অমন লাইবকই :
প্রজান য়াব নিংথৌ ধর্ম্মবতার লেংথোরক্লে।

কাতি—
শাজৈ— } থুরুমজরি ননাহ অনীন, বর্ম্মপুরগি মীচং নাইবাদব ইনিংথৌ। প্রজান নীংজব পাংবীনব অথৌব থুংলাহ অহেনব !

ধর্ম্ম— করিনো অথুক অভনবসিদ ইপু ব্রায়েন কাতিগ ইনাও শবাক শাজৈগন নিংথৌ এবু উন্নব লাকপদে ? নিংথৌ ওইবসিদি ব্রায় হায় ইপু ; নখোয়না লাকপসি শাগি পাউবু ওগরিব্রা লানগি পাউবু ওইরিব্রা, মৈপোক লাংহৌ, অনা অয়েক্কী ওইরিব্র খনবদ ক্লংশা থীদো। য়াম্ন চাশিন থকচিনখুবগি ককচান চংপ ব্রান নোংবে ইবুক থরুংদোন পান্মিবসি উবব্রা ওরা অহিংন শিঙ মাযাম জংগোক হৌশ হাকমনবন হুব্ব শাংহৌদ্র , প্রজাশিংন লেংনব চানব লৈতভুন ব্রারিবসিদগি এন ব্রাবন যাম্ন হেনব জাংনিকো ইপু। থাজদন তৌবান্ন।

কাতি—অংশ বনি ইনিংথৌ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইন পজাবু মনীং থুংহন্নব লাক্রব হাযব থবকাস সুংডাইব শিনফমদি নত্তে। শ্রীযুংন ব্রাদ ব্রাবিবগ পোখাবিরগে হায়রবস্থ নজা ইবুংঙো পাখঙতিড লাভন ফাবে। খুভম শিলহল্লসিদা স্না বুদ্ধি তৌবায়ু।

বর্ম্ম— মহুমকস্থ বদায়দেনো ইপু চহি৫। ভ নিংথৌ ভংবদৈ তনব, ব্রারেন শু, কুম্মি য়েংন হৈনরব এন নিংথোগাদি থাদোকপ চুম্ব হোংনো, শী দ্রব ফাভবাদ রাজবস্থ ব্রাজন লৈবাক্কা

সেধা তৌজধিগে ইপু। ঐগি মুপা কুমার লমহেন্ন নিংথৌ ওইব মতিক নত্তে, প্রজান মাবু শংই শিল্লি হায়নরকনি, হা ইনাও শারাক শাজৈ? মুংঙাইন রাব হায়ববু নিংথৌ ওইবন মহেল্লে মহাক্ক থঙত্রকুন ওইনিংলম্বদি য়াই।

শাজৈ —মানি আজ্ঞা, রাখল থেনব কাংবুন নিংথৌ ওইববু মুংঙাই-দৌবোই নীংনৈ: প্রজাগি মনীং থুংনব, অন্নাংপ লাইরব লৈহল্লোই হায়ন থল্লগ শিন লাংব তারবদি নিংথৌ ওইবদ পুক কংখৎনব ঙগোই ঈশৈগি মঙলান্দ ইরোই শানব শংপোৎ নত্তে অজ্ঞা। নিংথৌ ওইনিংব অপঙব প্রজাশিংন্থু অমুক অমুক শিন্নহল্লগ এনী এনীদং ওইহন্দুন য়েংদৌবনি মমা মমা থৌরাণীশিংন্থু উনব।

ধর্ম্ম— নিংথৌ এনী ওংরিবৈঙদ ময়ুমদ পুকৈ থিনখিদ্রা মী কয়াবু ওংলমগদ্রা কিবন চাং য়েংনদবনি শারাক শাজৈ; কুম্মৈদি মুংঙাইথ্রদৌবনি হায়' ভাইথৌ ইপু কান্তিন কোহ্লি' কাব-দৌন ইশুক শুকথন অমুক্ত নোং মংবিরিববু কবি তৌরবগে? হকচাংন্থু থর তেকখৎনব মৈ কনব মহী অমৃতগুপ্ত খিজিকং ফাল্লুসিবাও?

কান্তি—নিংব থৌব লৈ মপু, সনথোঙদ মীয়াম্ন থ্রো থ্রো থোৎতুন মপু স্না নোংদম ভাইজরি. ননাই ইপু কান্তিগ শারাক শাজৈগ ইমানীবু শ্রীযুৎ স্না চরন্দ রাকৎলু হায়রন থাজিল্লকপনি।

ধর্ম্ম— করি রাথোক্লি হায়বগে ইপু? (মুংশা থীন) চরা হেন্ন-বগিরা, শা ভা[redacted], লান লাকপ্রা? প্রজান ঐবু ফত্তে

হায়নব্রা ? নিংথম থাদ ঐন ভবোং পোন্দেল ৫০০ য়েনখিবছ কাওনখ্রবা ?

কাতি — কৈশুমশংগি ব্রাথোক ভরাং অহিংগিছু হঙ্গংলুদন শারাক শাজৈ।

শাজৈ—অজ্ঞা, ভরাং নোংয়াই চবুক লোনবদ মাংথুম হাপ্প নিপা অনীন শগোল অমমম তোংছুন কৈশুমশংদ থৌজিল্লক্লগ প্রজাগি চরম মেৎলুবৈ, কোট কারষ্বৈ, শেঙ্গাও লাকউবৈ, মরাল লৈতবমী চানম চারুবৈ অব্রাভম তারিব খুন্দোনগি গুণ্ডা ১০ থাদোকখ্রে।

ধর্ম্ম— শাজৈ নংন ভূমছুন লৈরিভৈব্রাও ?

শাজৈ—তৌদোক্লছুন মীং পাংলিভৈদনি, স্না মুহার কোম্নব স্না য়াথাংস য়াওবকই—থাদোকউ হায়ছুন, স্না মীংয়েং অমুক্ত ভাদিস।

ধর্ম্ম— হাইস ! কনান মুহোব হুরাল্লগ, ঐগি সহি শারকইবনো ? কেশুংদ ঠোক চংলে, লৈবাক ব্রা য়াম্ব তাবেনা ! ঐগি লৈম ১০৮াস মবুক শেংদবয়াওরবা স্না অক্ষিস্ত হুরানব চংলম্ব তাবে স্ন মুহোব হুবাল্লগ ঐগি সহি শাছুন ভাকু ময়াম থাদোক্রম্ব নিপাছুগি ব্রায়েন চৈরাক্তি ইপু কাতি শঙলিভবদ পাঁছুন অভাং ওলহনব। চংলো ইপু ব্রায়েন কাতি, নংস্থু শারাক শাজৈ অথোব, শামী লাম্মী প্রজা মীয়াম খোম্মগ শারমচৎত হৈনখ্রব তোভম্ব মীনুখাংশিংদো। লৈরম্ব মকমদৈ হিংন নগ্রগ শিন ফাছুন পুরকউ। লৈবাকসিদ অরানব

হিকমা অমফাও লৈব য়ারোই। হায় কনা লৈ? ড্রাকু ফারুসি হায়ভুন লৈবাক থুংন শগোল পাউ চেল্ল।

Record : সাইরেনগুম্ব দবল বেঙ্গুল খোংখিব, শগোল থেংখিব মখোল।

অপা— পভখ্রেদা সুনীতি নংসে, অরেম্বদ নম্নুং কল্লগ ননম নাগেদনি। হিংলিডৈদ মুংভাইগে হায়রবদি মজা ইবুংঙোন চানবীবসিদ হরাও হরাও য়াওও। অচুম্ব অফোংব লৈবাক্ষ য়াব লম্বীদি কুদ্রুক কাদ্রাকপনে, চীংয়া তময়া হেক্ত য়োব অশম্ব লম্বীদন লমচ্ছই মকোন থেংনবনে।

সুনী— অরোনব অশম্ব লম্বীম্ব তাঙ্খং য়ুগল্লি, ঐ ইশান হৈনজদে, য়ানীংদে ভম্মোই। অরেম্বদ চোপ্তুন তোক্ননি. ঐবু ফাইনগম্ব খাম্মু ইচে নিংথৌ মচাসিবু। অবানব লম্বী চংতবীনি ঐ।

পা— করি হায়রে অপাম্বী ? থেংখ্রে, য়ানি, দ্রবা ননাওদো ?

অপা— য়াদি য়াজরনি, খিৎতং ওইনজরি অথৌব।

লম— কদায় ইতাও মসিরা সুনীতি ? ফজৈদনা, করিমত চিংনম্ন করিমত হঙ্গোহন্ন নিংথৌ মচানি হায়ভুন ঐবু কারিব্রা ? পাবুং হেক নোঙ্গাখিবগ ঐন নিংথৌ নংন রাণী লাও ঐগি ওইদ ফম্ব হোবো। (পময়ুন গাড়িদ হাম্মী)

সুনী— তৌবীম্নু মজা ইবুংগো, ঐ ভমজরোই। ঐবু ফাবীম্নু, ঐ য়াজনীংদে। পাবুংবু অহল লম্মন্দ হায়হনবীয়ু। ননাই ঐদি মীওং অমনি, অচুম্ব অশেংব নীতিদ পামজবীনি। ঐবু থাদোকপীম্নু, অরেম্বদ ব্রাথোক্নবনি !

পা— (বুপ বুপ ংঙন্দ ফুংগ) লমহেনগন্নু নংগুম্ব নুপীমচান নাম্ভোকপ ভমগত্রা ? নথরাইত্থু মাংনিংত্রা হৈজ্রাং অসিন য়েঙ্গাংগুম শেন্মুরা ? (অনী চংত্থন ফারগ গাড়ীদ হাপখি)

সুনী— (লাওই) ইশান য়াদে, ঐবু ফারে—খর কনবীরো।

অপা— হায় সুনীতি, করিগি লাওরি ? নরাংবক ফনব লণ্বীনি ঐখোয়ন চেল্লিনসি। রাণী ংইদোবগি ভাইব চংলিবনি অপডবী গাড়ী থোবীরো হেক্ক। মচীন মেনবীয়ু মপা শুরাইসি।

Record : শাক্কৈ মখোল, শগোল শরিক অমসুং খোঙথাং মখোল।

সুনী— ইশান য়াদন ফাবীরে, ঐবু খরা কনবীরো।

পা— মা খুংন ভকথী চপ্পাঁয়ু, ঐ মচীন মেঙ্গগে।

অপা— নংগি মীচং কনাম্ন লৈরোই, অরেম্বদ লাওম্ন।

লম— অরেম্বদ নথরাই মাংনিংত্রা ? থাংজ্ঞ কদায় ইতাও ?

সুনী— মুপীদ থোনা কন্ম রাজকুমার। ভক তেক্লে, অয়োইমা। (খংলাও) ঐবু খর কনবীরো, মী হাংলে, মী হাংলে।

(মরোল শেংদন লাওব)

পা— মথোরীদ থাং মনমত্থন খর খর লেনবীয়ু মজা ইবুংঙো। হায় কদায়দনো শগোল গাড়ী নংন থোরিবদো ? শা কৈন থল্লব নারক চীংখোঙংলামদদি থোগে হায়দন ?

সুনী— মী হাংলে মী হাংলে, শরাংদদি কনবীয়ু, ঐবু ফাবীরে নিংথোগি মচা মাইথাব পুকচা ওবন। (খংলাও, খংলেপ) ময়েক শেংদন মচীন মেনখি।

লম— হায়, নয়ান চৌরুন্দ – অয়ো ! হাংতোল্লসিরা মসিবু ইতাও ? ঈ য়াম্ন তারেদা।

পা— ময়া মথৈ শংলগ মথরাইদি খাকসি ইতাও, মশক মান্নব অতৈ ফংলবোই।

সুনী— ঐবু থরাইদদি—

Record : মী য়াম্ন ব্বা ব্রা লাওন থাম্ব :
খামখো খামখো, চংপ য়াদে শগোল গাডীন্থ !

লম— (গাড়ী লেপ্লগ) কনা কনানো কবিগিনো গাড়ী খাম্মীবা ? নথৌ করি লৈ নুপী চিংবদ ? ঐ কনানো খঙদ্রা ? ধর্ম্মপুরগি মজা ইবুংঙোনে ঐহাক। লৈবাকসি পাবুংগিনে, লৈবাকাসদ শাংপ শাঁডেল মজা ইবুংঙো ঐন অপাম্ব থন্দূন হেকপনি নথোয় নথৌ করি লৈ ? শগোল থৌ।

শাজৈ—ঙাইথো, থৌব য়াদে। তাশোনশিংদু শগোল মমাংদ চিংতুন লৈয়ু। ঐ কনানো য়েংউ, ধর্ম্মপুরগি শা অভাওব লাকপ শারাক শাজৈ হায়বদু ঐনি। আদ ইপু ব্রায়েন কাতি নিংথৌগি স্না য়াথং পুতুন লেংলক্লি। “মবাল লৈব শাবম চংপ মীবু ফারগ কৈ শুমশংদ থম্মু” হায়ব স্না য়াথং য়াওবি। মশান য়াদব নুপা চিংব ধর্ম্মপুরগি চংনরোল নত্তে, আইম্ন য়াদে ; কৈশুমশংদ লেংশিনব তায় যুবরাজ ওহরবম্মু।

ম— নোকশিনগদব ব্রানি, মতুদি শাদ হায়রু শারাক শাজৈ, নংন লাকদবদি যণ শগোলংদনি। ধর্ম্মপুরগি চংনরোল, আইনদি প্রজা মীচম ফানব পুন্নবনি, নিংথৌ অমসুং মজা ইবুংঙোদদি

নংগি আইন্দু চংদে—নং হন্দোকউ লম্বী থৎকন্নু। নমাইহুদ শগোল শাজৈন কল্লুরা ?

শাজৈ—নতিক করি লৈত্রন, মকমদে কোকপদ ভাইরিব যুবরাজ নংন চহি লিশীং কয়া পুন্সিরব প্রজাগি শারাক শাজৈবু উশিত্তব। ধর্ম্মপুরগি অচুম্ব পাম্ব প্রজাশা! লৈবাক্কী য়াইফনবগিদমক অহাম্ব নিংথৌ মরুমসি ফাও, কৈশুমশংদ থৌ তৌনব, চাবান থানব। প্রজাগি শক্তিবু, মীয়ামগি তাশোনবু উশিত্তব শায়।

লম— হন্দোকউ, চুইগুম্ব নখোয়ন মপুগি মচা ঐবু ফার মতিক্লা ? শাজৈন থৌজিনব য়ারুন্নু, নপুন্সি মাংনিংদ্রবদি হন্দোকউ।

কাতি—(off the mike) : ভাইখোঁ, ভাইখো! প্রজাশিংসু মজা ইবুংঙোসু খুৎ থোকপিখিনু, চৌনকাঙজৈদে হেনবীথিনু, হন্নুব ব্রায়েন কাতি ঐ অমুক্ত চপ্তুন য়েংঙিগে।

লম— ইপু কাতি, নিংথৌগি মজা ইবুংঙো ঐন অপাম্ব মুপীমচা অম চেনবদ শারাক শাজৈ মাগুম্বন ফাবগি মতিক করি লৈভম থোকই ? ইপা নিংথৌগি লৈবাকসিদ হংচিৎ নিংথৌ ওইরগদৌব ঐন হনিংতৌব খিৎতং ঔবাইববু আইন্দ করি কায় ? অশেংব তাকউ কোৎহ্লিং কাব মথৈ হুম্মুরবনি নং।

কাতি—কদায়নো মুপীমচাহুদে মজা ইবুংঙো ? মমীংন করি কৌই।

মুনী – ঐান ইপু, ইশান য়াজদন থাং উতুন ডকথি চপ্তুন মজা ইবুংঙোন ফাবীরকপনি। ইশান সুনীতি কৌজৈ অপৈব লীচৎ থব্রাইন য়াজদে, নশুবু থাদোকপীয়ু।

কাতি— তৌব ঙম্মদৌব মানবী অমহুন কনানো ? মান হায়রিবসি চুম্না নং খুম্মু।

অপা— ঐগি ইনাওনি ইপু, মশান য়াহুন লাকপনি, সুন্নাইদ শেমহুন খুম্বনি—ঐগি ইমীং অপান্থী কৌই।

স্ননী— থাজবীরুন্নু ইপু, ঐগি ইচেসি ধর্ম্মপুরদ অধর্ম্ম মথৈ পোক-হনবী য়েনবীনি। যুবরাজ মরূপ পাখঙসিগ মখোয়নীন অমত্তু ওইরগ শিকার তৌহুন চাক কৌরগ ঐবু শাগুম ফাহুন লম-হেন যুবরাজদ পীরকপনি। ঐ ওক নচ্চদে ধর্ম্ম কায়জদবী স্নুপীমচানি।

পা— মচৌন থীখ্রবী স্নুপীমচানি মসি ইপু, মান ঐখোয়বু কৌহুন চৎলুবনি স্না পামদে হায়হুন নিংঙাই তৌবনি লম্বীদ।

কাতি— মচাম্বীম্নু পাখঙ, অচুম অরান নমাই নমাইদৈ খঙলে ঐ, নন্না অশেন্ব তাহুন কান্নদে। মঙ্গা ইবুংঙো নপাবুংগি স্না য়াথং য়াওরি লম হেনবীনু। নপাবুংন অরোইব বিচাব কোন্ন তৌবীনব কৈশুমশংদ পোম্থাবীরো লেংলসি।

লম— স্না য়াথংগি চেহু য়েংগে ইপু কদায়।

কাতি— স্না মুহোব অশেংব নত্ত, স্না সহি অশেংব তৌব স্না য়াথং-নিনে। "অরানব তৌব মাল্লব থুদিংবু মীশক য়েংদন ফাবগ কৈশুমশংহু থম্ম।" শাবমচং ডারমচং অঙম্নন অশোনববু ফাহুন চানহুন হুজিক্তি য়াদ্রে মঙ্গা ইবুংঙো। মতমগি ইবাং খংবীযু।

লম— কৈ পাবুংন হয়েং বিচার তৌরগ শংগদনা কৈ। ঐন ঙম্মগ নখোয়নী নফমদগি ইস্কুগে।

শাজৈ— শামো লান্মী অমসুং প্রজা ইচিন্নাওশিং ! মরাল লৈবশিংবু কৈঙুমশংদ হোইজিল্লু।

সুনী— ইরাল লৈজরবী ঐবুদি থাদোকপিরোইদ্রা অঙম্বা ?

শাজৈ— বিচার লোয়দ্রি ফাওবদি নংসু লৈখিব তায় সুপী, সঙ্গিগি দোষ, নচেন মরম ওকলমবগি।

Record ; Sad instrumental music ending with shrill noise. মীয়াম লাংই নিল্লি।

ময়াম— ধর্ম্মবিচার পাম্মী—ধর্ম্মবিচার !
মরাল লৈবদ — মতিক চাব চৈরাক।
মীশক মীমাই—য়েংবাব য়াদে।
প্রজাগি মীংত — উং চায়ফদে।

Record : নিংথৌ লেংথোরকপগি বেঙ্গুল খোংব

শাজৈ— লাংবারনু লৈবাক মচাশা। প্রজা চানব, মশাগি ওইজব থাদোকপ, ধর্ম্মপুরগি ইনিংথৌ, শ্রীযুৎ ধর্ম্মবতার লেংথোরক্লে, প্রজাগি নীঙব থুংনব মতিক চাব য়ায়েন খোদাং পাংবীরনি।

ধর্ম্ম— ঐগি ন্যুংশিরব প্রজাশা ! নখোয় অরেম্বদ লাংগনু, লাওগনু, ঐ হৈনদে ! নখোয়গি য়াইফনব অচুম্ব অফব থবক্তো নিংথৌ ঐন তৌবীরকনি। লমপাক দরবারশং মমাংতুদ পুংমুকুং তুম্মিন্ন ফমতুন লৈখো। কৈঙুমশং য়েংউরগ, অঙম্বশিংগ তান্নরগ বিচারগি রায় হায়দোকনি। হায়, ফীজাও ইনব নং নকশিল্লকনু। থাং লোৎলিব জাৎলা ?

শাজৈ—হন্দোক উনহায়, লম্বী মনাক্ত লেপকনু, নকোক নোম্দুন লাপ্ন লৈরু।

ধর্ম্ম— কদায় শাজৈ, ইপু কাতিত্থু উদেনা, কৌরকউ, কৈশুমশংদ ফারিব তৌব চম্মব ডাকুশিংত্থু ঐ মশক য়েংগে।

কাতি— ননাই ইপু খুরুমজরি ইনিংথৌ, প্রজাগি থৱাই অহেনব। ভসিদি বিচার চুম্ন শেংন তৌবীদব য়ারোইদৌরি, মাইকৈ থুদিংদৈ মী শুন তিল্লে।

ধর্ম্ম— মরাল লৈবশিংবু থাদোক্লম্ব, লৈবাক্ত উংপাত থোকহল্লিব লুট মপীশিংত্থু কয়া ফারে ?

শাজৈ—অনী অহুম ফারে আজ্ঞা, লৈবাক্কী অরানব ফত্তবমখৈ মথোয়দন ইল্লিন্দুন তৌব ওইরমলে।

কাতি- থোংনাং অচৌবগি মরা ময়াম শন্দোকপগুম ডাকু অনীখক্তগি মরামতা, মচা মনাও, মশেন মবাই, খুড়া মাম, মচেগি মচাগি মামগ পোকমীন্নব মনেগি মতৈগ হৌমীন্নব মরুপকী মরামতা, বাড়া সম্বন্ধী ডাক্ত ওইরম্মে আজ্ঞা লৈবাক মাংনব তৌরম্মীবসি।

ধর্ম্ম— অহুদি গুণ্ডা পাপী, ডাকু মপী ২। ওহু য়ান্থংতুন অডাং শুনহল্লগ লৈবাক মরা তপ্লে, মুংডাইন পাল্লেদন ইপু। করেন প্রজাশিংবু মনাং থুংহনব লায়রনি। ঐ মথোয়বু মঙাক অমুক্তদি য়েংহৌগে।

শাজৈ—হায় কনা লৈ ? কৈশুমশংগি থোডজাওত্থু হাংদোকউ।

Record : থোঙজাওন গে লাওব।

ধর্ম্ম — নরুব কৌজে, লাপ্পপ য়েংগে, কদায় কদায়নো মশক্তু তাকউ।

শাজৈ—নোংয়াই চবুক্ত কৈশুমশংদ লাক্লগ মী হাংপ লুট চংপ ১০ স্না মুহোর উংলম্মুগ থাদোকখিব ডাকু মপাচু মকোক্ত ফামু য়েংলিব, মমাই লোংলিব নিপাসিনি, ঙসি মশান য়াজদবী নুপীমচা কপ লাওবা অম চিংথুন লখাদ পুরকপস্থু মহাকনি। লৈবাকসিদ শেন চাব, কোংঙগি ফৌ নমথুন কোংখিব, অপঙব প্রজাবু থাজহল্লগ হাংপ মীনুথাঙশিংগি লুচিংবস্থু মহাকনি আজ্ঞা।

কাতি — মহাক নপ্রবস্থু মহাক্কীমবা মতা মরূপ মপাং মঙ্গোন্দগি থোইনশিন ফংব ডাক্তনি। মনাক্ত ফম্মাব ডাকু মকোক্ত রুমাল সেংপশিন মাগি সেংথংব পাংখোমনি, মমাং লুরাক্লন য়েংলা মশরু কুরাক মান্ন ফজবী পায়ক্রুবগ তীল্লাইখোম্বা চুংদোন মানবী খসিন মমা অপাধ্ব কৌই, ধর্ম্মপুবগি তাঙখাক পুন্নক মান বোকপ মকামদৈ ওনবনি

ধর্ম্ম খব লাগ ফম্মাবা লৈশাবা অসিদি মশক্তি ফজৈ হায়, শাগে জাং কাবদ্রা? এদি নহ ন মখৈ উদেন অস্থক পুক্লিং হুবাদ।

শাজৈ—মমাং স্থমতা কৌহ; অসাই চেংলকই হায়বহু মহাকপুন।

ধর্ম্ম— ম্যাঙ্গুথল লোবদ মতিথস্থু চাদন, কনানোনে ডাকু পাথঙ মকোক্ত ফানু য়েংপ অসিবো? হায় লাহমুন ওনব নবো কনানো? নমাংন কবি কৌহ?

লম— (off the mike) ঐবু শক খঙবিদ্রনে পাগং?

ধর্ম্ম— কনানোনে ইপু ঐঙোন্দ পাবুং কৌরীব ডাকু মপী অসিবো? ঐ মশক লাকশিনব ভমদ্রে।

কাতি— কনা নত্তে টনিংথৌ, নজা ইবুংঙো লমহেল্লি।

ধর্ম্ম— মহাক ওইরে, লৈবাক্কী মাংনা পোকপ পাপী, নং ঐঙোন্দ পাবুং কৌরকন্নু, ঐ নংগি নপা নত্তে। ঐগি ইচা ওইরম্মবদি লৈবাক্কী আইন চংনরোল কায়হল্লম্মোইদবনি। স্না মুহোর করম্ম হূরাল্লি? নিংথৌগি সহি করিগি শায়? মশান য়াদবা কারগি চিংউই? হূবানব চিন্থৌবশিংদ করিগি মতেং পীরুই?

লম— পাবুং ঐ পাখঙ ফারবনে. মুপামচাসি ফন ফজবনে, মাগি নিঙাই ভম্নব মপা পাবুং ডাকু থর থাদোকখ্রে। করিস্নু লৈতব পোৎনে, মীন ইস্নিনব তাবীরুনো। ইমান্নব মুপা অঙাং মীয়াম্মাংদ লম্বীদ ধর্ম্মপুরগি যুবরাজ ঐবু কৈশুমশংদ লাকপদ শানাক শাজৈন ইকাইব পীখি, ইন্নব রায়েন কাতিন মতেং পীখি, মজা ইবুংঙা ঐবু কৈশুমশংদ থম্মীবসি পাবুং মহারাজগি হুজ্জুং মাংহনবনি, মতুগি মতিকচাব চৈরাক পীবিয়ু মথোয়নাদ।

শাজৈ— থম্লাই কনবীগু লাওজুন চংলিবী মুপামচাবু কনবীব, মরাল লৈতব মীবু ওংপির অবানব তৌববু ফাব শারাক শাজৈ ঐগি হৃথৌনি। অংঙৈনগি মমাংত মী পুন্নমক চপ মানৈ যুবরাজ।

লম— নং ঐঙোন্দ যুবরাজকা হায়রকন্নু শাজৈ। ঐন পাবুংগি মহুং

শিন্দুন 'ন'থৌ ওইরব মতমদ নংগুম্ব শাজৈদি থাংজৌন মতুপ মতুপ কক্লগ লংথোকখিনি।

ধর্ম্ম— তুমিন লৈয়ু হায়রিদে। (শাওন লাওব)

কাতি—হায়রিদে যুবরাজ, হায়রিদে। লৈবাক্কী শারাক শাজৈদি অম তেকখ্রবস্থু অম নত্রগ অমন শিনগনি। লৈতব থক য়ারোই।

ধর্ম্ম— হায় মুপামচা স্থনীতি, নংন করিগিনো ঐগি ইচামক্ল লৌগে হায়বদ য়াদ্রিবদে ?

স্থনী - ননাই ঐ অরানব চংগ ডাকুব্ পামজদে, মরমচং লেপ্তব নিপাদ য়ুম পাঞ্জবোই, মহৈ ফন হৈসম্থু, মপোক ফন পোকসন্থু।

ধর্ম্ম - ভসিগি বিচারসি লুদৌরি, নিংশৌ ঐগি মাই য়েংদুন 'যুব-রাজদ লৈয়ু।

স্থনী— স্থনীতি ঐবু নমৌ ওইবীগে হায়রবদি অহানবদ নজা ইবুংঙো অবানব অমত্ত তৌবীব য়াবোই, ঐন হায়ব অফবমথৈ ইনবীব তায়। অনাগুবদি কান্নদে হায়জরোই।

লম— হায়য়ু স্থনীতি ইবেম্মা, করিমত চিংনস্থু, ঐঙোন্দবু নংন লৈবীগে হায়রবদি ঐ অরানবৈ তৌবোই নংন হায়রিবমথৈ ইনগনি।

ধর্ম্ম— অনাগুলব্দু হায়য়ু তাগে স্থনীতি।

স্থনী— অচুম্ব অফবত ভাংবা ঐন হায়ব রান লৈবাক্কী অরোইব রা ওইগদবনি, অতৈ কনামতন ককপ য়াদে।

ধৰ্ম্ম — মন্তগি অৰ্থদি নিংথৌ ঐগি ইহুং শিনগে হায়বনিনে? ঐ হিংলিঙৈদ ওইরোই, রাজবিদ্রোহীন ঙাংগদব রানি মহুদি ঐন নিংথৌ ওইরিবমথৈ শারাক শাজৈ, সুনীতিবু মচান মেল্লগ কৈশুমশংদ পুন্দূন থম্মু, থাদোকপ য়াদে।

লম — পাবু মহারাজ অমগু ঙাইব নচা ঐবু নুংশিবীয়ু।

ধৰ্ম্ম — তানিংদে তুমিন লৈয়ু। নচং চুমদব রাজবিদ্রোহী নংন ইহুং শিনব য়ারোই। ঐ হিংলিবমথৈ নিংথৌ ওইথিনি। ইপু কাতি, ঐগি অমগু ঙাইধ্রব ইচানশু পিশকসিদ করি চৈরাক পীসি হায়বা?

কাতি ননাই ঐদি হপ্তরে, কোংহিলং কারে, থবক তোকচরগে ঐগি ইহুং ওইগদবতুগ তানবীবন ফবগদ্রা?

শাজৈ ননাই ঐন ঙইজরিব শাজৈসিমু শুম চারে, রাশা অনৌব অম শিনবীরে। অজ্ঞা।

লম — তোকনিংলবশিংহু তাকহনবাখ্রো, পাবু, মহু শিনবানব হায়রিবমথৈ ইন্দোব পাক থন্ন লৈরে।

ধৰ্ম্ম - তুমিন্ন লৈয়ু, নরা লোদে রাজবিদ্রোহী। নংগি নতিক চাব চৈরাক্ত শংলিংবদ পীব, অচা ওনহল্লনব।

লম — ঐবুরা পাবু? ঐমকপো?

কাতি — } করি মুমিত্তনিন ইনিংথৌ ধৰ্ম্মবতার?
শাজৈ — }

ধৰ্ম্ম — মুমিত্তি থর তম লেপকে অওম্বশা। (শোম্ন ঙাব)

কাতি মুমিৎতু থওদ্রিফাও ননাই ইপু কাতিবু পোথাজথোরা লৈবাক্তী থবক্তগি?

শাজৈ—ননাই ঐগিস্থনি ইপুগি পুকচেল অসি, হায়ব ইনগদব অতৈ ধর্ম্মপুরদ পাক থম্ন লৈরমনি।

ধর্ম্ম— ঙসিদৈ চহি ১ হেক শুব হুমিঙগি নিংথৌ ইহুৎ শিনব পান্মিব রাজবীদ্রোহী অসিবু—অঙাং ওনহল্লু। (রান হায়ব)

লম— নচা স্থংশিবঁদ্রব পাবুং? অমত্তু ঙাইগ নচাহু ঐনে—পাবুং, পাবুং, পাবুং!

ধর্ম্ম — ঐ নিংথৌ ওইনিংই, নং লৈবগ রা য়াম্নবনি. চৎলু ইপু কাতি, লৈবাক্ত লাওথোকউসি।

লম — (off the mike) পাবু· ঐবু থরাইদদি কনবীয়ো, নচা নহাক্, থরাইদদি—(অঙা ওবগুম লাওহৌই)

Record : মানিন, লাউব, খোংব, বেঙ্গুল।

কাতি -তুমিন্ন লৈবাধু লৈবাক মচাশ।। স্না নোংদম রায়েন চৈরাক তাকপাদৌবি।

ধর্ম্ম— স্থংশিরব ঐগি প্রজা পুন্নমক। ধর্ম্মপুরগি আইন মতুংইম্না য়ুবরাজ লমহেন লৈবাক কায়নব শিল্লম্বগিদমক ঙসিদৈ চহি অম শুবদ অঙাং ৺ল্লনি। অতৈ মাগি মতেং পীরম্ব অরানব তৌবম্ব পুন্নমক চহি ১০ কৈশুমশংদ থবক শূব অরাভমদ লৈব তারে। স্থনীতি মরাপ লৈত্রবমু রাঙাং খোনফম থীবগি ঐন হীংলিবমখৈ ধর্ম্মপুবগি রাংমদ লৈরুব তাবে। মসিন লোইরে।

Record : Sad music মতেক অম।

(মীহুৎথোংদৈ যুবরাজন লাওই কপ্লুন)

(off the mike) থন্নাইদদি কনবীয়ো পাবুং থন্নাইদদি কনবীয়ো—নজা ইবুংঙোনে।

Record : গীতরন ফ্রেং।

লোইরব

তাইবংজাম্বা

Serial No. 1.

লীলা মীকোক

Permanent Characters

১। তাইবংজাম্বা তোম্বেন —aged 45 yrs.
Matric fail, L P. Teacher, optimist, humorous, dreamer, Less Practical, a mild critic of Society.

২। তাইবংজাম্বী চাউবী, about 45 years old
Proud house keeper, Practical, god fearing ambitious, strictly moral, critical of her husband's attitude of life.

৩। ইতাও তুনান, অরাংবুরেন — aged 45 years
Superstitious, keeper of Social customs and traditions, a foil for his friend তোম্বেন।

Temporary Characters

(Taking turns in their appearence)

৪। কেথবী daughter to তোম্বেন, 4th issue, 16 yrs.
a modern spider girl, educated but cowardly.

৫। তোম্বু, the youngest son (5th) —aged 14 yrs.
an obedient and intelligent boy, but of delicate health, under nourished——....

৬। খোইনৌ: a step son of তোম্বেন —27 yrs.
by a mother residing at খোংজোম।

———

তাইবংজাম্বা

SERIAL NO. I

(Lilting low music from a cowherd's flute is heard)

কালেন ছুটিগি সুংথিল পুং ২॥০ রোম তারে তোলেন তাইবং-জাম্বা মাঙোন্দ তূমই খ্রো খ্রো নাখোক্লুন।

(Record : Snoring Sound moving off the mike)

তোম্বু—(লাইরিক ঔরাহরি) চহি ৪৫ রোম হৌখ্রে, মণিপুরদ পোৎচৈ অওকপ ফংন হোংলম্মী। সনা শন্দা লুপা ৫, মুহোর অমদা ২০ দমক পীরম্মী। থর তোংব মতমদা লুপা অমগি ফৌ শংবাই ৩ তৌরম্মী, থর তাংলগ লুপাগি শংবাই অনী তৌ-রম্মী। ফৌ শংবাইদা শিকি মঙা পীব কান্দা চাক তাংবন মী য়াম্না রাবৈ, শিবৈ। চহি ৪৫ রোম হৌখ্রে, মণিপুরদ পোৎ য়াম্না হোংলম্মী, ফজরব শগোল লুপা ৩০ মুক্তা পীরম্মী, মীনাই অম কোকপদ লুপা ১৫ তিংনথি, নিপা অমনা হাজিরা শুবদ নোংমদা সিকি পৈশা মরী কৎনখি। চুরুট অহাওব উপুদ পৈশা ৮। ৯ দা থক্লখি। ফী ওবোং অফব অমদ লুপা ২॥০ পীরম্মী। চহি ৪৫ রোম হৌখ্রে, তলব লুপা ৬॥০ গাব, পিওন চাপ্রাসী, দোলাইপাবা মরম্মু ওক্লবদি ময়ুম য়ুমজাও কা ৫ শাহুন মুংডাইন শেং চাহুন পান্নরম্মী।

সনা :লৌব ফংব মীতৈদি পোত্থাং পূনদে। পুং ইশৈ তৌব নিপাদ মচান্নুপী থাজনব পাম্নরম্মী, মথংদা হন্না ড্রাইভর মুপীন পাম্নরম্ব নিপা।

চাউ— করি লাইরিক্লো নিপামচা তোম্বু নংনা ঔরাইরিবত্নবো ?

তোম্বু— ইমা, মণিপুরগি সামাজিক ইতিহাসনি চহি ৪৫ গি মমাংদ ওইরম্ব ফিভম। ইমা নং চহি কয়া শুরে।

চাউ— করিগিনো ঐগি চহিদি ৪০ শুররিনি নং বাজিনা ৪৫ ওইরম্ব তারে।

তো'ম্বু— অহুদি ঐনা পারিবসি বাজিনা পোকপদ ভাইরিদৈ ব্রানি। ফৌশংবাইদা শিকি অনা পৌরম্মী, হুজিক্কি কয়া পৌবি ইমা ?

চাউ— নুপা ৩০ গি মনাক্ত লৈযানে। তোম্বু, নং বাজিসি অমুক্ত হৌদোকউ। মুংভাইনমকম্বু তূম্মেদা তাইবংজাম্বসে।

তোম্বু— ঐ হৌদোকপ ভম্মোই ইমা, বাজিনা ঐভোন্দ হৌদোক্লক্কম্বু হায়রম্মী। (নাখোকপ তায়)

চাউ— লম হেনগম্বু তাইবংজাম্বগি মচা।

তোম্বু— লম হেনব নত্তে বাজিনা হান্ন হায়খিব ইনবনি—ইমান কোন্ন হায়বনি। অত্নুগ ঐগি ইপাদ করেম্নতুন তাইবংজাম্ব হায়ম্বু ঐগি ইমাংদা।

চাউ— নপাগি মীচং ওইরে নং, খঙনি। হায়, তারিব্রা কেথবী, ইমাগি ইবেম্মা ?

তোম্বু— চহি ৪০ রোমগি মমাংদা কলিকাতাগি হোটেলদা মৈতৈ লাইরব অমনা পৈশা ৬ | ৭ তিংলগ চাক চরা অম হাওনা চারম্মী। চহি ৩৭ কি মমাংদ গৌহাটিদ কোলেজ তম্ব হোটেলদ লৈব ছাত্রগি মেশ দিউ থা অমদা লুপা ১০মুক্তনা ওক্লম্মী। (A little off the mike)

কেথ— ইমা ঐবু কৌবীব্রাও ?

চাউ— নং বাজিসি অমুক্ত হৌদোকউ নহায়, চাখিব চাকয়ামত্তুনা নম্মমানে।

কেথ— ইমা ঐদি ওসি চাক চংথাম অমত্তা চারবনে, বাজিনা হাখিবা চাক গ্রাম ৭২০ দি ওইনি, ঐগুম্ব অহুম্না চাব ওকনি হায়বা।

তোম্বু — চাক অহুক য়াম্না চাখ্রিবত্তু করিগিনো থডব্রা ইচে নং ?

কেথ— পূক নোইহনব ত'ম্বখিবদৈ।

তোম্বু - নত্তে, ইমান চাক চারিঁডেদ ভাংব জবে' জবে', মহ তানিং-দত্তুন চাক্ত তায়নখিবা।

চাউ — নচাইম্বু তাইবংজাম্মচা।

কেথ— মুংডংহনবু তু'ম্বদা করিগিনো হৌদোক্লোরিবো ইমা ?

চাউ — নং তাচৌত্তুনা শেন্দ্রাদ নতৈমগা ভান্দ্রা চারুনি হায়ব্রা করিনো চংখিবদে হল্লকঐ চিঠি অমও ইবাম্বু থীন্দন. হল্লকুব ঐন ছুজিক নচেথোয়দা চংপদা চিঠিহ য়োথনব পীহনাখগে হায়বনে।

কেথ— বাজি, বাজি। তাবগতুংগদি ফরিদা ঐখোয় বাজিসে। ইনা হৌদোক্তৌ শক্ক চিঠি ওইরমানে অইব অম লৈরে।

তোম্নু— মচু ইরম্মগ তুমখিবনি।

চাউ— পাও তাগে চিঠি মরোলছু ।

কেথ— (শৈরেং ছন্দদা পায়) :

জম জম ব্রা ব্রা ; কুমগি নোং হৌবেদনা ;
য়ুম খিৎত ফোংহৌগে, নীংখি ঙমহৌদে কত্তন !

জম জম খব্রাক খব্রাক ; লেন তারেদনা
লু কোকপদা ; লৌ ইখোলগি খাজনা, মৈ
ঈশিং মুংশিংকিস্নু ।

তু খোং পাৎ কোম, ইরং লংলে ঈশিংনা,
নম্বুল ইম্ফাল ইরিল, শ্বাই পারে ঈশিংনা।

জম জম ব্রাই ব্রাই, লেপ্প নাইদ্রে নো'সে,
চাউবা শোইদ্রে ঈশিংসি, পোৎকী মমলছু
মঙাইরে !

থুম্মে খৈদেন করম্নো, চেং চিনি
এঞ্জাং, পোৎ খুদিংগ মমলন, করি ইচাউনো
সিবো ?

জম জম ব্রাই ব্রাই, পোংকি মমল ইচাউ,
খব্রাক খব্রাক হৈথরে, খাজনা ওল্লে লেপ্পা ।

থুম্মে য়ুম ইখোল, অন্ন-ইচাউদা
তাউথনরে, লৈত লাইরব মথৈদি, স.ন্দ্রন্থী,
ইমাদি খজিন য়োরে ।

শ্রীতাইবংজাম্ব তোলেনসিং ।

তোম্বু— (খুবাক খুই) বা: বাঃ। ঐখোয় বাজি কবি ওল্লে, ওঝা তোকপ য়ারে।

চাউ— করিগি চিঠিনি হায়বগেনে, হায় নপাছু থর হৌদোকউনে থেংখ্রেনে।

কেথ— বাজি, বাজি—ও বাজি।

তাই— হায় কনা কনাগি অঙাংনোনে? মীগি ইখোলদ নাউরী কাপশিল্লকপা, য়ুমথক্তা তেংবাক লংশিল্লকপসিবো? তাইবং পান্দে ছুটি লৌরগ তাইবংজাম্ব ঐবু, ঙহাক্তং পোত্থাজবদা হৌদোকপিবসিবু করম্বা মুংঙাইতব লৈবগে? ঐন কন্নগা নখোয়বু কয়া য়াম্ন মুংঙাইবগে? ঐন, কয়া কুইন তুম্মুরে? (তিংলি য়াংলি) পুকসি ময়েং থর তারেদনা।

চাউ— মুপামচা অহল যাত্রাদ পীখিনব চিঠি হায়বহু ইবিরব্রাও?

তাই— হায় কোম্না পীরসি চোক্লো, মরম্নাই লাকচরনি, য়ুমদ লৈব হুমাং শৌরহুনা হকচীক লাংব চৎখিব ওইরিনি।

চাউ— অদুগা খৈদেন কানব শেস পীরো, নুপীমচা থথাল্লেখোয়দস্থু ঙহাক্তং চংউব তায়। লৈগদব পোৎপূ য়ামখ্রেদা, হয়েং লাইখুরুম্নবা চেংপাক কবোক চুহী, মুপীমচা কেথবীগি ফুরিং ফি, নিপাম্মচাগি খুদৈস্থু শেগায়রে, ফৌস্থু লোইরে চেং রাল্লকপ তায়, অশায়দি অঙাংশিং মবুক থন্নদব য়াওই।

তাই— অশাই ঐবু য়াম্ন চামনখ্রবাও? নখোয়বু থাম্মকপ য়াত্রাও?

(মচাশিংন নোকই)

চাউ— অচুপ ঙসিদি লৌরাইদগি মী ১ | ২ কারকপা য়াই মুপীমচা মশক য়েংবা, য়েঙ্গাংস্নু থর হাওতর য়াদে, করি ভানো পীজ-দোবা থঙদে।

কেথ— কনাগি মুপীমচাবুনো মশক য়েংদৌরিববো ?

চাউ— কনাবু ওইদগে নংবু নত্তনা। মরল লৈখ্রে লৌ য়াম্না চায় হায়রি মপাঙু। লম হেনগন্ন। ঐন শিল্লিবসি চাক নবুক থল্লরনি।

কেথ— ঙম্মোই ইমা কাম্নরোই ঐ লৌরাইদকা য়ুম পানব ঙমজরোই।

চাউ— ইম্ফালদ তল অকংবনা পুকশিংতুন থাংবসি মুংঙাইরিব্রাঙ ? গাড়ী মুক হোংলবদ করিগি লৌরাই ইম্ফালনো ?

কেথ— ঐবু য়োনবগি আশা তৌজন্ন চোপচনি ইমা, ঐ যণ শগোল নত্তেকো। (মখোঙ থীন্দুন চৎখি)

তুনান - (off the mike) নিপাম্মচা তোম্বু, তারিব্রা ?

তোম্বু— (off the mike) কনানো ঐখোয়বুরাঙ ?

তুনান—ইভাও ইবুংঙো লৈব্রাঙ ?

তোম্বু— লৈবনি বাজি, লেংশিনরীয়ু।

তাইবং—লেংশিনবিরকউ ইভাও ইবুংঙো, ঙসিবু ছুটিরাও—অরাংভম কম্ব লেংদ্রবাও ?

তুনান—ঙসিদি ইভাও ষষ্ঠীপূজা অমত্তং লৈ, মচানি, পুং অমরোম লৈরগ চৎপ য়ানি।

তাই— অচুদি করেদা, ঐখোয় ঈমুংগি অরাংভম অমুক্ত কম্বিরম্মু শংবিরিঔদা।

চাউ— তাদ মোড়াদ লেংশিনবিয়ু।

তুনান—করি কর্ম্ম তৌব তারে, কনা লুহোংদোরে মিপাম্না নুপীরা? নপ্তগা ফিরোইরা লুগুণ থাংবগিরা?

তাই— হায় নুপীমচা কেথবী! নং ঝাজিগি চা কপ অমত্তং লোল্লকউ।

চাউ— চিনিদি লৈরম্মরোই, করম্লো?

তাই— থুম্না য়াব, শোগ্রীরা য়েঙ্গিম্না পেরুক্কা করিনো অমা সেবা তৌদব য়াব্রা?

তুনান—কুমদি চিনিন কেকু লোংপাসি কনামতা ফোংব ঙমদেদা! ঐগি ঙইরবদি তৌহনবিকুন্নু ইতাও, নুংশি হিদাক হৌরগ মনা অনী অহুনদং উমগে।

চাউ— ঐখোয়গি হয়েং শনি খুরুম্ম সিবু ঐখোয়গি তাদ অরাংবুরেন নেকসিরাও চাউগদবস্ু ন ে া?

তাই— ইতাও করিগুম কর্ম্মগি পাংচং মু ঝং তাম্নবসিবু দক্ষিনা কয়া লৌবীবগে?

তুনান—কর্ম্মহুদ অরাংভম কম্মগ দক্ষিনা লৌবদগি হেম্না ব্রা তাম্নবগিদি লৌদেন ইতাও। ঐবু দক্ষিনাদ দোর চাউই হায়নব্রাও? কৈদৌবৈনো? কয়া চাউহন্দোরিব কর্ম্মনো?

তাই— য়ারিবমখৈ পিরুব অরাংবুরেনগা তাম্ননিংবনি, লুপা কয়ানো নংন খৈদেন্না পুগে হায়ববু করি করি লৈনবনো?

চাউ— কেথবীগি ফুরিং ফি লুপা ৮, নিপাশ্মচা তোপ্পগি খুদৈ অরাংব লুপা ৭, চেং কিলো ৫ রোম রাম্নব লুপা ১০, ঙা নৈনব লুপা ৫, কয়া শুখ্রে ?

তাই —লুপা ৩৫ শুরে, শনি খুরুম্বগিদি ?

চাউ— চেংপাক কবোক লুপা ৫, কা হৈ লফোই লতং বালভূক শেম্নবা লুপা ৫, কবিনো তাদ লফোই লফাং খিংতং ফজবদ লুপা অম মথাইদগি তাদে হায়বা ?

তুনান— মতম্ননি ইবেম্মা।

চাউ— চুহী শঙ্গোম অতে অরাং অপা লুপা ১০মুক হায়বীরো কয়া শুরবগে ?

তাই —অহানবগি ৩৫ চুগ অকোনবগি ২০ সিগ ৫৫ শুরে।

তুনান—কাবক কাবক কংপগিদি ফবু ফমনখ্রে ইতাও, মতম্ননি। পং- চংদ চংই হুজিক্কালসি, পোং তাংবননি।

তাই— য়ারিবগৈথ চংদনব উপায়সি মলৈত্রব্রা ইতাও ?

তুনান--ইচম্না হায়রিবসি য়াবিবমথৈ পিক্লা হৈনা পাববনি। খর দোর চাউব বাবু ভায়াগি ইমুং ওঃরবদি চেংপাক চুহীদদা লুপা ৫০ চংহল্লিপোংনি।

তাই —ইতাওনা নহানমথৈ ফম্বিরুবিব অবাংভমসিদি মৈতৈ অপওব লাইরহনগে তৌবনিদনা।

তুনান—করি রানো ইতাও, খোন্দ্ যারেন হোবাইগুম নান লেল্লেদা ইতাওন ছাত্রমচাশিং লাইবিক তম্বীবদ ফেল ওইব, লাইরিক হৈহৌদব য়াওখিবশিংডু ইতাওদ তাইনব

য়াদবগুম্বনি। মরল লৈব নক্রগ তৌজনিংবশিংন। য়াম চানিংহুন য়াম কৎচবনি।

তাই— ঙিংত চংহম্লিংব ঐ অমুক্ত শিঙ্গগে য়াগদ্রা য়েংবিয়ো। তাইবং পানবী নং মুন্না তাহৌ, ঐ শেল লৈত্রবনে, তলব ২০০ শুদব ওঝা মচা ঐনা তৌবদ মতিক চাব অমুক্ত হায়জগে।

চাউ— তাজরিয়ে, শকথবীরো।

তাই— রা য়াম্ম ঐন হায়বদা তৌ। নচাগি ফুরিং শেগায়রে, খুদৈ হোরে হায়বহ্ন দজা্দগি ফীজেৎ ফজরব নীরগ পুবীরক্কে, ফজনা ফোংলগ ইণ্টালই তৌব মান্নব লিংহনখো, ইকোনো- মিক বেকব্লাদ্কী মচেনা শেল ফংলগ লৈব য়াই অহনবা। চেং কিলোগ্রাম অনী, ডামহাইবা, বোগ্রাবা খরগ মনামশীংগ লুপা ৫ না ওরুব শিল্লু, তন্ন খর শমনি নোম্প্লবস্তু।

চাউ— মথোই বাজিনে শম্ব তন্দৌবসে, অশাইহ্ন কাওবিরব্রা ?

তাই— পংহাপ্ত হাপচিনবা তুংগি য়েংদব নংগি নরালনি। অহুদগি শনিদেব পূজাগিনা ইবুক শেংন কৎলগ লোইরে, চেংপাক শিকি ১, কবোক সিকি ১, চুহী মখাই অম, সঙ্গোম মখাই অম, লফোই মখাই অম পূন্ন লুপা ২ শুরে, কা হৈ বালভুক লৈনব লুপা ১, সিন্দুর কর্পূর, থোইদিং, লা, অতৈ অতৈ অতৈ অব্রাৎপগি লুপা ১, নংগি ব্লিকসো ভারা লুপা ১গা ৫ শুরে, পূন্না ৫ অনী ১০ সি পুখো। মহুদৈ হেনব লৈতে পেম্মা।

চাউ— মহুদনি নীনা তাইবংজাম্বা হায়নরিবা।

তাই— মতমসিদ হিংগে হায়রবদি ইবেম্মা ঐখোয়গুম্ব চমুংদি তাই-
বংজাম্বগি মরা ইল্লো। করি হায়বগে ইতাও অমাংবুরেন?

তুনান—মহুম্ব য়াই ইন্তাও, মীরোল খর হুক্তবৈ রাদনি। শাওম্ব
ইচনসিকি নরাইবরুনি, মতম্বা থোকহল্লকপ তাইবংজাম্বনি।
হিংব য়ারবনি মী পূম্নমক, পঙবা কাংবুন অম্মুক হেন্না য়ানরে।

তাই— নত্তে, তলব মখাক খর ফংদোব লৈ মহু ফংলব মতমদ মতৌ
মালহনসে। হুজিক্তি লাইগি শোয়দনবদ কৎথিসে, থরাইদং
হিংনব তোংনখিসে। নুপী অঙাং থাকপ ভম্মনি হায়দুন য়ুম
পাল্লুরব ঐখোয়, চাক্ত চাব হৈব ইচাশিংদ তল মচেৎ অমনী
পীরগ মবুক পায়তুনা থাংহল্লিবসি ইকাইরি পোৎনে। থাং-
গদবনি, হিংগদবনি, লাকসম্ম খুদোংথীব কয়', পোৎ খুদিংমক
মমলনা মরেপ থুমসম্ম, থোনা লৈরি, লৌশিংলৈবি। অকব
মতম লাকপ ঙাইথিনি।

চাউ— কদায়দনো লুপা ১০ হায়বত্থ পীবিরো।

তাই— অহুনিদন তাইবংজাম্বী। সে সে। হায় শেল লেম্মবদি
হিদাক তিকি খর য়াওরকউ, পুক থনব হেঙ্গৎতব কামনা
লৈরকন্নকো।

তুনান—অশেংবনি ইতাও, মতমসি মী পূম্নমক থোক মতোনগি ফি-
রালগুম হায়নরবনা অয়াম্বনি। থবক নোমদব য়াদে,
হিক্লোল শূদব য়াদে, অরেম্ব পোৎ লৈফদে, লাইদ য়াম্ন কৎপ
পাপ্পি। থিৎতন পুক থনব তমদব য়াদে।

তাই— ঐশ্ব মীশ্ব, মীতৈসি চাক চাখ্রে, অহুনশ্ব থর হেন্ন নংনবনি,
পঙবগ।

খোই— বা অমত্তা হংজগেবা ?

তাই— করিনো ইবুংঙো, হায়য় ?

খোই— মিং হেক্তা পঞ্জরে, তাইবংজাম্বা তোলেল ওয়াংগী যুম কদায় ওইরবনো ?

তাই— ঐনে করিগিনো ?

খোই— অদুদি থুকমজরি বাঙ্গি ঐ নচানি, লৌরাইদৈনি, বাজিগিদ লৈজরগ কুমাস মেত্রিক থাগে কাজরকপনি। ইমিংন খোংনাং কৌজৈ, বাজিনা থোইলম্মী হায় ইমানা।

তাই— কাব লৌরাইদেনো ? নমা মমিং করি কৌহ ? ইপাদি কাউরেনা।

খোই— খো খোনদৌন, হুমান জন্তুবতী কোই।

তাই— চাক তাংবাসিদ ইপান বুদ্ধি চে হরবনরা, জন্তুবতী হায়বা ক চুবে।

খোই— কাব য়ানো ছ দ ইনান তাক্রকপগ বাজিনা হায়বিরিবসিগ মীম খেনবে। নপাগিদ মু ড হন লৈক লাইদিক তমহনা, নখুংঙা হামহুনা চারুদোবনি তাকপিবকই।

তাই— অদুদি ইবুংঙো সাক্ষী ওইনা নমাদু পুছুন অমুক্ত হান্ন ল কংখো, অহং থর্মাস। শাংখ্লংকা, মতন্নানি।

খোই— ফনি বাড়ি, ডাসিদ খাখাক্ত অমাগ মতু দ সাক্ষী ওইনব ইমা পুতুনা লাকচগে – ইমাস্তু য়াংনন সিদ লৈরগে হায়রবা করিনো থংদে, ঐবায় ছর ওদ চাব ... হৌরে য়াম্না। ঐ হঞ্জরে।

তাই— হরে হরে। করম্নো ঐবো ইতাও, অম্বুক কুপ্ন হিংনব লাক্ল রিব ঐঙোন্দা।

তুনান—খোংজোমদা মুপীবু লৌরুরব্রাও?

তাই— কাউবু কাউরে, লান মনুংগি ব্রা ওইব তারে; ঐন হম্ম য়েং-উদ্রবা।

তুনান—থৌনা ফনা কৌই নচা ওইরম্নি ইতাও।

তাই— করম্নো ইতাও, চাকঙা চাকঙা। মমাস্থু য়াঙনক্লবদি, ইমুংসি "চাকঙা" লাওনদৌরি!

লোইরব।

তাইবংজাম্বা

Serial No. 2. (Unemployment Problem)

(থবক থুংলকপ ঙায়ব)

লীলা মীকোক

– :(o): –

১।	তোলেন তাইবংজাম্বা	—	চড়ি ৪৫
২।	চাউবী	—	,, ৪০
৩।	ইতাও তুনান	—	,, ৪৫

৪। জন্তুবতী, 45 yrs old mother of খোইনীং

৫। য়াইমা 3rd child, 18 yrs, unemployed, turning delinquent.

————

তাইবংজান্না

SERIAL NO. 2

(The cock crows. Sweet music in devotional tone fades in against which the chirping of early morning birds is hard.)

তাই — হায় অঙাংশা, হৌবোনহায় নোংঙানব কুইরপোৎনিনে। নমাতুন অয়ুক ঙস্তা হৌরগ মাইথীশেন হুনব চৎথ্রবা ? ঙবাং পাঞ্জিনা কুমসিদি খর নংদৌরি হায়বতু ফুংঙায়তহুন কোক্লব চৎলম্ব য়াই, থাজগনবী নুপী। হিদাক ঙাম্বক অমত্রুফাওব হানবীনিংঙাই লৈতেদো, ইচা মঙা, ইমৌ অমা লৈনবু। শন্নিগি দশা হায়বতু ওইব তায়। (টিকিতু চাক্লন মচিন্ন কাম্মগ হিদাকফু প্রোক প্রোক চিংই) (Record)

ধৰ্ম্মক্ষেত্রে কুরুক্ষেত্রে সমবেতা যযুৎসবা,
মামকা, পাণ্ডবাশ্চৈব কিমকুর্ব্বত সঞ্জয় ?

ধৰ্ম্ম থোয়নব লবুক হায়রবদি লাইশং মাঙ্গোবলা লাইবং পুক্লিংলা? 'কুরুক্ষেত্র' হায়ববুদি কারথানা, থবক শুভম লৌবুক্ত থঙদে লম্বীদ থঙদে। 'সমবেতা যুযুৎসবা' লান পাম্ব অহিংবশিংনা মবুক থন্নব থিররে। 'মামক' পাণ্ডবাশ্চৈব' হায়বদি অরৈবস্থ লৈতবসু য়াম্ন চাওনা খিত্ত শূগে, কাংবু অমন

খিৎত চারগ য়াম্ন শ্রম্মু, কাংবু অনিসিবু কমদোরিবগে সঞ্জয়, নমিৎ নামনা Telescope ওইব, নামনা Microscope ওইবা ? তৌগৎলোনে অডাংশা, ধৃতরাষ্ট্রগুম নমিৎ উইশিন্দুনা তৃম্মীবহুবু শিব ঔরায়রিব্রাও ? উচেক রায়া চাকতানখ্রে য়া য়া, যণ, শগোল, হানে', য়াও ফাওব, শম্বন নিংথিন থাদব য়েঙ্গাংদি ফব হিঙ্গোল থিব থোক্নরক্লে, নমীৎ নমীৎতু পাংলগ য়েংডোনহায়।

চাউ— হৈ নগায়, হৈনে ! এখোয় হিঙ্গোলসিবু মজ্ঞাবুংহু ডায়রেনে। সঙ্গোমদি চানিংব, শক্তিক্তি থাকনাংদন মীস সহবদ য়াম্না লৈবিগ্রেদ। করম্ব অডাংশিংনা হুক্তক ফাওব হৌগংত্রিন-সিবো ধবক্ক শৃনিংদ্রিব মপা লৌবনিন। কবিনা ইমুং অমমমগি মচান মবম ওকপন দলাল শানখ্রে, কার তোংখ্রে, এখোয়গিন কোঙ্গেং কোনফাই নন্দুন লৈরে। খাজনান তোল্লিব, মীগি মরলন—

তাই— চাউবী, নংবু কদায়দ চংলুরিননো অগুক তোদ ? নংন ত্ররকপ য়ুম নুংডাইব অমদ চংদুনা লৈখোবকপ যাত্রাও ? কবিগি তাইবংজাম্ব তোলেন এগী য়ুমদ হনবীবকই ? মীসি মনল তোনভম থাজনা পৌভম, মীয়া তাভমসিদ কৈদৌন হল্লকই ?

চাউ— ঙসি অয়ুক ওক্সা হৌনিরম্মীবসি থংননব মচাক খুনবী-নব্রাও ?

তাই - নংন ওন্তা তৌত্রন নুংডাইন ইনুং উব কোইচং চংলুরিববু নখোয়দো শাগংনব কবি কবি চেং মচং থুল্লকপগে ? থবক

শ্রনিংদবু মপা লৌ [illegible] হায়রগি নংন শাইবোং মরু চাবোযদোনবি [illegible] ঐন [illegible] থুদম পীস্।

চাউ— হিঙ্গোলগি যেত্র নাপা মরক্তু চংলিব মণসিদদি তানবিব য়াদ্রাও?

তাই— মণিপুরগি হিঙ্গোল [illegible] লোম্মচংতুন চাবিব মন, ইরোই, হামেং যাওগি রাখল [illegible] নংগি হিঙ্গোল মচাসিগি রাখল থনব শংদ্রা ঐরা?

চাউ— মণিপুরগি হিঙ্গোল অহৌবন অম্ভাংশিংগি শংন চানব থোন-বীদ্রা, [illegible] মাগি [illegible] মরাম, থাজন, ইমু সিদ হোবিব মসমসি লৈবাক [illegible] মেংদোবিবনো? (কল্লপ চাংই)

তাই— মেন্দোরিব অহোবশিং [illegible] নচীন্দন [illegible] চাংলগ থু-জিল্লক্রদ্রা [illegible] মপারু ইবদ [illegible] লৈত লৈতন চাংলগ [illegible] চংদ হেনগদাউ? (কল্লপ চল্লি)

যাই— কবিনে কবিনো [illegible] পাক্লিগন অবুক উল্লাদ চবোইগ [illegible] লাইবগি চিক্লবিব [illegible] নচা যাম্মা [illegible] অমা ফংল্লনকনি লুপা ১৫০ [illegible] চাব [illegible] য়াওজ-কদোবি ছবা অম [illegible] ।

চাউ— [illegible] লুপ [illegible] মা থংনবগি বা যাম্না তাসকো।

যাই— [illegible] সিগিসিদি থং [illegible] । ইমান তায হাযরিলদি ঐ অমুক অনীবক্কি থংদেক্ত লুপা চেনন [illegible], হোটেল, সিনেমাগি থাজ্জনা লুনন [illegible]

তাই— ডাইখো য়াইমা, থবক্কী ইন্টরভিয়ুদবু করিগি ফুরিংখাওদ ছুরী হাপ্তুন চংতৌরিবনো ?

যাই— Appointment boardকী Interview লৌরিব member মডাহু মবুক ফত্তে, operation তৌবীগে তৌবনি মতুংদ ফনবা।

চাউ— মবুক ফত্তে হায়বদি ?

য়াই — শেল পীজব মীদদ থবক হাপ্পি, শেল পীজনিংডাই লৈতব ঐদি ছুরী ওইন পীরমগে তৌবনি।

চাউ— লুপা ১৫০ বোম চাব থবক্তবু মুপামচা লুপা কয়া পীজনবগে ?

য়াই— ১৫০ চাবদ ৩০০, ২০০ চাবদ ৪০০ না বাজার দোবনি।

তাই— নংন শেল পীজবগি বাজার দোর হংলিববু পীজসি হায়বা মুপী ? লৌ ইঙ্খোল বন্ধক থমসিরা, নমা নচাগি নশাদ সনা মচেৎ থর পকইবত্তু খোকসি হায়রা ? ঐখোয়দ্ম corruption co-operative তা মিং চল্লসিবাও ?

চাউ— নংগি বাজিন লৈবাক্কী চংনরোলগ শিডনবসিন ঐখোয়গি ইমুংসি মুংডাইখংতবনে।

তাই— তুমিন লৈয়ু তানিংদে। ডায়খো য়াইমা, ইন্টরভিয়্ য়াওবনি হায়তুন Board কী member শিংছুগি মনাক্ত চংলগ ওক হাংপদোন তান্ন তান্নত্তুন হেক্ত থিন্দোরিব্রা মব্রা হংদনা ?

য়াই— বাজী অহানবদ Interview গি রাইহেশিংত্তু নিংথীন খুমগনি। পোক্রবব মতমদা হায়রমদোবদি হন্দক ঐবু

হাপ্পীরকত্রবদী ঐদী শেল লৈজদে থাও অসী মশক থওবীয়ু, হায়দুন উৎলম্মগ থোরক্কনী।

তাই— কৈ মফমক তৌত্তুন য়েংসি নমাগ নচনগগি সনা কায়দোৗ-বগি শরুক।

য়াই— চৎলে অতুদি, মঙ্গল ওইজরক্কে ইমাম্নু বাজিম্নু।

তাই— মঙ্গল ওইরকউ চৎলু চৎলু।

চাউ— থামগেদি হায়দন অঙাংদ ইন্সিনবিরিবত্তবু হয়েং তুইন ঙাওরগ হুইবু থি হায়দুন মপা খিরকলবদি মখোয় বাজিবু ইকাইবিরোইদ্রাও?

তাই— ঐনবু থাও পায়ম্নু হায়দুন থাম্মগ মণিপুবগি নহারোলন থাঙ পায়খিরোই হায়রবদি থাঙমচা থাঙজো, য়োৎপি, য়েত্তম, য়োৎপাক লোইনা পোত্থাসন্নু চারগ চা চাদ্রগ চাদ। নত্তে, ইংরাজীগি Hungry man দি angry ওহ, লাম্মবদি শাওই হায়বত্ত অচুম্বনে। সংস্কৃতিগিম্নু বুভুক্ষিত কিং নক-পোতি পাপম? লাম্মবদ কদাম্ব পাপ তৌদবগে? চাব ফংনব তৌব থবক পূম্নমক ধর্ম্মগি মশক ওইরব কর্ম্ম নত্রাও?

চাউ— খিং তুমিন্ন ঙাংবাসু, লৈকাইন তারগ তাইবংজাম্ব ঙাওরে, হায়নান।

তাই— মহৈ হৈব, মফম চাউব, মবুক কংলবশিংন লৈবাক্কী কোৎতগি লোন্ন উতোং হুংলগ ময়ুমদ হোনবদি য়ারগ মবুক থন্দ্রব-শিংন চেংকুদৈ চেং খুয়া অমা "কোৎতুম কোৎকে" হায়দুন কোৎপদি কোৎসন্ন, ছুরী পায়দুন য়েংসন্নু।

চাউ— থওরা তংহৈবা মেট্রিক পাশ কয়। কুন্দরবনো য়াইমসে থবক ফ লকত্রিবা চহি ত হেল্লে।

তাই— থা থা খাবুংতোন পনক অমত'দ খাদবিবকউ হায়দুন মবুক খঙ্গ্রব নহাবো গন মমীংত মপি তাহুন ডায়জরে। উচিন নাচিন্না বের গী নগ্রগ পম্মা অমা চাংলে। হাম্ম কান্দ ধর্ম্ম অমও য়ংদবমথে, মাতক চাব চ দব গ দবমথৈ হনাকথুনব শেল পীভব ওথদ পীযু নত্রগ হুনে,'বণগি শাগৈদ পীযু হায়বসিবু লাম্মব কন'ন চুবাগ মতৌং লৌদব ওমদগে ?

তুনান—(off the mike) ও থ্রী মচা! নং রাজ লৈব্রাত ?

চাউ— লৈরে তাদ. লেংশিন'ব বব ও।

তুনান—(Nearer the mike) ইকাইব সেকানাগি মাগুব খনব চংলোই হায়ব্রাত? নংনাগি হংল' জুগা দোব অসিদি ম'ণপুনগি গাড়ী পুম্মক য়া লে. ছিন'নুন, মোমে, চিদম বোড বস অমও চংলোই চানবিদা থ ক যা গুদব নত্রে, কুম্ম চাউকো ... ইনবা হৌবে ?

তাই— অস্তক শেল চান হাগ দো ... বু হোনন free দা মাগুব থনব ... চুনা ... ... নত্রে। মথোপগি অন বুবেলি ... ইতাওদ হায়ব্রাত ?

তুনান—ঐ'দ রানেন'ন চিঙ্গ' শাহুতোর, ও চবা অম কংলুহুন লৈতানথেম অনুক ব্রান চানথে, কা নদা করোক, দক্ষিনা থরদি ফিরৈদা মাখিন।

চাউ – তাদ মতম অমা ওইন তৌরে। মেট্রিক পাশ তৌজববনচা য়াইমছু ছুজিক ফাওব থবক ফংদেদনা চহি অহুম য়াক্লে শেল পীজদবদগি।

তুনান—ইবেম্ম মতম্ননিদি হায়ববু ছুজিক্কাগি নহারোল লাইরিক ময়েক চংলবশিংসি কান্নদৌব মহৈবু ইতম তম্নদ্রে। মথোয়গি ডাক্তোর, ইঞ্জিনিয়ার, ফোরেষ্টার, বারিষ্টার, এগ্রি-কলচরকা হায়বছু ওইথিবদি খরদনিদো অতৈদি চম্নভম লৈতবনে। ওঝামচা, কেরাণী মচাস্মু চহি খুদিংগি হাংলকউ হায়বদি য়াদবনিনা। পুং ইশৈ, সনা শাব, ফুরিৎতুব, কোনশূব, থাঙ শূব, য়ুমশাব, রাইতৈব থবক তৎতন হাংব-শিংগিদি ইতম তম্নদ্রেদো সাহেবকি ফিজেৎ চাকচা পাম্ন-বদগি।

তাই— মানি ইতাও, মছুস্মু চুম্বজাংনি। লাইরিক হৈনব তম্নদে অয়াম্বা ছাত্রনা করিগুম্ব পাশ্বেন সার্টিফিকেট ফংলগ লোইরে। অহুনদি পাশ তৌরগ করিমত হৈতে। ওঝা, কেরাণী হাংদ্রবদি নহারোল থবক শূদ্রে, "থা থা থাবুংতোন থবক অমত্ত থাদবিরকউ" লাওছুন লৈরে, কুরুক্ষেত্রগি মশক ওইরব তাইবংপান্দ থবক অম নত্রগ অম তৌদবদি য়াদব-নিন দুর্য্যোধণ দুশাসনগি পার্টিদ নত্রগ গদা পার্টিদ মিং চল্লুরে লৈবাক্ত ঈ তাহন্নব মপী শিস্থহন্নব মতু শোনবশিংগি।

চাউ— মরন্নাই থবক লৈত্রবনিন মীন নেক্রব ভায়ছুন লৈরে: লম-জাওদ লাওব চৎপুরা ভোট মিটিং য়াওরা, কনাগি য়ুমথক্তে নুংছুম থাওগে, থাঙ পায়কসিরা, নুপী চিংউসিরা?

তুনান—ঐখোয়না কান্নব থবক নেকপদি য়াদে নহায় যাত্রামা ন'বো ঐখোয় তোম্বদ মমান্নব থর হৌরু, মাঙ্গোন্দু খরা ফক্লাং থারগ রাই তৈমিন্নব, চাক কোগে হ'য়য়ু, মথক্তি ঐ কুপচরগে হাযবু অহুগুম্ব অচোপ্প থবক তৌমিন্নসি হায়রব আজ-কালগি ইযান্নবশিং ইকাইবদৈ কনামত য়ারোই হায়নে।

তাই— চাক চাব, য়ুম পানবদংগ ইকাইহনবিরবদি আজকালগি নহারোলশিংসি থাগৎনব য়াদৌবনি। অঙকপানি ইতাও, তাইব' মীন মুংঙাইন হিংনব নাপী ফানব, শিং য়ানব, ভা ফাব, লৌ উব, অমোংপ শেংব, উ শূব, থাঙ শাব, ফি শাব, য়ুম ফোংপ, লম্বী শেম্ব, নূ' হোনব— — -- ... — — — ...

কবিগুম্ব কান্নব থবক অমত্ত অচোপ্প শিল নত্তে। চৌকীদ ফম্ব, চে শূং, খোংঙ্গাও শেংপ, নেকটাই পুনবন, থবক হাপ্পদ শেল চাব, রাখোক্রবগি বিচারদ মাঁচ' চ'নিংবদ চ'বন অবেম্ব ওইদে, লাইবিক্তি ফব ফবব র ফনা তাকই, ফত্তব-মথৈদ খন্দুন হৈখিবা নহারোলসিবু করম্ব লাইমুগি পাটি ওইদৌবিবনো ?

তুনান—হঙ্গাম কোবী পাম্বা অমদ, শিকি মথাই লুপা য়োবব মতমসিদ ঐখোয়গি হিঙ্গোলত্তুদ থবক লৈত্রে হাযত্তুন ঐখোয় নচা তোম্বদো যাত্রামা, থবক য়োনব লোইশং অমা লৈরিমানে, মত্তুদ নিতিগি থবক নিব কাব্বিবা, সাহেব অমত্ত ওইহনবীত্তু হায়ত্তুনা।

চ.উ - ঐখোয়স্মু য়াইমক্ত ওসিদি থবক পীক্রগদি ছুরীন থীম্নি হায়্নন চৎখ্রে।

তুনান - অওইব্রনে ইবেম্মা ? ম্না থোক্লরক্কুন তোক্লমনি। নত্তে, ইতাও তাইবংজাম্বখোয়ন ওঝা ওইবিছুন লাইরিক তম্বিরিবসি, থবক ফংনব লাইবিক মরৈত্রবা ? থবক ফংদব মেট্রিক, বি এ, আই এ সি মশীং য়াম্মেদা। ছাত্র মচা মাংহনবসি ম্নাদি ম্নারৌম্ন ইতাও, ঐদি ওঝাশিংদ তাইনর্নিংদি। করিগিনো মখোয়ন শেল অহুক চংনা, চহি অহুক মাংন পুক থল্লোইদব লাইরিক তম্বিবসিবো।

তাই— চুম্মী ইনাও, আজকালগি লাইরিকসি অয়াম্বদি অঙাং ওই-রিবৈদ লিংলম্ব ফুরিৎ ষষ্ঠী পূজাদ হাপ্লছুপ্তম্ব হুজিক্ক চানক্রল য়াম্ন যাওবে। ওঝা কেরাণী ওইনব অকক্লব বার্তোনগি মী খবগি থাকপ ক্ষা হৈ দক্ষিনাহু বার্তোন য়াওদন লাকপ ভা-বোক্ক য়াম্ন য়েনখিদ্ন কোম্নদবগি ভাবনি। মহু ইতাও অরাং-বুবেন্দ তায়নব য়াদে, ওঝাশিংদ ঙাক তায়নবম্ম য়াদে। পুক থংদব য়াদব ছাত্র খুদিংন মতমগি কাম্নরিব শিল অম নক্রগ অমদি পাক্কা তান হৈনব তম্নদব য়াদবনি স্কুল কলেজদ তম্বিব্রগ য়ুমদ লম্নাই ওইনা। অঙাং খুদিংগি মকোক্ত হাঞ্জিনব তাবনি ইতাও ! কাম্নব থবক খুদিংমক অরেম্বা ঙাক্তনি, চৌকীদ ফম্বন ঙাক লম্ব নত্তে হায়বসিনি।

তুনান— মানি হতাও, তাইবংপানসিদ থবক্তি থবক ঙাক্তনে।

তাই— ধর্ম্মগি মশক ওইরব কর্ম্ম ক্ষেত্রনে, থবক য়াম্ন লৈখ্রপোৎনে, খোখোৎপ অরেম্বা থবক ভাক্ত, জাপান, ইংলণ্ড, আমেরিকাদম্বু।

তুনান—নহারোল লাইরিক হৈবশিংসে মখোয়ন তারবদি শাওনি, চন্নভম শিজিন্নভম লৈতবনে; থবক হৈত্তবদি লাইরছুন মবুকচেল অখোাইবদো, নেকটাই, খোঙ্যাও অচোনবদো শজিক ফানব, ব্লাই তৈবদ, লৌ খোইব উ শূবদ অচোম্প থবক্লি খনব সম্বী কোক্কুল শজিক পীজবদ মতিক চাবদি। লাইরিক হৈব ভাক্ত লৈব লৈবাক্ত কনান লৌ উই, ডা ফায়, ফি শায় ?

তাই— অপভবমথৈ পুক থন্দন হিংসন্থু।

চাউ— অতনবমথৈন তীন ফাহুন চাসন্থু।

জম্বু— (off the mike) ওঃ ব্লা অমত্ত হংজগে। তাবিব্রাও ?

চাউ— (off the mike) করি ওইরবনো ?

জম্বু — ওঝা তোলেনগি সঙ্গায় ওইরব্রা সিবো ? (nearer, mike)

চাউ— মানে। (nearer whisper)
অতোম্বী হায়বছু ওইব তায়, খওনি, শঙ্গায় থীব লাকপদ শঙ্গাই পীজগে।

তাই— শান্তি চাউবী, অহিংসা, তুমিন লৈয়ু, ঐ ফনব তোগে।

Mild music suddenly ending in a crash like the thunder)

জম্বু - চহি ২৭ শুরব মচা অহুম পোক্লব নিপাহুবু মখোয় বাজিনা

অর্জ্জুন শারহুন ইকাইব পীবিরকপদি করিগিনো ? "নশক থঙদে, নমাহু পুরকউ সাক্ষী ওইনব ব্রভ্রুবাহন" হায়খিরকই হায়বহু অচুম্ব ওইরব্রা ? (Harsh tone) খোইনীং হায়ব মীংহু অদোম্ব খোল্লম্বনে মহাবীর, সতী চিত্রঙ্গদা ঐনা লান মন্নুংদ খোংজোম খুন্দ পোকচবনে। চাকথাক পীবিগেরা, থবক থিবিগেরা মতিক চাব বাবু অমা ওইনবা।

তাই— শাওগৎকম্নু জম্বুবতী, নিপাম্মচাহু য়াওরকত্রা ?

চাউ— চহি ২৭ শুরব নিপাম্মচাহু নহান মশৈদি লৈ হায়ব তাদেদো ! ঐস্নু লুহোংলগ লাকপনি য়ুমসিদা। ঐগি নিপা মচা অহলহু চহি ২২ শুরে।

জম্বু— ইবেম্মখোয়ন লৈবাক্কী থবর লৌদনা য়ুমপানব হানথিবননি, নখোয়গি লুহোংবগি কবোক্কু তোনা অমা খোংজোমদ য়ৌরকই, নিপাম্মচাদ পীজবেবু কর্পূরনা থায় হায়হুন চাউ য়াখিদে। লান মন্নুংদ বেন্দ পার্টি লতহুন লুহোংব য়ৈ-থোকখিবনি, ভসি ঐস্নু হোংব তারি শুমাংসিদ। ঐখোয়ন অপঙব তায় হায়হুন জোকপনি, ইম্ফালসিদ লুহোংবসি ইকাইনদহুন লেমনরিবোইরে।

তাই— শাওগৎকম্নু খোইনিংমা, নংস্নু যাত্রামা, অঙাংশিং তাখিনি থংনব ফজদে, য়ুম নিংথিন পাম্নব, অঙাংশিং থবক ফংনব ইংন তাম্নসি। হৌগ্রব রান খোইদৌদ মোরোক শাহল্লগ

কান্নব পোৎ নত্তে। নংগি কুমশি ফৌদি কয়া হাপচৈ? লৌশীঙঙ্গু কায়দেকো?

জন্তু— লৌ পরি অমদি অঙাংগি থবক থিনব য়োনখ্রে লিশীং ৬ তা, কুমশিদি ফৌসু ফৌবোৎ ১০০ দরক হাপ্পি। লুপা লিশীং কয়া চংলগ নিপাম্মচাসি সাহেবমক নত্রবসু বাবু অচৌবনি হায়ব য়াব থবক অমত্ত পালহনবা য়াদগে?

তাই— হায় চাউবী, চা খর লোল্লু, চাক চারক্লত্রা থোংহনসিরা, নিপাম্মচাহু কে ন্থোংদ লৈহৌত্রাও? নহান অমম্বদ মশক্তু উহৌদ্রে, কয়া ক্লংঙাইত্রে। ঐ কৌশিল্লুগে কদায়দ লৈহৌই?

জন্তু— ইকাই হায়হুন চংলকউ য়ারোই, কোন্থোংদ কমহৌই।

তুনান—ইবেম্মা, পাখঙতুদি করি পাশনো?

জন্তু— খুড়াবু মেট্রিক ফেলনি। লুপা কয়া তিংলগ মখোয়গি সার্টি-ফাইবু লৈব য়াদগে?

তুনান—সার্টিফাইগি বাজার দোরসিদি ইতাওগ তান্নরগ থোক্কনি শেলবু লৈরবদি হা ইবেম্মা যাত্রামা?

চাউ— লুপা লিশীং অনী ঙহুম পূরগ গৌহাটিগি ঝালুকবাড়ীদ লৈন ফংই হায়ত্রা ঐদি মুম্ন খঙদে তাদ।

তুনান—ইবেম্মা খোইনীংমা নংসু ইম্ফালদ হোঙ্গৎলক্লোদনা?

জন্তু— ঐদি চান্নন হোঙ্গৎলদি লৌ শেম্নবিনিঙাই লৈতে। নিপা ম্চাসি ফৌবোৎ ৩০মুক্ সার্টিফাই লৈনব লুপা লিশীং অনীগ থনমু তারি মেট্রিক পাশ তৌদ্রিব ফাওর্ব।

তুনান — লৌ অহুক য়াম্ন চাব, থবক শূভম অহুক লৈবহু থাদোক্লগ ভলব চাব বাবু ওইনব হোৎনদৌরিব কবিগিনো ?

জন্তু — খুড়া, মুপা মগাগি মুপাহু মচা অহুম থনম্মগ লৈখিদ্রে, ইম্ফালদে লৈশাবী অম থিবিব তারি ; ইম্ফাল মুপীনদি তলব চাদে বাবু ওইদে, দোকান্দে শোৎতুন হিংদে, লৌ মরন্নাই উজরগ ফোংবোৎ ১০০ খিন্দুন চায় হায়রবদি পাম্ন-দ্রিয়ে, অহুনান খুড়া।

তাই— (off the mike) হায় চাউবী, চাক থোঙ্গৎলু য়েঙ্গাং হাওনা, নচা উনিংঙ হায়বহু লাক্লে য়েংলবো। নচেহু চা পাথক্লব্রা ? (near mike) হায়, নফি নরোল হোং-দোকউ, নং শেঙ্গা ওহু ননাওবু উপুদ থমহল্লু।

(Sweet music fades in)

লোইরব।

ঐন খ্বাইদৈ পামজব নিপাদুগি শক্তম ।

I ate oj broadcast: 14th July '67

(Magazine Programme)



ঐন থক্তাবিব নির্পাস ব্রাবী ফজব মতেক অম ভুহাক্তদ শাক্তম লৌব ভুম্ম মীবু লুংঙাইহন। মীগি মতৌ অম্ব শকই, মতম গি ঈচেলগ ইরোইনম চংশগি মথৌনা লৈ, মীওাদ্দ অব্রাব লুংঙাইতব উহব্দে, লেতুন থেঙুনদ লৈরম্ম। চহি ৭০ তেল্লবদা ময়া কাবি—, পোক য়ায়্ম কাপাত্রে। নমাদ্ধনবা ম'লা শাংবা, তীর্থ চংপ, নাম শোনব, ফাব য়াওদে; অরেম্বদ মতম মাংতদ্দে, নহাক্তম্ম শেংলি লিংলি, থকপ চাব ভাওব, নঙারোলগি পাটি পুম্বদ মহাক সম্ব তৌব ভুম্ম, শিব ভাইদে, চংচং হিংই চহি ৮০দম্ম। নিপাসিগি মমি বাবেংবম চীনখোক হায়বগ খঙনৈ, অশোংবদি কাউনখ্রে।

চীনখোক্ত অঙাং ওক্টবিইভদ নোংম অয়ুক নোংময়ক্ত ইচোং চোংবা পাঠশালাদ লাইরিক তম্ব কায়, অনীত্তবদ তাম্ম। মকোক্ত শ্লেট মথক্ত লাইরিক্ত থক্তগ তুম্প, নোংন জম জম, মান তপ্প চীংলেমং চংলি, মশাম্ব লাইরিকস্থ পুমচোংনি। লক্ষ্মী মপাল, পোংফম দোকানশঙ ময়াদ নোং থুম্বরিব মমাঙব হাক্ত মচাশিংন জা জা নোক্ত লাওবকই — "হায় চীনখোক নোং খুম্মথোনহায়, তীম্ভ্রাক্কো

চৎলিবছুবু করিগিনো অপংবা—লাইরিকস্থ নশাস্থ চোৎলে নহায়।" মান থুম্বকই থুপচরোই অশিংবশা য়েগনব বাজিন লৈব লাইরিক্কি, চোৎচসন্থ, ইশাশিন ভাংগনবী ইমান পীজপীথক্তুন চাওরকপনি চোৎচসন্থ — ঐগি অমত্ত নত্তে।" অহুম চৎথি শামুমচাগুম নোমহৌ নোমহৌ, ময়াম জা জা নোকহোই। মমাম্বব পেন্দব অমন লাওরকই অমুক "নংন লোক থুংলবদি লাইহৌ হৌরবাদ নথোয় বাজিগ ইমাগন লোক থুবিগম্রা অরুম নিকপিগম্রা অপঙবাও! চীনথোক্ত লেম্বগ মমাই ওনসিল্লক্তুন লাওরম্মি, "নাবু নাবিরবদি কেৎলে ইবুংঙো, লাইরিক তম্ব কাবিরোই, কমুংদ মুংভাইন হিপ্তুন বাজিগ ইমাগা মথরাই রাহল্লগ লোইরে। নথোয় অশিংব নোং থুপহৌ, থেংলগ ওম্মান লৌচৈন চানবিনব।" ময়াম নোকহৌরি, মাদি স্কুলদ কাখ্রে ভীম্বে্যক্সম পূমচোৎ। মহাক উবদ ওম্মান নং নারনি ছুটি, নয়ুমদ হল্লো হায়রহুন, মোমোন নোক্তুন হল্লক্লে। নোং থর হাংলহুন শংদ থুপ্নরম্ব অভাংশিংহু মুকথ্বী পাইথোকলকপঙম স্কুলদ পাইশম্বরক্লে। লম্বীদ ওক্লবদ মান "অশিংব নথোয় চৈ অহাওব চাহুন লাইরিক মুংভাইন তমহৌরো, অপঙব ঐদি ইনিং তম্ব শাম্বকরগে।" হায়রম্বগ ইশৈ ভংহুন ময়ুমদ হনাখ।

পাথং ফারে, লাইরিক্কি হৈহৌদে, রারেং রারী শাহুন লীব, মীন য়ানব চৎপ হৈবদদি মম্বিং চৎলে। মমাম্বব অম মথোয় লৈকাই থংনবদ লৈবী লৈশাবী অম শেম্বিদব য়াদে হায়হুন কপ্পরে, ফন কুইন য়ারমদে, ১০নী চংন কপ্পবহুদা লাইবক য়েংগে হায়রে। অচৌ অশাংগি ইমুংছুদ থল্লহুন মহাক্ল সগোল শজিক ফাল্লে, গাড়ী শেংব, লৈপল থোনব, হোজংশাব য়াওরে। লৈশাবী

মমা মচানস্থ রারী রাভাং নুংভাইবগি মাবু লুন তৌবে। থা ১০ শুন রাজরকপগি মতৌন থৌরাণী জন্মদ লৈশাবীতু লাইখুরুম্ব ঙ্খি-য়াংথাংদ চংনুসি য়াবে। লোরী খর লৈরে মতমতু মণিপুরদ, হি-য়াংথাংদদি থৌদন লোবীতু শুগমরোমদ চৎহনখ্রে, নিপাতুদ শিন্নতুন। চীনথোক মীন য়ৈবিরম্ব মান্নব মশাতু চৈকম লৈহল্লে, উফুল রাইফুল তৈশিল্লে য়ুমদ তাকউরে। থিনবদ খণ্ডদনব লম্বী লান্ন মোইরাংলোমদ তাকুন ৫নী থিব খণ্ড্রে। ৫নী মতুংদ থোরকুন মচীন হংনবদ মবুকফবী নুপীতু পাখণ্ডগি মমাই ভাকপিতুন অতুম লৈখ্রে। অবাইব চীনথোক নত্তে, মান চপপু য়ুংন নীংখ্রবদি ফব ফত্তব খণ্ডদে পাংথোকপ ভর্মি।

মী অথন্নব ১ মুং হনাক খুনব অবিকপ অমন শিঙ্গ, ফৌশুশং শাব য়াঙহল্লগ চান ফৌথি, ১০দুদ চীনথোক য়াওকই। শেন চংদনব হোংনবদ যেঞ্জাতু হাংত্রে, অতৈংতু ইকাইনতুন হাওই হাওই হংয়নে, চীনথোক্তি হাওত হাযবে, ডহাক লৈতন, ইবোন-বদ ভক্রা দম্ম থাকত্রে শবেং মশা নাবে, হরাই থোংবদ থাও নিংথিন ভোদ্রে হায়দোক্রে। ইকাইরবব ইনাক খুনবন "ফাগীমক্তি হৈদা হবুংডো চানথোক, নহান থবক ইশূ শূথিদ বনিন চাক ইচং চংদ্রেনে মাদ" হায়জনকই। চীনথোক খুম্মি, "থবক কন্ন শূখিব ইচিন্নাওশিংসিগি চাকশুও য়েংবিযু, শবেং থোংব থাবৈ অমমম হাপ্পতু মচি ইলেং লেংনব্রিবসিনি। চাক অমুক হনবিয়্যু হায়দুন থর লৈরগ অমুক চাক নমতুন চাখি ময়াম নোক নোকুন।

চীনথোক চহি ৭০ শুবে, নুপী ৩ পায়নখ্রে। ৪শুবতু ব্রাহ্মনী ইশে হনবী, মমিংন শকহেন কৌবী মমিং চৎপীতু লোগে লেপখ্রে।

মুপীগি মরাদি তাদ্রি, লৈশাবীনি ২রক ওলক্তি চেল্লুবে হায়জিনবী কল্লকপশিংন, সাক্ষীম্ম লৈতে। য়ুমলোন্নব অমদ রা থংলহুন নিংথৌগি মজা ইবুংঙো শারহুম স্থমিদাংল্লাই শগোল কাক্ত ফজখ্রব অম তোংলগ য়ুমলোন্নবগিদ ৩ | ৪ রক ফম্মে। শকহেনম্ম অমুক অনীবক কৌরুহুন রারী শারে, মাংল্লে নিংথৌ মচা মতৌ মওং ফিজেৎ চাকচা। অচাওরম কাব পাম্বা শকহেন মোইরাং থোইবীগুম ফজখ্রব শগোলহু তোংব হৈরগ থৌনিংখ্রে মুমিৎ অদো ; মজা ইবুংঙো চীনথোক্ত তম্বিগে হেক্ত হৈনি হায়হুন শগোলহুদ থাঙ্গৎতুন তোংহল্লগ লম খর চিংবিবখদৈ মহাকম্ম পৃথিবাজগুম তোংখৎখ্রগ মমাংদ সংযক্তা থমহুন চেনখিবগুম শগোল থক্ত চেজেৎ তোংমিন্নবগ থৌখ্রে তোব্বুং পোমদ। অকিব ফংন য়াংন থৌগ্রে কুদ্রং কুদ্রুং মুংদাং ককচেং চৎপ উরব থাবলহুদ। হোয় লৈরগে হায়দ্রিফাওব শিমিন্নবনি হায়ৎন থৌরবহুদদি লৈতব য়াদহুন শিব কিবি শকহেন চীনথোক্ত লৌরুই অরাপ্পদা লোৎপ ৫নী শুরে। চান্নরগ ইম্ফালদ কারক্তুন ইশৈ হন-বীগিদ পুংয়ৈদন তুংইনব ওইন লৈরে, বাসক খুবাক ইশৈদ অগাব শেন খুনব ওইরে। চীনথোক্ত লৌরবনি হায়হুন রারী শাব কন-বদগি মুংশিদব লৈকাই মীয়াম্ম মৈতৈন ব্রাহ্মনী লোব হায়হুন বেরা তোরে। ইশৈ হনবীন শাওহুন "নথৌ লৈতে" হায়রুবদগি ব্রহ্মসভা য়োনবে. নিংথেমদ রা কৎনবে। নিংথেম্ম শগোল থৌবদ হংলে, "নং কয়ামা, নমিং কবি কৌই ?" চীনথোক্ত "ননাই ঐ লফেনতাবম্মি—ইমিংন চীনথোক শর্ম্মা কৌজৈ।" রাকংলরিব অহল নহা ময়াম্ম, "নক্তে আজ্ঞা, মচীম্চৌবনি, মহাক্কী য়ুম্মাক্তি রারেংবম্মি" হায়রে। চীনথোক্ত ময়ামদ হংলে, "ঐগি ইপা ইপু, পারী পুরা

অমুক্ত তাকপিয়্ খণ্ডবিববদি ? "ময়াম্ন খুম্ব ঙমদ্রবদ নিংথেম্ন মঙ্গোন্দ হায়য়্ তাকপিরে। চীনখোক্ত খুমখি-"ব্লারেংবন মিংথু পোকই, মিংথুন লৈতং পোকই, লৈতংন নাত্রং পোকই, নাত্রংন নিকটাই য়োকই, নিকটাইন থম্বো পোকই, থম্বোন খোদোন পোকই, খোদোন্ন তোনা পোকই, তোনান শাজো পোকই, শাজোন খোম্মৈ পোকই, খোম্মৈন ননাই চীনখোক ঐ পোকই। নিংথৌন হংখি "নংগিদু ব্লাবেংবমগি পারোন পুরোন থারিব নত্রা ? ময়াম্ন লান্ন খণ্ডবিবনি আজ্ঞা, ইবুধৌ নিপানশুব নাত্রং হায়জখিবদু মচা নিপা পোকখিদে, মাগি মরূপ লক্ষেনতাবম আজ্ঞা গোষাই শর্ম্মা হায়বদুগি মচানিপা ৭শুব নিকটাই হায়ব অম য়োকখি, ননাই ঐ নিকটাইগি মশু শুথাং ৭শুব লক্ষেনতাবম চীনখোক শর্ম্মানি। থাজবিদ্রগ বামোন খুন্থোক লোনগি লামাই ৮৯ শুবদ ফাক্রগ স্নামিংযেং ভাবিসি আজ্ঞা। নিংথেম্ন মতৌদুদ পেল্লদুন চীনখোক শর্ম্মান শকহেন দেবী লৌব য়াই, শাগৈ হায়বসি চওংনব ভাক্তি হায়বিখ্রে।

থৌরাণী ইশৈ হনবীদু চৈরাক কল্লি, আজ্ঞা চীনখোকপু মান লোইব হুইগুম শান্নপোংকুম খুদুম চন্দন থম্ব পান্মি। মনীংতা ব্লাইশংব হৈনব চীনখোক শর্ম্মান হৈনরকত্রে, চহি ফাবাংত্রিভৈং মহৈ মহৈ মরাল থিদুন লংনবে। দুহার চংপাদি মমিং লাওথোক্লমে থৌম্বাংবীদ ক্বা লাল্লম্মি, খোমদোন লংবীদ অথাব শেল থৈরা অসিনচিংব। আজ্ঞা চীনখোক্ত শকহেন্দ "নংন শেল থারব পাখঙা পুংয়ৈবদ মিংচিন য়েংবদি য়াব্রাও ? হায়দুন খংনরে। সন্ধ্যাদ মপে মচৈ চন্দোল উপু য়োম্মগ ব্রাহ্মণ ওইব তোক্তন ব্লাবেংবম চী থোকসিং বাসক ভংদুন ময়ুমদ হল্লে।

চহি ৭০ ফাওবদ চীনথোক্ল লোর খায়নর তৌখিব মুপীসি শিখিব অনীদ্ব থারগ ১৯ নি। নুপীন মাবু য়াই, মানম্ব নুপীবু য়াংরিবমখৈ য়ান্ন ন্দুন তৌই। মহাক্ল শাওবনি মুপীন মাবু গাইত্রংগি খোংবীগুম শিনবদ্দদনি। নোংম নহামচা থরন হংই ইপুন মুপী থায়নখিব চয়োল অমফাওব কান্নদন হান্নগিন হেন্দবী অম অমুক হেক্ক পুরকপ ওস্মির্ববু করি মন্ত্র হৈবগে খর তম্বীয়ো। অহলন খুম্মি, "মন্ত্র থাজকনু শেল তিংনবনি, অন্নাইব লাইরাদি লৈ। তুম্মাই, কৌগাক, আউজিরী, চংলৈ ওন্ন তুন্নগ ওন্ন লোকপনি। ইপুদি নবেন অম খায়নদ্রিডৈদ অম হান্ন ন্নারেপ্লহুন থম্মি, সি কা ও সিদ।" মুপী য়ামগল্লি হায়ব খওন খওন য়ারকইবত্তুবু করম্ব অপডবীশিংনো? পওব নত্তে, ঐগি ইতৌন থাজহনবনি।" হন্দক্তি শানৌ ইবেন্মা, নংন ঐগি ইকোন কোনবী থোইবী ওইবিত্তুন ঐবু য়োকপিরো, মিকোন থাগোনবিরো হায়ত্তুন হৃদিসি শেংদোকপত্তুদদি ব্লাই শংলপ লৈরম্ব নবেনগি জাংতি মবুক হেক্ক ওল্লি। লাইব্রা হায়ববু অত্তুনি।

চহি ১০দা অহলসি নাম শোনবদ মখোল থোকপ তাদে, নিংথমথাদ খোংগ্রাও অচোনব উপ্পি, ওভরকোট লিংলি, কান্সেন্দ হাপ পেন্ট, বুস সার্ট any colour নহারোলগি, মশা নুংঙাইরগ লোইরে, মীন ঙাংনব তাদে। ফন মথন্নাই নুংঙাইত্রবস্থু মীঙোন্দ অন্নাব উংতে। আফিসকি চাপ্রাসী পিওন ওইবদ মাবু থবক অন্নাব চংহন্দে, ফমত্তুন ন্নারী চোইঙাং নাকোং ৪ গি ৬ কি লিহল্লগ লোইরে, খিক খিক নোক্লুন পুং তাব ঙাইব নুংঙাইনব— অফিসারন মগুিলাদ ক্রিংদ খিংবদ "হাজুর, আজ্ঞা করি স্নায়াথং তাকপিগদব?

ক্বং চংখি। কোক চিক্লিবসি ফনব ৱারী ওইনম্ব নাকোং ৪ গি মতেক অমত্ত তাগে। আজ্ঞা হায়রগ লুখমগী মরিদ খুৎ নামন পায়তুন মিং-নিট ২দং জু জা তৌখ, আফিসারদু ফাক ফাক অনীরক্তং নোক্লগ ফখি।

খুড়াসি অহানবদ লৈৱাই অমদৈ হৌরকই। ইম্ফালগি মহাজন দোকান্দার অমন খুড়াগি মপাম খুল য়াওব constituency অসিন Independent candidate ওইন হাকুম হাকুম অম ইলেক্সন্দ লেপখি। ময়াম্ন ইঙ্গিন্দুন খুড়ান মফমদুদ ৱা ডাংতুন ভোট খোম্নবদি কাব শোইরোই হায়তুন লুপা ২০ পীতুন নেক্লরে। মীয়াম্মাংদ ৱা ডাংবদি হৈজরোই, মান হৈনবদি নাকোং ৫ | ৬ তন তানব ডাংবদনি হায়তুন ফন য়াজদে অহানবদ। লুপা ১০ হাপ্লগ ৩০দ ডাংবিদব য়াদে হায়তুন কম্ন তক্লবদ খুড়াতু য়ারে। ডাংখিব ৱাতু মতেক অমত্তং : "ননাই ঐ খুনসিদৈ হৌখিবনি লুংশিরব ইখুঞ্জা মচাশা, চহি ৮০ শুরে ওইদব হায়জরোই কনঠিমালান সাক্ষী—ঐদি লেক্টর টেক্টর হৈজব মী নচ্চদে, হোংব চংওব মহাজন ঠিকাদার ডুকান্দার শুপ্পব নিপাসি মরল মচন মচা য়াংলে, মাগি উট য়েকপ উপুদ ভোট অমমমদং থাদবিয়ু। মী হৈ, লিংন পাল্লি, কাখ্রগ শেলকা চাবিদোব মীশক নত্তে, ওক্লব লে। মান ইম্ফালদ লেপ্তবদি মাবু কল্লক য়েংথীব মী য়ামখ্রে। লৌ ইখোল পাট্টা, ফিরোল কোল্লিক বন্ধক লৌরগ শেন্দোই খিৎত কাগে য়াদে হায়তুন মাবু শাওনৈ। ঠিকাদ কুলিগি শেল হাংলি হায়জিনবি কল্লকুন, দোকান ফম্বদ চেং চিনি থঁল পিক্ল ওল্লি হায়জিনবি পেন্দবশিংন মবম অতুন ওইদব

রা ময়ামতু তারোইদব লমসিদ লাক্লুন লেপচরবনি, চানবিয়ু—মী ফত্তব নত্তে, মীগি নামৎ মাংহনবিব মীশক নত্তে। মখোয়দ ভিক্ষা নিক্লবদ চেং মুষ্টী অমদি শোয়দন দান তৌরব নিপানি। ঐন ভসি মাবু থৈ হায়তুন ভাংজরিবসি লেমন মাংহনবিদে লুপা ২০দৈ ১০ হাপ্লিতুন ৩০দা ভাংজবনি। মান কাখিব থোক্লবদি মতুংদসু চান্নব মচন মচা ময়ামতু ঐখোয় খুনসিদ থাজবিদৌরি। মরম অতুন মহা-জনসিগি উট য়েকপ উপুদ ভোট অমমমদং থাদবিয়ু, তুংদ কান্ননি।

ভাংব লোইরগ করিগি ৩০তুদ তাকথোকউরি হংনবদ "অশেংব হায়বনি ঐদি" ফজ্রবা খুম্মি। মুংভাইখ্রব, মবুক শেংখ্রব অহলনি। মাগি মশাদ অন্নাব, অতনব উদে, ফজন হিংই কল্লকই।

লোইরব।

ৱারীমচা নৈনব

(For Broadcast on 6th August, 1967)

তাইবংমীগি পুন্সিদি ডাইবদ অয়াম্ব হৌথি, থবক ফাওব ডাইব ওইন শুবন অয়াম্বনি। অরাবা উপন্যাস নোংডানব ডাইবগি ৱারী ময়াম্নি ; আফিস্কি চাক ডাইবদ অয়ুক হিঙ্গোল শুনৈ তম্লবস্নু তম্ন মচা মশু লাইরিক তাক্লে ; বস, ট্রাম, রেল, প্লেন ডাইবদ ৱারগ ৱারেম ডাংনৈ, নুমিদাং মৈনাক্ত অডাংদ চাকডাই ৱারী লীনৈ, কা-লেনগি নুংথিল অশাংবদ শিব ডাইবদ ৱারব অহল লমনগি মতেং ওইন ৱারী তানৈ, রামায়ণ, মহাভারত। থবক্কি প্রোমোসন ডাইনৈ, রিভাইজদ স্কেল ডাইনৈ, লংফৈদৈ শেন থারকপ, মচা থোরকপ, লান্দৈ মপুরোইব হল্লকপ, লৌ খোয়নব নোংতাব, ফি শূনব, থবক চৎথোক্লব নোং হাংব, অনাব ফরকপ, অডাং ফত্তব চাওরকপ, অহল ডাংগনব শিখিব ডাইনৈ। হিংবসিদি থবক খিৎত শূরগ ডাইত্নুন, ডাইত্নুন নৈনবন অয়াম্বনি। ৱারী শারগ লম্বী তেম্নৈ, ডাইব মুংডাইনব ৱারী তানৈ। মরম অত্নুন ৱারী মথল মথা লম লমদ লীনৈ, লেংনৈ, থায়নদগি চারোন শূরোন্দ চীম্বাং য়েত্নুন লীথনরকই। ঐখোয়ন ওসি নৈনদোরিব হিরমদি পানব ইরব ৱারীমচাগি মরমদনি। হান্ন লৈরম্ব অডাং তম্বীনব পাউতাক য়াওব, অহলগি মমিৎ শিংনব ধর্ম্ম তাকপ ৱারীজাৎতু নত্তে, অনৌব লেংব ওহাক মুংডায়নব ৱারীনি। মনিপুরদ মসি নৌন থোকই, লাইরিক য়াম্ন থোক্লক্তি

হায়ব তায়। ঐন থব খংনজব ৱারীমচাগি লাইবিক ৫/৬ সি অয়াম্বন শংই, অতুবু ময়া ফরিব মীন শায়বদি য়ারদোব শংমুন্নবব ওথাক ফজব ৱারী মচা থবদি ময়াউরে। মখোয়সিগি মহাও, মগুন, অমদি ময়াক, মরাল নৈনল্লিবৈদ মীবৈবাক্কি অফাওব ৱারীমচা ইবমীন তাকপ অক্নবগি পাদম থিংতং হান্ন থন্নব কৈ।

ৱারীমচাদু কয়া শাংনি? গাইদি মাউপাশান্তন মাগি অফাওব ৱারী "লাইবিটেজ" হায়বদু ৱাহৈ চা থবদ অমুক, লিশীং থবদ অমুক, অনাবক ইথি হায়। অপাব পূম্নমক্ন অহানবৈদুদ ৱাহৈ অম ফাওব হন্দে হায়নৈ। য়াম্ন ক্নখ্রবশিংগিদি নিয়ম লৈতে। Edgar Allan Poe না হায়খি ৱারী মচদু A certain unique or single effect তানব, থুংডাইবব ইতোপ তোপ্প মহৈ অম খোক্ন-বনি। অদুন মান হাযখি "If his very initial sentence tends not to the out bringing of this effect, then he has failed in his first step. In the whole composition there should be no word written of which the tendency direct or indirect, is not to the Pre-established design. ৱারীদুদ লোক্কিংইব মহৈদু খোক্নব মতে ওন্দব ৱাহৈ অম ফাওব য়াওহনগদ্ব হায। ঐখোয়গি ৱারীমচা ইবশি E Rajanikanta (চাংযা তমথা ইবা, নীলবীর শাস্ত্রী (বাসন্তী চবোং ইব), প্রকাশ (ইচেগী শম ইব), বিনোদিনী (মুঙ্গাইবক্ত চন্দ্রমুখী ইবী), কুঞ্জমোহন (চেনখিদ্রব ঈচেল ইব); পূম্নমক অবেম্বদ ৱাহৈ অমসুং মতম য়ামন চাদিং তৌই, উপন্যাস ইবগি নেশা কানকপনরা থগদে। থাজবিনব অমগ হায়জগে কুশকি

অফাওব চেকোভ চহি ২০দগি ২৫ শুব ফাওবদ মেদিকেল স্কুলদ তম্ব ডম্নব ম্নারীমচা ৩০০ ইখি। মান হায় "Medicine is my lawful wife and Literature only my mistress" অদুম্ব নিপাদুন হায়খি "A story should contain nothing that was superfluous. Everything that has no relation to it must be ruthlessly thrown away." মবা লৈনদব মথৈ করিমত থৌশাদন হেক্ত লংথোকখো হায়। অহেনব চুমথাংনমথীবাদি হেক্ত য়াওরক্কনি, ঐাগ ম্নবেং মচাগমক্তদম্ব য়াম্ন য়াওখ্রে, খন্দোকপ অমম্বুং ইথোকপ ফবনি।

"To copy life has never been the artist's business" পুন্সিদ খানপা, থেংনা মশেংবত্নখক্তনদি ম্নুংঙাইহনবা ডমদে, ফজব খুংশম্ন ওইনব থব হাপচিনগদবনি। ওইথোক্তব ফাওব শন্নব, ম্নুংঙাইনব হাম্নদ অশাবশিংন অদুম য়াই। ম্নুং-গাইবক্কি লেপ্লগালিদ, চেনখিদ্রব ঈচেলশিংদ অমম্বুং লেখক অতৈদম্বু natural মাম্নব ওইংনবদ art sacrifice তৌব ম্নুং-ঙাইব হজ্বহনব য়াম্ন য়াওই। অফাওব Artists শিংন তৌবদি natural ওইব মালহনবদনি।

ঐশোয়গি ম্নাবীমচা ইব অগ্রাশ্বন লম্ন ই ওগন ম্ন ঙাইম্নখিবত্নু ইচাম চামথোক্তুন universal and impersonal plane য়ৌব য়ান ম্নুদ্রিইডদ থেক্লোক্তুন হিঙ্গাহনম্ব য়াম্ন য়াওই। হায়নৈ, The great Poet, in writing himself, writes his time." মশাদ পানখিব ম্নুংঙাইব অমম্বুং ম্নুংঙাইতবশিংদু হগ-

দবনি, তৌবদদি মহৈদু মী অতৈদন্থ অচুম মরম্নাই ওইন পানখিনব হৈব তায়।

অচম্ব Prose ন ফজব style তানব হৈব লৈ, অসম্ব য়ারম, হুংশি হুংওন, হুক্তিগী উনব তানব থৌদোক্কে হুংঙাইব য়ারা মচা থোকহনব লৈ। চৌংয়া তময়াগী হুংশিমংলানগী য়ারীশিংদু অশংব শাইব ওম্মিব নহারোলদি হাওরিজ্রা, খুৎনাংচারব হিরম ওইবন অচুদৈ চাম্নন হুংঙাহইনব লৈ। বাসন্তী চরোংদ য়াওব নিংশিং মৈরি, শিংহৌদ্রব লমনদ য়াওরিব রসশিংহ কয়া ফজখ্রব লৈবাক নীংব অমম্লুং তৌবিমল থডবৈ লাচিংনো। অত্থু তোয়ন চানরব হঙ্গাম্নিন হাংনব থোংব ওম্থোক্ল লুখ্রে। প্রকাশকি হৈচেগী শমদু অমম্লুং কুঞ্জমোহনগী অহিং অমগী পন্থৌ হায়ব য়ারা মচাশিংদু লোইবদ খংপেক খংহল্লি, হুংঙাই ; পঙন থোক্তব, অঙকপ, অনৌব থাজদন চুপ, মতা অম ওইন তৌব, খ্বাইগ মাম্নদব খন্দুন হৈরগ শোইগন্দে। হুংঙাহৈব অনৌব থোক্লব হৈব য়াম্ন লৈ। হৈনিংঙাই লৈতন, লৌনিংঙাই লৈতন হৈরগ হুংঙায়তে। পুম্নগী মিংয়েং অম লম্নাই ওইন লৈব তয়, মীগী সিতও হজ্জিদুন খিরগ মাওং হুংঙাইব পুথোকপ তায়। মতম পুম্বদ হুংঙাহৈনবদি য়ারা মরীদ লোন্দা ফজন style অম ওইন নৌহনব ঙম্মগনি। ঐখোয়গী লেখক খরন মশাবু লোৎতূন হৈবদ য়াম্ন য়ানা উই। অচৌবা লেখকশিংদি "Communicate their individuality through language." ঐখোয়গীদি মশাবু লোৎতুনা হৈনরিবসি করিগীনো থঙদে হৈকায়খীনবনরা।

য়ারীমচান হৈশিনগে নিংলিবসি "The intensity of a moment, the fragility of an evanescent emotion,

the shattering impact of a momentuous discovery গি জাৎনি, হায়বদি খোংনাংহোগাইবীদ বজ্র তাখিব ম্নিংক্নপ, লৈশাবীন পাখঙ অনৌববু মথুৎ লাক্নন চিংশিল্লগ থাবলদ নিংদোল চোংমিল্লব, মী অঙাওবন হুই অতেবদ চিকপ, থোইবীন সেন্ন খর থোম্মগ উষ্ণা চাব পাখঙ অমবু জীপ্ত চিংখৎলগ [চেনব, কৈন রারী তান্নগ তপ্তা কিব, লৈশাবীন পাখঙ শারগ লৈশাবী লুহোংলম্ম অসিনচিংব। উনব—ম্নিৎযেং চংই মীবু ম্নংঙাইহনগে মতম ঙাইব ন্নাহল্লোই হায়ববদি।

Po'ice court sensation, Newspaper headline, escapist Literature, farcical stories শিংন মতম্নুদি ঙাই-হল্লি তন্দন হাযববু ন্নারীমচা অফবদি value লৈনব ইব তাবনি। মী শেম্ম ঙম্ম, পুন্সিচুপ্প থরান মৈরাগুম্ম ঙালহনব ঙম্ম ন্নাবীমচা লৈ। মচ্ছু হুজ্জিক মনিপূরদ ইব হৌগৎনরকইব রারীমচাশিংসিগি পন্থ,ংফম্নি।

E. Rajani Kanta গি " চীংয়া তময়া " ইং ১৯৫৫ দা অহানব ফোংখি, অনৌশুব খুৎনয় ১৯৬২ নি। ইখোয়ন পঙবদৈ মান ইহাল হাল্লে। ম্নংশ্নগি ন্নাবীন অয়াম্বনি, নহান পানগনি। মচ্ছুগি মথক্ত— মহাক্কি খুৎই, style সি ন্নারীমচাগ চুনৈ, অচ্ছনম্ন চৎপনি। অয়াম্ব মবালদি মথক্ত হায়জখ্রে, নৌন ইরকপদৈ কনান থম্বালন মঙক শাংন নোম নোম শাৎপগি style ছুদ ইরকউ হায়-ক্নদগে? ৱৈন মঙোন্দৈ পাম্বদি " চীংম্নংদ অহিং " অমম্নং "থাজ্জী অহৈংব মাইথোং" হায়ব ন্নারীমচা অনীসিনি। অহানবৈচ্ছু অতাংব

রারীনি, লোইশিনবদ ওকই, খু·ই ফজৈ। অনীশুব থাজগি মাইথোংদ যমুনাগী থঙ্গুংদ চাকপা মৈগী চীং উৎলি, মীন অরাপপদৈ উবদ থাবল থোকহনব থাবু হঁংই ফজৈ হায়নৈ, astronaught শিংন লৌরকপ থাগি অশেংব মশক্তি সন্থীমাইদ নোংন হুংপ নত্রগ লাই-থোকপদ মমায়চাম্বগুম থীবনি (যমূমাগি অইংব মতৌ, পুকচেল, থোকখিব মরাইবক হবদ মলৌকচাব হীরম্নি। নুংশি-নুংওন হায়ব খ্বাইদৈ লিরব খোংসি ময়াম্ন তৌনমল্লবন অথেনবদ মণি থোকত্রে সনা ফংদ্রে, style ফজব অচৌব লেখকন ইরবদদ মমল য়াম্ব মণি থোকই। মরম অতূন অথেনবদ সনা পোকপ খোং অতৈদি খুৎই থর নাম্ন চেকশিন্ন হনব হোৎনরবদি Rajanikanta বারী মচা হব অম ওইরক্কনি হায়ন থাজৈ।

নীলবীর শাস্ত্রীগি বাসন্তী চবোংদ, "শিংহৌত্রব লমল" অমস্তুং "মিংতাংবগি চৈশু" পাবদ যাম্ন নুংশি, থবাইদ অনাবদি পোকই। Pathetic story ন নুংশিহল্লগ থৱাইদদি নাদনব। নুংঙাইব পোক্রব মরোইশিন অম হাপ্পিব নৈ। অয়াম্ব রারীমচাশিংদু ফদি ফজরগ মতীক চান নুংঙাইহনবদি ঙমদে। মিৎয়েংদ অমস্তুং খুৎহৈদ অকায়ব থর লৈবন ওইব তায় নত্রগ এ্রন লানব।

প্রকাশকি হচেগী শমদা য়াওব রারীশিংগি মবুংদ এ্রন নুং-ঙাইবদি লম্মন খুম্ব, লধী অথুব অমস্তুং হচেগী শাম্ব, লেখক অসি রারী মরী হৈ; ওকহনব থংহনব ঙম্মী, লোইশিনব ফজৈ, হগদব াহরম থনবস্তু ফনহৈ। অঙাং মপাত্তু এ্রনি হায়ত্নন লম্মন খুম্বদ লোইশিনবত্থু থাগৎতব ঙম্মোই কনামতন। লধীঅথুবগি হিরমত্থু

সমাজ শেংদোক্লব মুংঙাইরব মচাক্কি, ৱারী মরী, লোন্দা ফন কৈ। ইচেগী শমতু ৱারীমচাগি অতাংব হিরম অমনি, মতুঙগুম্ব মুংঙাইব মচাক থিডুন ইব অশিংব থবক্কি। ফজরবী মচেতুগী শমতু মোংভমদৈ কক্লুব ওইরমানে থংখঙ থঙলকপ Momentuous discovery দুন Pirandello গি ৱারীমচা The rivers of Lapland দা য়াওব থংখঙদু নিংশিংহল্লি। মমা শিদোরে অহিং অইংবদ মান শঙথি, মতুগ মচানুপীশিংগ কমুংদ লুম্ন নাথোকই, চোকথরব মান Lapland গি উন ওল্লব পাৎ তুরেল ময়াদ হৌব willow অমসুং birch trees শুম খুক খুক খুক্কিজিল্লি। শিব নত্রগা নোং ঙানব ঙাইবদ মচানুপীগী Geography ফাকউবদ Lapland থেংনৈ। Lapland শিংদি অরাকপ অতিথিশিংদ মতু অমসুং মচানুপী পী-থোক্নৈ অহিংসু মুংথিলসু সেবা তৌরুনব। অহিংডুদ মান মতুবু Lapland গি তুরেলগুম্ন উথি। willow পাম্বীবু করিসু থৌ-শাদনা Gulf of Bothnia দা তারিব, থৱাম্বিচাক Sirius নত্রগ Alpha Centaurus তগি য়েং ককবদি তাইবংপানগী অৱাব মুং-ঙাইবসি করিসু নৈতে—" Disasters and joie de vivre, both equally unimportant —The absolute unimportance নি হায়বডু মান অতিংডুগি মিকুপ অমদ থংউ উথি। তাইবংগি অৱাব কোক্লব— practicable ওইব মিংয়েং অমনি হায়ন Luigi Pirandello ন তাকখি।

কুঞ্জমোহনগি চেনখিদ্রব ঈচেলদ বীনান খাইনবদ মমি তাবডু মুংশি, কচৈ। তোইন পোকপনিন তাইবংদ ৱারীডু শাংহনব ফঙ্গে

"ৱানোম্ব" হায়বদ্দ চাওখৎপ পাম্বী প্রিয়লতান মপুরোইবগি ৱানোম্ব চৎপদুদ মশাগি Promotion ফংলকপদু কল্লক পেল্লি। থোনা ফন ই, থাগৎপদ মতীক চায়। চামেলিয়াগি ৱারীদু নুংঙাই, মরী ফজে। অহিং অমাগি পন্থোদ খাসী নুপীগি লৌচৎ তাকই ঙঙকপ থৌদোক অমগ কোম্নন। মতুন সমাজগি লৌচৎ অমসুং মীগি লৌ-চিংদ মিংশেল খ'ন্দুন উহল্লি কপকদ্রা, নোক্কদ্রা? কুঞ্জমোহন ৱারী মচা ইবগি মচাক মরল মহে নৈ. মথৌনাসু নৈ। সমাজ শেংদোক-পদসু কান্নগদৌবা ফজব ৱারীমচা কয়া ইরকখিনি হায়ন থাজৈ।

অরোইবদ, বিনোদিনীগী নুঙ্গায়রক্ত চন্দ্রমুখী পোমশাংনরগ তোকখ্রে, মৌনহাতুনা অঙাংমপাদ নংবু কনান লাকপিয়ু হায়বগে… …… …চোপচনি হায়রম্মগ অঙাংদু পুশিনখি। মপাদুদ করি Reaction লাকপ, মপুং ফানা খঙনী·ই, নুপীতন অদু য়োন শাউবদি করিগিনো? মদুসু খঙনীংই। মপামচা উন্নবৈ কুম্মেদু নুংঙাইদি হায়ববু মদু পোমশাংনব চন্দ্রমুখীনি, নুঙ্গাইরক্ত মকা ফম্ম পূমশাং শাংকদবদি মতৈ মনাওগি Emotion দুনি। ৱারীমচাদ য়াওরিব উশমান থম্বালগি নুংশিনবগি চন্দ্রমুখীন মথং মথং পোম্নগৈদে শাংলকপদু থাজব ঙমদে Psychologically য়েংবদ, ঐন মিং ফত্তহনবা খঙদে। রাস পূর্ণিমাদ নুংঙাইরব বা য়াওই, লোন ফজৈ, কিরপ ময়েকশিং থুংলৈবীদ ইবন চন্দ্রমুখীদু য়োন ফজন শাংতে। Centre of gravity দু ইচাই চাই, Novel দোন ইব মাল্লি, Intensity of the moment evanescent emotion or momentuous dis^overy কদা। ওইদৌরি নুঙ্গায়ন চন্দ্রমুখী

নিংথিন শাংহন্দ্রে। "নংগ উন্নবমদ্রবদি" হায়বহুন ইপাম পান্মি ঐদি হায়গদবদ finishing touch তু ব্লাংলে। মীন তম্ব ব্রারীহুদ অহুম ইরমানে, artist কি থুংতুন অরোইবত্ত ফজন শাংহন্নি.ই। "উস্তাদজী" হু লোন ফজৈ, ছন্দ য়াওই, জগোইগী খোংথাং তান চানহল্লি, শরংকি অ তয়াদ থাজগি জগোইনি। অয়াম্ব ব্রারীন me. moirs ওইন তৌই, Experience record তৌব মাল্লি, কক-থোক ককশিন শেমদোক শেমজিন তন্দব artist কি থুং থর ব্লাংলি। অহুমকপু তুংগি আশাদি য়াম্ন লৈবী লেখিকানি, Novel অমসুং Short Story কয়া মথুংতৈ থোরকখিনি।

অবোইবদ হায়জনিংবদি Short Story writer শিংন পাদোবিব মী ক্রোড় কয়াগি মিনিট ক্রোড় কয়া অরেম্বদ মাংহন-নিদনব য়ারিবমথৈ তেলহনবিব অতৈদম্ম সুংডাইগদবহুদ থম্বিব, ইশা ইশান উংচনিংব পামজবহু য়াবিবমথৈ ককথংপিবনি!

লোইরব।

ক্লাশ মনুংদ নোক্নিংবা

(Humour in class room)

—:(O):—

(A. I. R. Broadcast on 28-9-67.)

অয়াম্ব ছাত্র ছাত্রীন ফাগী পাম্মি ক্লাশতি লাইরিক তম্নবনি, ফাগী তানব নত্তে। ওঝাহুনস্থু ফাগী খর হৈনরবদি অঙাংন তিক্রি খংপ গৌরকপদ ওঝান অমুক হন্দুন লাইরিক্তি ইতম তমহো· গন্দে। খুদম খর হায়জগে: অমগি পথাপ Unitary Method তম্বিব ওঝান অঙাংশিংদ হংই:—পিশক অমস্থং চাউব কৌব নিপা অনিন নোংমদ উজাও ৪ য়ানব ডম্লবদি, উজাও ২খক নোংমদ মী কয়ান য়ানব ডম্মি ? কনা খঙিঙ ? ছাত্র A—ওঝাবু নিপা অমত্তনা ডম্নি। ওঝান "করম্ব নিপাননো পিশক্লা চাওব্রাও ?" ছাত্র B—"ওঝাবু পিশক্ক পিকপনিন ডম্মিব নিপা অহু চাওবনি।" ছাত্র C—"ওঝাবু পিশকস্থু নিপা অমনিন উজ্জাও অনীহু মহাকস্থু নোংমদ য়ানব ডম্মি চাউবন থবক চিল্লবস্থু। উন্নুংদ উ·য়ানব চংমিন্নরগ থবক মান্নন শূভম থোকত্রাও ? C না হায়রিবসি B নং য়ারব্রাও ? B—য়াজনিংদে ওঝাবু, প্রশ্নদ পিশক হায়রিবসিন চাউবদগি থর শোল্লমগনি, মচিন্মনাও ওইরম্বস্থু য়াই, পুন্ন মখোয়নী শূমিন্নবশি নোংমদ উজ্জাও ৪ য়াম্ব ডম্ব ওইরম্ব য়াই। A—ওঝাবু অঙ্কদাদি নিপা অনিসি মান্নন লৌনৈ, অতৈ হায়রমদ্রবদি। ওঝান য়াহংসিদ পিশক

চাউব হায়দ্রুন মমিং পীরন্মীবসি কনব মান্নব্রা মান্নদব্রা। হায়দ্রুন নখোয়ন হংহৌগদবনি। ছাত্র D ওঝাবু মখোয়ন য়াম্দোরিব উজাওজুবু আসামগি জঙ্গলদ্রা মণিপুরগি চাংদ্রা? সুভম মুংডাইরবদি থবকসি পাংই। ওঝা 'শৃকমগি ব্রা কান্দে অঙ্কসিদ।" মথা তারগু।

ছাত্র E –ওঝাবু নোংমদ পুং কয়া থবক শৃগদগে পিশক্ক চাউবগনু?

ওঝান নোংমদ পুং ৮ বু শূরবগু ১০ বু শূরবগু চাং মান্নরগ লোইরে।

ছাত্র E—নত্তে, ননাই ঐন হায়জবদি মখোয়নাহু মপা মচা ওই- রবদি মপা অহন্দুন পরপ পরপ ব্রারকদ্রা শিদনি। ওঝান "মথা তারগু কনব মান্নে হায়বদি লোইরে। অতোপ্প ব্রাহং অম তারো কনব মান্নব নিপা ২ না নোংমদ উ ৪ য়ানব চয়বদি উ ১ নোংমদ মী কয়ান য়াথ ডম্নি? A—ওঝাবু মী কখাত অমন ডম্নি। B—মীবু তখাই তাব য়াব্রা নগোইনা ওইব খোক্নো A নং তখাই থাইব তায়। ঐদি তল্লি। চায়থো থংলগু A, ঐ খমগে --মীবু তখাই তাব নত্তে B, মী অমগি পাঙ্গলগি তখায় হায়বনি।

অডাংশা! নখোয় avera_e হায়বদি চাংচংকি অঙ্ক নহাল তমগ্রেকো? ভাব তাখিব্রা পরীক্ষা লোগে মুন্ন তাওকো। নোংমে মীয়াম তিনবদ Professor অমন পৃথিবী অসিগি মাশাডন অডকপ ফংন হেঙ্গংলকপৈ মরমদ ব্রা চাংখি। লুজিক পৃথিবীদ লৈবগ্ন য়াব মীশিং ক্রোড় ৩৮০ রোমনি, থর শিগ্রাগু, নিপা মখৈন মচা পোক ত্রবগু চহিদ অডাং ক্রোড় ১ রোম হেঙ্গংলি। চাংচংত শারগ হায়- বদি average লৌরগ নোংমদ পৃথিবীগি কাঁরিগুধ মফমদ ওগী অমন মিনিট খুদিংগি অডাং অমমম পেকই। ময়ামন থাকপ কয়া

য়াগব, লৈভম কয়া চিল্লক্কবা! মতু তাবদ মনাং ওইবপ ফম্বী ভাবোক মুপী অমন হৌগংলগ লাওবকখি—"Professor, মুপী-চুবু অডা পোক্নু হায়ব ময়াদ্রবজাংলাও? ময়াম্ম মত তাবদ জা জা লাওন নোক্নখি।" নপোয়দি খিস্তু নোকইব করিগিনো? ভাব হৌভা তাদ্রমানে, হয়েংমক চাচংকি অক্সি হজিন্দুন তমখিনি। মিনিট খুদিংগী অডা অমমম পোকই হায়খিব মুপীচু চাংচৎত লোব অঙ্কগি মুপীনি। অহিংব মুপী অমত্তন মিনিট খুদিংগি কদায়দৈ পোক্নুদগে।

খড়নিংগদ্ব ছাত্র ছাত্রীশিংবু ওয়াদ হংনিংব য়াহং মলা লৈনব হংহন্দুন History. Geography, Science, Politics, Economics অমস্তু Subject অমত্ত অতৈ তম্বিবদ মুংডাকঁয়ব য়াহং মচা কয়া কয়া পোক্কুন পাবাহুনি পবী দ হনবদ খো চং ওম্ব তোইন থেনৈ। ওমাহুনগ থব নোক্ন হাবন পাম্ব মী। ওই-য়দ ক্লাশতু য়াম্ন লাক্ন।

L. P. School অমদ Inspector অমন লোম inspection চংপদ ছাত্র মানব মা পিকপ ওম্ব অমন লাইরিক তাকপদ রা য়াম্ম ডাংবচুবু Inspector ন অবা ব ছাত্রনি খন্দুন মনা লৈচুন পুবক্লগ Detention class দা থমখি, মা ছাত্র অপিকপ থোং-নাদি ফব অমন "এংখোয়গী ওপানি" হায়দুন Inspector দ তাক-পু'দ্রবকাপব। ফন নিংথিন ত ক্র মু ওপান class চুবু কা লেন্ন লা হল্লবদি ক্লাস অতেন ওমাহি detention class তা পাম নি।

নোক্ন হায়নব পামদব, পিশুম শুকথতুন হখিব, থবক্কা মী ওইব ওয়া। নপাং য়ানম্রে। মপোয়হুদি ছাত্রশিংন ক্লাসত খিংক্ল

খিগৎপ য়াদে,—Dicispline লৈতে হায়দুনা যাম্না লৈতে। মখোয়-খুনী তম্বিবদ ছাত্রশিংকুু পংব্রা ব্রাদ্রিদৈনে চোকথবনা হাল্লি, তানিংলক-ত্রতুন তম্লক্লবা ছাত্র ছাত্রীশিংদ ফন কান্নবা ব্রা ওইরবস্তু তাক্রতুনা কৈ-নৌদগে? হিরম খুদিংদ চাওথৎপৈ খোংথাংন য়াংনা থাংনবনা মতম সিগি ছাত্র ছাত্রীন পারা মথল কয়া কয়া নম্নো চাওনা পোব গাবকই, উপায় লৈবকদনা Note Book কয়ান চৈশু শনবকই। ছাত্র ছাত্রীবু কুইনা উইহনগে হায়বদি মবক মরক মতাং চানখব নোকহন্ন, নুংঙাইহনবা ফত্তবা নত্তে ওসি চাংজবিব হিবম "ক্লাস মনুংদ নোক্নিংবা" হায়বসি মক ওইনা ক্লাসকি অচৌক অশাহু নগৎ-লব air-conditioned পোব কান্নবৈবনি।

তম্বিব হৈববশিংন হায়নৈ, "Magister Johanam La-tinum docuit" ওজান জোন্দ লাটিন তম্বি হায়নসিদ লাটিন্দ নত্তুন ওজাংন জোনদুস্তু খঙব তাবনি। আজকালগি ছাত্র ছাত্রীবু ওঝাশিংন অযাম্ব খচৈন "খদক লৈতত্তুনা নত্রগা fashion অম ওইনা ভবাংদ লাংবিক ওম কাৎবপন অয়াবনি। মখোয়বু যাবিনমংখ হৈহনখিনব করি মতৌ ন কবনু ঙম্বানি। মসম্না ওঝাশিংদ হংলিব চুপনা হ্রাহংনি। নোক্ল নোক্ল হুংচাহন হৈহ্ররাব তল্লি ওগা। হায়বি ছাত্রশিংন, যাদ্রগ লাংই, হানী শাবি, কুপীনচা লক্‌বি, ওপাংগাদ মিংকু ফাক্কুরি শুাংলি লাংবিক ওখনি হায়দুন লাক্লগ।

ঐখোয়ন অয়াম্ব মতমদ উইনা—মপোক কব ছাত্র ছাত্রীন মশা হৈকন্দে, মশা ফব জাংন মকোক ফংকাংদ, ছাত্র ছাত্রী মশাং নুব মতমসিদ চিঞ্জাক তাংই, থনক তাংই। অতুনদি ময়াম্বকী ইন ফনব মকোক ফবশিংদৈ মকোকথৈ লৌরগ মশাফবশিংগি

মশাদ মকোক ফত্তবা লৌথোক্লগ পান্সিল্লবদি কয়া কান্নখ্রবনো ! মস্তুক ফম্বসিবু অপণ্ডব তাইবংমী ঐখোযন য়ানরোই। অত্তুনদি মকোক ফত্তব লাইবিক ত্তাকপদি কুইন ত্তানিংদবশিংহু পুক্লিং চংনব, থব্লাই য়াওনব নোক্নীংব্রান তঙ্গানবত্ত শোইদংপিরগ কান্নব ব্লাতু মতম চান মকোক্ত ইলহৌবনদি য়োংঙ্গিব যাই। নোকপসি ভাব তারগ নোংকই, নোক্লিংব ব্লাত্ত খৌবাংইব ছাত্রদ লাইরিক্কী পারাত্তুগ পীজহৌরবদি হাণ্ডফালবস্ত্র চাখিনি, ভুমখিনি নহানিন ! সাহিত্যগী ব্লাহং থর ম্লংঙাইন নোক্লিংন থুম্বগি মওং থরদং হায়জগে। কংসবধ কাব্যদ য়াওব স্বর্গগি মওং মত্তৌ কমদোক্ ? কবি দরেন্দ্রজিৎকী মরোন্দ হায়রি—

কবি ব্রাখল লৈকোন্দ শাভ্রোকহন্ন ঙমদ্রব
পুক্লিং খোইজি তময়াদ লোণ্ডুনত্ত লৈত্তন
চিননী নাইত্ত কানিংঙাই মযেক অম লৈত্রব
স্বর্গপুনী কৌনীগী নিংথি লৈত্তেং মযাম্নি।
ঋতু তরুক থোগাইদে বসন্তন পৌবুনি।
অচৌক অশা লৈত্তন অশি অনা নংদব
নীংনত্তদ অপাম্ব পোংকি মপৈ খিবিক্র
মখোং নাইন লাকচব অঙকপনি মফমদুদা,
ন্নুমিংস্তু হেক মথোকই, থাম্ন হেক মঙাল্লি।

তাইবংমীন পান্নব, পুক্লিংগি মন্নুংথংব লোরান্দ (subconscious mind) লোংলিব পুন্নমক কবিন স্বর্গদ ফংহল্লি। Bible দা Let there be light and there was light' মঙাল লৈরোদ হায়বদ ফোং লাণ্ডন ঙানখি হায়। লাইন মীবু থুংশেম শেমখিব্রা নত্রগ য়োংদৈ তপ্ন তপ্ন ওল্লকপ্রা অশেংব খঙদে। অত্থুগ

মসিদি শোইদ্রে : মীন কবি পোকই, কবিন ব্রহ্ম পোকই, ব্রহ্মাবু ব্রহ্মাণ্ড মাললংবান শেমহল্ল। মতুন পেন্দে, তাইবং মীন কবিদ ইনশিল্লগ লাই শাহল্লি, লাইশিংন লৈভম পীয়ু হায়রদে লাইবৈ বাক শেমখি, লাইরৈবাক্তং মীন পামদি পামজব ফংবদি ওইথোক্তংবমথৈ থল্মি। কবিন শাখিব লাইশিংন্থ নাদে য়েক্কে; হাসপটাল লিংদে, শিব নাইদে স্বর্গদ। অপাম অপাম্ব নীংবদদ ফংই, কল্পবৃক্ষ, কামধেনু, তম্ফা থুদোপ যাহওইব, পৃথিবীদ Smuggle তৌরকপদি থিংই। হুমিংস্থ থাম্বু থৱানমিচাকস্থ অতিয়া অমত্তদ অপাম্ব মতুংইন্ন মতম অমতদ খোকপ য়াই, তৌবদদি Light Proof মাইথন, ফীজ থব চংই। বসন্ত পাম্ব লাইশিংগি লৈকাইদ যেন্নীং হুল্লি, হৈনৌ মপাল শাংলি; থাবল চোংই; শরৎ ঋতু পাম্ব লাইশিংগি সহব থংনবং অমদ পুংদোন মুল্লি, য়েংদো মপান শাংলি মৈকাপ্পী কাপই, রাশ শান্নে। লাইরৈপাক হাযবসি লাইবিক্ত লৈননিন কনাগুম্ব শান্তিদাস বাবান লোইন মৈ থাদ্রিমথৈ লৈহৌরনি।

অতোপ্প ব্রাহং অমন! চহি ... অনাগি মমাংদ কালিদাসন ইখিব শকুন্তলান হুজিক ফাওব ... বিগ কদিগিনো? মরম থব! ছুর্বাশাবু কালিদাসন তৌহনখিব ... মী ... লাংগী ডাওব, চেনব চোংব কাংবু খুদিংন শকক থবদ ওইববস্থ হুজিক ফাওব ফংনরি, থংনব চৈনব, থানা, হাসপটাল, কোর্ট। ঙসিশি হুংওনগী ব্রাসি ফন লৌরবস্থ মনব নাইদে বসন্ত খুদিংগী পাম্বীন য়েন্নীং হুম্বগুন। বসন্তাগ উবি ব্রারী, হৈপাল লৈপাল, শা উচেকপু লৌলাদ য়াওহন্ব ডম্ব হুজিকস্থ তম্নীংডাইনি। কালিদাসকি লোন অমদি খুংলেংগি মিত্রংবু মতম্ন কোঙ্গিলং কাহনবা মহুং লংখংপ হেলহল্লি। যাম্ন

ক্লাশ মন্নুংদ নোক্লিংন্না

'য়হুন কান্নদে খোইমু ফাও মশা খপুন নোংবান শারগ সনা 'জ শীব দুষ্মন্ত নিংথৌগ শিংনখি। আজকালগি পাখংন Scooter ম রাইরগ শকুন্তলাগুম্বা থিব চংপদ মানবা অম cycle থৌখিব য়রপ উগৌদুনে ময়ুম তান্ন ইন্নরে, মানবাদুদি মাংখরে। কোন্থাংদ া কন্ন মুনিগ গোং থেংনদুন হ লক্রে "করিনো ইবুংঙো, কদায়-মা ?" পাখংদুন থক থুন্মি "খুড়াখোইসোমদ লম্বী ফাও লাক-ও" মপাদুন মুংভাইব মাতা ওন্দরমদুন হায়বকই, "ইবুংগো, ং থোংদ চংলগ মনীংথোংদ ফাওখো, নচন্দু মনীংথোংদ কভোই তুন চাগৌবনি। কালিদাসকি দুষ্যন্তদি মন্থন্ন ইকাইখিদে খোই-শকুন্তলাবু ওংপদগ মনাক য়োনব মরম ফংলদুন। অংগোম্প অমগ :—

অন্থুবৈ মোইরাং থোইবীন লাক্লাক্ত ইন চিংবদ থম্ব লাকখি 'ন আজকালগি মাংন্নাংবী থোইবীশিংস্থু ইন চিংখিদ্রা ? তন শেংগী ইমামচাশিংন ইন চিংব তোকপ য়াদে, তৌবদদি াাল নত্রগা টেরীলিনগি ইন্ন চাংব তায়। শম্ন ন্নাইং অমতংগ : কান্তগী উইল হাখবদুদ বঙ্কিম ভ্রগী will কনিনো ? ভ্রমরগ লাক্ষ অনিগী জমাদারীগন থল নামদ হাম্লপ রুহিনী মপন্দ াল অমদুন গোকিদলালগী মমাংত লুম্ব হেনখি। বঙ্কিম হ.লি ওগী উইলন মাইথীবসিদ সমাজন কপকদ্রা নোক্কদ্রা ? ক্লাশ-ডাইরনীগে হায়রবদি ওয়াশিংন পারাদু ফজন লেংলগ তথীব াদুনি ওয়াশিংন তন্নরিব, মদুননি ওয়াশিংন তলব চাওন াস্থু।

—

লোইরব।

ঐন পামজব নিপা অমগি শক্তম

—:(O):—

য়েখায়ব মরক্ত চাওখৎনব লাক্লব অহিংবগি মশিন্নি। মী অমন মপুন্সিদ পাকখিব মমাইত্থু ওন্নব মাগি হৌরকফম হমদি মান থেংনব তাখিব খুদোংথীবশিংদু য়েংনদব য়াদবনি। সেক্সপীয়ারগি লৌলাদ জুলিয়স সীজরবু মীয়াম্না থাগৎনব তাবদ কল্লক্লব কেশিয়সন ব্রুটস্ত হায়খি, "ন্নংশিরব ব্রটস শ্রহশিংদ তায়নত্তন কান্নদে, লাল্লিবাদ ঐখোয়নি ঐখোয়ন মীখা থান লৈব য়াজবননি।" কেশিয়সন হায়খিব ব্রাসিগি অচুম্বত্থু য়েক্লব গ্রহ ময়াম্ম লাকথুনীগে তৌরম্বদ মান চমদুন পৃথিবী ফাওরব লাইরিক হরন্থ নিপাত্থগি পুন্সিন ময়েক লান তাকই। মাগি লাইরিক্কু ফোংলব মতমদ চহি ৫৭। ৫৮ শুখ, মমাইতু ময়েক লাই, মরাইবক্ত ময়া লৈতে, মকোইত্ত চীনদান থক্ত চাংনন থাকই, ময়া ংতৈ হেন্দ্রে, কুচুদি ফজরি হায়। নিপাত্থু ও ১৫৪০ কি অক্টোবর তাং ৯ দা স্পেনগি এলকালাদি হেনারেস কৌব সহরদ পোকখি, মমিং Miguel de Cervantes Saavedra. মচিন মনাও ২ শুস্, মখোয়বু থাকপ ভম্নব পংখৌ মাইবশাবও অনাব থিব কোইন চংখি। Cervantes পিক্লিঙৈদ লাইরিক পাব পাম্মি। চহি ২০গি ত্থুরাইদ মেড্রিদ সহরদ লাইরিক তম্মিডৈ শৈরেং থর ইখি, নিংথৌ ফিলিপ ২ শুবগি ৩ শুব রাণী লৈখিদবদ। মত্থুংদমক Cervantes পু মাগি অঝান মীয়াম্মাদ থাগৎখি।

লাইরিক তম্ব লো রগ খৃষ্টান পুরোহিত অচৌব অমগি সেবারী ওইন মতু: ইদুর রোমদ চংখ্রই, ইটালীগি ময়াম্ব মফম উখি। থর লৈরগ ময়াম্ব রোম্রিগোগি মতৌ তমহুন লান্মী ওইখি। খৃষ্টানগ টুর্কীশিংগ লেপান্তদ থেংনখিব লান্দ Cervantes ন অতাংব থোনা উংখি। মমাংগি নুমিত্ত অরুম কন্ন হৌহুন নারব মহাক্ন খ্বাইদৈ খুদোংথীব মফমদ থাজিনবিয়ু হায়জহুন লান্দুদ মথবাক্ত গুলী ২, য়াওখি হিটলরন ওইখিব লাম্মাগুন। লান্দুদ মথবাক্ত গুলী ২, য়াওখি হিটলরন ওইখিব লাম্মাগুন। লান্দুদ মথবাক্ত গুলী ২, য়াওখি হিটলরন ওইখিব লাম্মাগুন। লান্দুদ মথুং ওইহুদি পুন্সিচুপ্প অহুগ মথুং ওইদ গুলী অম পানখি। মথুং ওইহুদি পুন্সিচুপ্প শিজিন্নব য়াখিদ্রে। গুলীহু কাপখিব টুর্কীহুন খওবদি নত্তন মশাকপু লাইরক ইহনখি তাইবং মায়াম্ন নুংঙাইন পানব। লান্দুদৈ চহি ১৫ শুরগ পোন্দ হল্লকখি ময়াম্ব অমম্লং অতৈ থবগ লোইনন হি কিন থনবদ তোংলগ। মাগি দশা অকনবদি ডায়রম্মী, লঙ্বাদ অমুক পাওল মূবাশিংন ফাহুন মখোয়বু অলজিয়র্সত থমখি মীনাই ওচন। ব্রাবব শাংলব চহি ৫ চেন্নব লাক্লখি অরেম্বদ চৈদ চানব। মবাইবক ফব হায়ববু নশাদ নিংথৌ ফিলিপ্তু পীক্লনব চিঠি যাওবগ, মচং মতৌ নুংঙাইবগন মাব্ব হাংপিখিদে। মযুমদ পাউ তানরহুন মখোয়নাব্ব মীনাইদৈ থাবিনব অরৈব পোংচৈ ময়ুম মুংন খোম-মখোয়নাব্ব মীনাইদৈ থাবিনব অরৈব পোংচৈ ময়ুম মুংন খোম-জিল্লগ শেল পীহুন হন্দোকখি। শেল অমত্ত য়াওদন নংলব ইমুংহুদ মচিন মনাও হল্লকখি, চহিদ মহাক ৩১ রোম হায়খ্রে। অনংবহু থর কোক্লব পোর্টুগালদ মতম থর অমুক সিফাই থল্লুই। মহুন কাম্নদে, লাইরিক ইহুন য়েংগি—'La Galatea' লীলা ২, শৈরেং কয়া মরুম, মহুদম্ন শেল ইফং ফংখিদে। মহুগি মথক্ত

মর্মপ শাজিন্নব গ্রহ অমন ইন্সিন্দুন মেদ্রিদ অমস্নুং টোলেদোগি মরক্ক লৈবী মুপী অম লৌহল্লে, অউনপোৎতি অমত্ত য়াওদ্রে। মমৈদ অতোপ্প য়েক্কব গ্রহ অমন অমুক পেন্দ্রতুন পোর্তুগীজ মুপী অমগ চান্নহল্লে, মাবু পুন্সি চুপ্প ব্রাহন্নব মচানুপী ইশাবেল-দি-সাভেদ্রা পীরম্মগ মুপীত্থ শিখ্রে। ইমুং পুবগি অৱাবত্থ থাংব ভম্নব কলম থম্মগ সরকারগি থবক থিখ্রি।

ইং ১৫৮৮ দা নিংথৌ ফিলিপ ২শুবন ইংলণ্ডবু তকথায়নব Spanish Armada গি জহাজ মযাম লাংথৎখি। মতুদ cervantes ন গেত্থ অমস্নুং য়াও থোমগৎপগি থবক পুখি। লাইরমনবন হায়গদ্রা চেকশিন্দবন হায়গদ্রা হিসাব শোৎইবগি অৱাভম তাখি। সেভিলগি কৈশুমশংদ লৈরবৈদ মাগি ফাওরব "Don Quixote' হায়ব নোভেলত্থ ইনব ব্রাথংস গর্ভ পুখি। ইং ১৬০৩ তা cervantes ন মেদ্রিদকী অৱাংদ লৈব Valladolid ত চৎলুই ইমুং মন্নং লোইন পুরগ হিসাব উৎনব অম'দ মরাল ভাকপিয়্ হায়জনব নিংথৌ ফিলিপ ৩শুবদ। লাইরব মরক্ত পিক্রব কা অমদ লৈরুই, মফমত্থদ Don Quixote কী শরুক থর ইখি হায়ত্থন মফম অত্থ বায়হন্দন থম্মি ত্থব্রিকস্থু। অত্থদ লৈরিবৈদ Don Quixote কি অহানব শরুক ১৬০৪ গি সেপ্টেম্বর থাদ ফোংলনি হায়ত্থন Publisher রোবলস্তাক চিঠি ফংখি। মতমত্থদ cervantes চহি ৫৮ রোম শুরে, মশা নারি মখোঙ পোমখৎতুন, লাইররি, প্রদেশ অমত্তগ Copy right লৈখিবন শেলস্থু য়াম্ন ফংখিদে। চহি থরগি মতুংদ Spain গি অকাওব লেখক ওইন মমিং চৎলবস্থু

লাইরবদি ফঙ্গে, 'Exemplary Novel' কি Copy right দোল্লাব ৫০০রোমদ য়োন্দ্রন থাংখি। ইং ১৬০৫ অমসুং ১৬০৭ কি মরক্তসু Publisher Robles ন মাঙ্গান্দ লূপা ১০০ রোম থংবিখি নংব ফত্তহ্নন।

Don Quixote কি Part I লোইবব তুংদ য়াম্ন নংন মশা ভেমদ ভমদন চহি ১০ হিংখি। মন্নংসিদ Part II অহুগ Novels অতৈ অমসুং comedy কয়ামকম ইখি। হুজিক য়েক্লব গ্রহশিংন মাবু চানবিরম্রা হায়বদ চানবিব উদে। মরমদি Don Quixote Part I ফোংবৈ চহিহুদ মান লৈখিব বুমহ্নগি মমাংদ অহিংদ মী অম শিবম্নে মবীদ মরাল লৈজদর্ব মাবু মতম খব জেলদ লৈহনখি। ইং ১৬১৪দা নিপা মশক খঙদব অমন Don Quixote কি Part II নি হায়জিন্দুন য়াহৌদোক্কসু Cervantes পু থীরপ হায়দুন ফোংখি। মহুন মাবু খব শাওহনখি। মহাক্ন মাগি অশেংব Part II হু ফোংব মতমদ নিপাহুবু খরদি লাক্লখি।

Novel হুগি মবমদ খরদং :— Cervantes ন মাগি Novel অসিবু ইতিহাস ওইন লৌই। La Mancha দ Quixoda কৌব নিপা অম লৈরম্মি—অকল অথৌ Knight errantry গি লাইরিক মযাম পাবদগি অওইব ওইন থাজহুন মহাক্কসু Knight অম ওইরনি হায়হুন ভাওখি মতিক চাব শগোল য়াংগংব, পোষাক অতৈ Ivanhoe খাইন শেংপহু হায়বপ মানব থৌরাং তৌরে। মতুংদ Squire ওইন ইনবীনব Sancho panja অপডন অম থেংনরে, ঈপৎ অমগি governor ওইহন্নি হায়বহুদ

মাসু হয়াওন য়ারে Dulsinia Del Tobosso হায়বা মওলান থোইবী অমাগ মশুংলংগী থোনা থোরম থেংনব পৃথিবীদ কোংন চংশি অনীদু। করিগুম্বদ য়াও শঙ্বু লাম্মী মপৈনি হায়দুনা লান্দা-কই, করিগুম্বদ wind mill দুংশিংক চক্রীশিংবু হিংচাবনি হায়-দুনা লান থেংনৈ। অয়াম্ব মতমদ মীন ফুবিদুন থীন শোক্কুন হল্লকই। মবুক ফবঁ ফাগী পাম্ব কাংবুন মতৌদু লক্কনিংদুন থাগংশি, থৌজিনবি। থীন থীন শোকখিব য়াওই, মরীল শুকহন হন্দে, করিস্তু নীংব কায়বিদে। ডুলসিনিয়া মশক ওনখ্রে লৌরাইগি অমোংপী নুপী মচা অম ওনখ্রে হায়বদসু থাজৈ, মত্রংনাদ ফরক-থিনি থল্লি অদুম। মাবু দুংশিব নিপা অমন Knight শাদুন লাম্বা তৌরগ মাবু মাংথীহল্লে। হায়নব মতুং ইন্না মযুমদ চহি অম পোথাব তাথি, উইলদ Knight errantry থাজদনব ইরম্মগ শিখি।

Don Quixote পারব মী খুদিংন খঙবি—মহাক মতিক চারব লেখক অমগী গুণ পূম্ব শু[illegible]লৈ। Don Quixote কি মরিংজেল, হনব নাইদব, হায়নব [illegible]দব, অ শা কায়দবন্থ writer মশামক্কীসুনি। T. S. Ell[illegible] [illegible] গৎওম মবম্লাই দুংডাই-তবদগী হৌবগ ময়ামগী দুংডাইগব Impersonal and universal plane দ ইম্বিবনি। "Not even the creditors knocking at the door could distract. Cervantes, for he ran away with his story" Self deception, false grandeur, sentimental optimism were burst by the lance of laughter.

Spain গি National library দা চাঙরব কা অম থম্ম লাইরিক সিদন তোঙান তোঙানব Volume দ পৃথিবীগ লোন কয়া কয়াদ হন্দোকপশিংন্থু চাম চামন খুৎচিং ওইন পৈরি। Don Quixote নৈনহুন ইব সমালোচনাগি লাইরিক্তন অতুম্ব কা অম থম্ম লৈ। খরন মসিবু the "Bible of humanity" নি হায়নৈ। মমিং চৎপ অমদি পানবদ পৃথিবীদ Bible দগী খরদ হম্বন লৈরবনি। চহি ৩।০ হম্মরব লাইরিক অসি হুজিকস্থু মফম খুদিংদ অনৌব থোরকপগুম মুংঙাইন পানরি পৃথিবীদ। কবি Byron ন হায়খিব "Cervantes Smiled Spain's Chivalry away" হায়বম্থু চুমদব ওইরম্ম Romances of Chivalry অপঙ থৌনাগি formula অমতুদ ইনরম্ব Novel শিংহুদি Don Quixote Part I থোরকপদৈ ইনখিদ্রে হায়নৈ। Macaulay ন হায়খি "Incomparably the best novels ever written" Modern novel গি শক্তম মুংঙাইরব "Don Quixote" ন মকোক চিংহুন হৌরবনিস্থু হায়নৈ। লাইরিক্তু হেক থোরকপগ মীয়াম্ম অঙকপ ফংন লৈনখি, record sale তৌখি। অহুবু writer দি লাইরব ফংখিদে। Cervantes লীলানচিংব অতৈ ৩০ মুকস্থু ইখি, অহুবু Shakespear গ ফাওমিন্নব Lope de vega হায়ব Spain গী লীলা ১৭০০ ইরম্বহুন Spain গি Theatre Hall অয়াম্ববু শুপখিবন লীলা অহুক ফাওব ঙমখিদে।

Cervantes কি ঙকপ হায়ববু—"His hardships never emvittered him"—মুংঙাইথ্রব নোক্লিংথ্রব ঙাক্ল

ইরম্মি। মথুং ওইহু তংপদ মান হায়খি "For the greater glory of the right"—য়েংথংব মথুংকি মিংচং হেঙ্গংনবনি হায়ন। থৌনা ফরুবদৈ মান খিবগুম অতৈবুস্থু খিহন্নব" "To render abhorred of men the false and absurd stories contained in the books of Chivalry"—ইখিবগী মরম ওইন পী। Don Quixote কি will দা মচান্নুপীহু অপঙ অথৌগী ব্রারী অমত্ত পাদ্রিব নিপাহু মুন্ন থল্লগ থাজবীয়ু হায়রম্মী। মাগী মোংফমদ ইরম্বন :

শগোল তোংব পাথৌগি মশাদো সিদ নৈরে হিপ্পুন
অস্থুক থৌখি মত্থুদি অরোইব নুংশা হোনব, ফাও
তানাখি মান মিংচংতবু অমাং অতা নাইরোইদব
মত্থুমক্ক মাবু ঙমহনখি অশিববু মাইথীহনব।

মসিমক Cervantes কি মোংভমদস্থ ইগদব লোন্নি। ঙক্ক থৌখিব লান্মীনি, অন্নাবদ ঙক্ক নোকসিনখিব নিপানি, খ্বাইদৈ হেন্ন ঙকপ লেখকনি।

লোইরব।